যাইফ পাউজেল

মৈতৈ গাল্লৈটংন
য়াইফ পাউজেল

কেশো সিংহ ইবেংবা

ইমাখোল পব্লিকেসন্স, মণিপুর

ইবমদম মীযামগী অপুনবা খোর্জৈ লুপ (ইমাখোল), অবাং পোংশংবম

YAIPHA PAOJEL

A collection of Manipuri Poems by Kesho Singh Irengba of Awang Potsangbam Khunou, PO Mantripukhri - 795002 Manipur published by Irengbam (O) Khomei Devi on behalf of Iramdam Meeyamgi Apunba Khorjei Lup (IMAKHOL) Awang Potsangbam

অহানবা ফোংঙবা	:	সেপ্তেম্বর ১৫, ২০১৩
অফোংঙবা	:	ইরেংবম ওংবী খোমৈ দেবীনা ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবমগীদমক্তা ফোংজবা।
হক	:	অইবা
লাইরিক মশীং	:	৭০০
মমল	:	মখুম অপাবা লুপা ১৫০ মখুম অথাবা লুপা ২০০
মখুম দিজাইন	:	অইবা
ISBN NO		978-81-926804-5-3
ফংফম	:	অইবা মশা, ইমাখোল, অৱাং পোৎশংবম খুনৌ, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল,
ডি টি পি তৌবা	:	বোমেশচন্দ্র কম্প্যুটর্স, অৱাং পোৎশংবম
নম্ফম	:	লমযানবা প্রিন্টর্স কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল

যাম্না কোইনদবা
লাইগুম্লবা অহল অমনা
নৎত্রগা
যাম্না নুংশিনজবা মরূপ অমনা
মরূপ অমগী মফমদা
নৎত্রগা
মখা থাবা তোবো খোদানবা
মচা মনাওদা
যাম্না নুংশিনা থম্মোয শেংনা
অমদি
নোকফেং তৌনা
ফাগী জুগায তৌদুনা পীবা
থম্মোযদগী থোবকপা
যাইফ পাউজেলদুনি।

ৱাহৈ খরা

শ্রীকেশো সিংহ ইবেংবা, সাহিত্য বল্লনা পুথোক্লিবা শৈরেংগী লাইরিক "যাইফ পাউজেল" হায়বা অসি অনৌবা মখলগী পাউতাকসু যাওববা Self explanatory ওইবা ৱাখল যাম্না শললহনবা ঙম্বা মাগী খোমজিনবা শৈরেংশিংনি হায়না থমজনীংই। অমরোমদা অৱাংবা থাক্কী নৈনবা যাবা লোয়নননা নৈন নৈনবগা অথুম্বা খোইহীগুম্বা যাওবা পোৎশক অমনি হায়বসু যাই। লাই তীনগী, অকোয়বগী ফিবম, মহৌশাগী, ঈশিং নুংশিৎ, মালেমগী, লমচৎ শাক্তংকী, পুন্সিগী হিংবা শিবগী, মরূপ মপাঙগী, মপোক নুমিৎকী, যুম্বাক্লোলগী, নুংশিনবগী, খংনবগী, অসিনচিংবা মীওইবা অমগী পুন্সি খোঙচৎতা খেন্নবা যাবা পূম্নমক ইবা Golden thought কী পাউজেলনিসু হায়বা যাই। লাইরিক অসি পাউজেল ১২০ মুক্কী অপনবা মর্শক্লি। মসি পুথোকপদা অবাবা কথা অমা অইবনা খেংনবমগনি। অদুবু মহাক্না মায পাক্না পুথোক্লবা মতুংদদি লনগে অমা ওইনা তুং কোইনা লৈতৌবগনি।

শৈরেং মশীং অসি যাম্বনা পূম্নমক নৈনজদ্রবসু খবদং লৌখৎচদুনা নৈনগে। মীওইবগী ৱাখলবু ফোঙদোক্লিবা অমসুং মদুবু ফজবৰা আর্টকী মশক হাপ্পনা, লন নাল্লা তক্কুনা, নান্দুনা পুথোক্লকপা হায়বসি শৈরেংগী শক্লোন অমনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা মোং পীরম্মী। মদু শ্রীকেশোগী খুপুথোক অসিমক্লি, Poetic diction যাওববা শরেং ঙাঙনি হায়বা যাই। অসি গুম্বা মখলগী শৈরেংশিং অসি ১৮ শুলা সতাব্দীদগী ইবা হৌনখ্রে। মেশোজ পীবা শৈরেং মখল অসিদ অতৈ স্টেটশিংদদি লৈবক্না যাবে অদুগা মণিপুরদদি মশীং অসি খরা শিক্লা লৈবি।

মরূপকী মতাংদা হায়বক্না লৈ। "There is no man so poor if he has a friend There is no man so rich, if he is without a friend মসিগা বাহন্দোক নক্লবদা অইননা হায়বি, *"ঐ খ্বাইদগী লাইবক ফরা মী অমনি, মবম্দ নঙগুম্বা অমগা মরূপ ওইবা সংজবগী।"* (অশেংবা মরূপ, লাঃ ৮) পুন্সিগী মতাংদা হায়বি "Life is arithmatic/Multiply the happyness/ Devide the sorrow/Add the friends/Subtract the enemies" কবিনা হায়বি, *"নঙনা খ্বাইদগী ফৈ খনবদু অদুম তৌ, নাক্লে হঙলবদি অনীবক তৌকন্নু।*

নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা হোৎনবা হোৎনৌ, মখল মথেল হাযবসি পুন্সিগী মথেলনি। (মদুনি অফবা পুন্সি হাযবদো, লাঃ ২৪)

অসিগুম্বা যাইফবগী পাউজেল মযামসিনা পুন্সিল্লগা শেন্না শৈবেংগী লাইবিক অসিগী মমিং, অপূনবগী মিংথোল ওইনা "যাইফ পাউজেল" হাযনা অইবনা যান্না চাননা থোল্লি হাযজনীংই। কনাগুম্বা যান্না নুংশিনবা মরূপ অমগী মফমদা নৎত্রগা যান্না তোবো খোদানবা মখাতাবা মচা মনাও অমগী মফমদা পীবা পাউজেলশিংনি হাযববসু যাই লাইবিক্কী মিংথোল ওইবিবা "যাইফ পাউজেল"।

অদুগা ইংলিশতা "Happy birthday to you" *হাযনবগুম্না* কবিনসু হাযবি "*অদুগা নবেপ থুম্না পৈশানা পৈবসনু, নঙগী নমঙদো মঙফাওনবা ওইবসনু, অখন্নবা নপোক নুমিৎ অসিগীদমক্তা, ঐনা যাইফ পাউজেল পীজবি।*" (নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল-১, লাঃ ৪১) Margret Wolfe Hungerford না হাযবর্মী, ""Beauty is altogether in the eye of the beholder" কবিনসু হাযবি, "*ডাকপিবনা লমন খুম্নদগী ...না ফৈ, চুম্না তৌখিবা থবক ইনাক খুল্লি, খুৎহৈবদি পুক্কীংগী মমিদু পুথোকপানি, ফজবা হাযবসিদি মীৎনা নুংশিনা উবদুনি।*" (ফজবা হাযবসিদি মীৎনা নুংশিনা উবদুনি, লাঃ ৭৩)

"Our life is what our thought make it" হাযবসিমক কবি অসিগী শৈবেং অমদা মমি তাবি, "*মীওইবগী ফনবা খল্লা পুন্সিদু নীতিক চাববনি, পুক্কীংনা হকচাং অসি মমায চুমই, মহাক্কুনা মপুক্কীং অদু ৱাবকপা ঙম্নবদি, মহাক মালেমদা অখোইবা মী ওইবে।*" (পুক্কীংনা হকচাংসি মমায চুমই, লাঃ ৮০)

বাইৱেনা পীবা কান্নবশিং অদুগী মতাংদা বাইবলনা অশুম্না হাযবি, "The word is a lamp unto my feet and a light unto my path" কবিনসু হাযবি, "*বাইৱেনা মী অমবু মবাইবক ফহনবসু ঙমই, ৱাইৱেনা খীজোল পীদুনা ফহনবসু ঙমই, ৱাইৱেনা মী অমদা চৈনা পীহনবসু ঙমই, ৱাইৱেনা থংনা যাংগুম ... ঙমই।*" (ৱাইৱেগী মপাঙ্গল, লাঃ ৮৩)

Maxim না হাযবর্মী, "Good books are gold mines" অমসুং Lin Yutang না হাযবর্মী, "The wise man reads both books and life itself" মসিগা চাননা কবি কেশোনসু হার্যবি, "*লাইবিক পাবা থোকবা মীৎতাঙবনি, লাইবক ইবা হৈতবা লোন থোক্কবনি, লাইবিক্তা যেংঙু মী ওইগে হাযববদি, লাইবিক ... মী থোইগে হাযববদি।*" (লাইবিক যাওই, লাঃ ৯৩)

চীং তমগী তোখাই তানীংবগী ব্রাখলশিং অদুবু ফত্তে হায়না পাউজেল পীদুনা কবিনা মদু থাদোক্লবা পাউজেল পীবা মমল যান্নবা শৈবেং অমদা অসুম্না ফোংডোক্লি। *"হিংমিন্নশি হায়দুনা হিংলবদি. হিংমিন্নবিবা পুম্নমক্কী হিংশি, তমগীতা নত্তে, চীংগীতা নত্তে, মালেম ইমাগীদমক্তা হিংশি।"* (মালেম ইমাগীদমক্তা হিংশি, লাং ৯৭)

Love makes the world worthwhile হায়বদু মহাক্কী খুৎই অসিদা যাওব। ঈশ্বর্বদ নুংশিবনি, মাতনা অবেপ্পনি হায়বা ফোংডোকপা মতেক অমংং পল্লন্দা. *'মাশমসু কাউগনু নোংমা নিংচক্লোই, মশিমসু খংউ নোংমা নহাক কপ্পকখিগনি. মশিমসু কাউগনু নোংমা নহাক যবকাখিগনি, অংশংবা নুংশিবা কনাবদা লৈ হায়না।"* (থিবকখিগনি অশেংবা নুংশিবা, লাঃ ১০১)

অবোইবগী শৈবেং অমদনা মী পুম্নমক্ক "হেপ্পী নু ইযাব" হায়না হবাও তযাম্না ওক্লবিবনি। অদুবু মদু কবি কেশোনদি অনৌবা চহী লাকপা খুদিংগী অহল ওইশিল্লক্লিবনি হায়দুনা ফোংডোক্লি। *"অবিবা চহী লোইখবে, অনৌবা চহী লাক্লে, হেন্না চহী যামখৎলক্লে. হেন্না অহল ওইশিল্লক্লে।"* (অনৌবা চহীনা লাকপদা, লাঃ ১২০)

মহাক্কী শৈবেংশিং অসি মখল মথেল কযানি। মসি পুম্নমক ফজবগী ফজবা ঙাক্তা ওইবনা কবম্না লৌখৎলগা কবম্না থনমগনি হায়বা খন্দোকপা ব্রার্বনি। অদুনা অসিগুম্বা ফজববা লৈ পবেং অমা ফংবা হায়বসি অইবশিংগী লাইবক ফবনি। মখাতানা ইবিবকখিগনি খঞ্জবি।

অব্রাং পোৎশংবম,
সেপ্তেম্বব ৩, ২০১৩

বাজকুমাব গুণচন্দ্র
ফাউন্দব প্রসিদেন্ট, ইমাখোল

জেনরেল সেক্রেটরিগী ৱারোল

ঈশৈনা পুন্সিগী অৱা নুংঙাইগী খোঙচৎকা লোযনদুনা চৎপগুম শৈবেংসু মীওইবা ঐখোযগী পুন্সিগা লোযনদুনা চৎলি। ৱাখলগী মমিশিং অদু শৈবেংদা তাবনা শৈবেংনা পুন্সিগা নক্লবনি হাযজনীংই। ঙসি ঙসিমক্তি লমদম অসিদা শৈবেং লাইবিক ঈশিং ঈচাউগুম হেনগৎলক্লি। শৈবেংদি অযাম্বা মীওইনা পানদে হাযনৈ। অদুবু কবিগী শৈবেং পাবোইদগে। লোযনশিল্লোন সাহিত্যগী হৌবকফমদি শৈবেংনি। কবিগী ৱাহৈ পবেং অমমম্লা মীওইবগী পুন্সি মাযকৈ ওলহল্লিবনি। হীংশানা থল্লবা ওমচাক্লববা লমদমসিদা পূক্লীংবু ঈংহনবা ঙম্বা, পুন্সিবু লমজিংবা শৈবেংশিং খোবকপদা তবাম্লা ওক্লোইদবা কনা লৈবগে ? শৈবেংবু পামজবা মীওই কযা ঙসিসু লৈতবা নত্তে। অফবা মগুণ লৈবা শৈবেং পুখোক্লবগী পান্দমদা অখন্ননা শৈবেংগী লাইবিক্তা মনা কযাসু থম্লবক্লি। ইমাখোলদসু অফবা শৈবেংগী লাইবিক পুখোক্লবগী ইঙ্গীৎতা ৱাবীবম ওঙবী শঙ্গাযজাওবী অমসুং মচাশিংনা শৈবেংবু পামজবা ৱাবীবম মৈনোগী মিংদা ''ৱাবীবম মৈনো শৈবেং মনা'' কৎপীদুনা ২০১৩ দগী পীবা হৌজক্লে।

ঙসিদি কেশো সিংহ ইবেংবগী শৈবেংগী লাইবিক ''যাইফ পাউজেল'' ইমাখোলনা মীযামদা খুদোল তমজনবগী তাঞ্জা অদু ফংজবে। ইমাখোলদি অইবা অসিগী খুৎই অদু লাইবিক ওইনা পুখোকপদা তেংবাংজবযক্তনি। লাইবিক অদুগী থাক্তি অপাবশিংনা লেপ্পীগদবনি।

ইমাখোলনা মমাঙদা শৈবেংগী লাইবিক ১৯, ৱাবী মচাগী ৬, ড্রামাগী ২, অতেনবা পুন্সিবাবী ৩, ঈশৈ শৈবেং ৪, পাউবৌ প াউতাক ১, পাউবৌ পাউখোং ১, গাইদ বুক ১, ৱাবেং ১, লমকোয ৱাবী ১ অমসুং ফুঙ্গা ৱাবী ১ পূন্না লাইবিক ৪০ হান্না পূখোকচক্লে। ঙসি ইমাখোল পব্লিকেসন্স, মনিপুবনা পুখোকচবিবা কেশো সিংহ ইবেংবগী শৈবেংগী লাইবিক ''যাইফ পাউজেল'' অসিনা ইমাখোলগী ৪২ শুবা লাইবিক্লি। মীযামগী মফমদা পাবীনবা ইমাখোলনা লাইবিক অসি খুৎশিন্নজবি।

সেপ্তেম্বব ৪, ২০১৩

তোঙ্‌জম সবোজিনি চনু
সেক্রেটবী, ইমাখোল

অইবগী ৱাবোল

ঐহাক যাম্না অঙাং ওইজবিঙে ক্লাস সিক্স তম্বা ১৯৬৪ অদুৱাইদগী হৌনা লাইব্রেরীদগী লাইবিক ৱাযদুনা পাবা হৌজবকখি অমদি স্কুলগী মেগাজিন্দা হাপ্পনবা ৱাবেং শৈবেং কয়া ইবা হৌজবকখি। চহী খূদিংগী পুথোক্লম্বা ঐনা তমজবিবা অৱাং পোৎশংবম হায স্কুলগী মেগাজিন্দা ঐগী শৈবেং নৎত্রগা ৱাবেং অমদি শোযদনা হাপ্পনবা হোৎনজখি। মদুনা ঐঙোন্দা ইনীংবগী ঈথিল অমা কন্না পীবকখি অমদি চেজেৎ অমত্তং ফংবদা কবিনো পূক্লীংদা ফাওবকপা অমদি হেক্তা ইশিনবগী হৈনবী অমা শেমগৎলকখি। মদুদগী হৌবদুনা ঐনা কলেজ তম্বা মতম অমদি মদুগী মতুং তাবকপদদি ইশিন্দুনা থমখিবশিংদু মশীং ফনা যামশিল্লক্রে। অদুবু লাইবিক ওইনদি ফোঙবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৈতবনিনা অমত্তা ফোঙজখিদে। স্কুল কলেজগী মেগাজিন, 'মতম' কৌবা চেফোঙনচিংবা খবর্দদি হাপশিবসু মযাওই।

লাইবিক অসিমক্স্ব হান্না ইদুনা লৈখ্রবা ঐগী অচোইবা শৈবেংশিং অদুদগী খবা লৌখৎচবগা নৌনা অমুক শেমদোক শেমজিন, হাপতোক হাপচিন তৌবগা ২০০৭ দা কম্প্যুটবদা সেত্তিং তৌবগা থমজখ্রবনি। অদুবু খুদোংচাদবা খবদগী অমদি পুথোকপা ঙমজবদগী মতমচানা ফোঙবা ঙমজখিদ্রে। মদুগী মতুংদা অমুক ফোঙদোকচবগে হাযনা পূক্লীংদা চপ যুংনা খল্লক্লবা মতমদুদা শোযদুনা তুশিন্বদা অকাযবা লীক্লিনা ঐগী ওযথংবা খোঙ খূনীংগী যাম্না মক্ত ওইবিবা তেন্দন মবীসি যাম্না থীনা ককথৎথোকখ্রে। মদু শম্নবগী জৱাহবলাল নেহরু ইনস্টিট্যুৎ ওফ মেডিকেল সাইন্সেস, পোবোমপাৎতা ইমবজেন্সি মেজব ওপবেসন অমা তৌজখবে।

খুদোংথীবসে লাক্লবদি মবী মবী খুৎ শম্নদুনা লাকই হাযনবদুনি। মদুগী মতুং মতম খবা লৈবগা অমুক হার্ত এতেক তৌক্লনা ৱাখল তাদনা জৱাহবলাল নেহরু ইনস্টিট্যুৎ ওফ মেডিকেল সাইন্সেস, পোবেমপাৎকী আই সি সি ইউদা অশিবগুম তাদুনা নুমিৎ ১৪ অমুক্সু লৈজকবে। যুম্লোমদনা অনাবগী ফিভম লুবে যাববোই, ঙসি হযেং মতম খঙবা নৎত্রে হাযদুনা লোন্না শুৎ শুৎ কপ্লদুনা হেক পূথবকপদা পোৎলোইবা যানবা যৌবাং তৌদুনা লৈকবে। অদুবু ঈশ্ববগী নোংদমদগী লাইবক ফদুনা অনাবা খবা ফগৎলক্লবদা পি জি আই চান্দিগবদা চত্তুনা ঐগী হার্তসি বাইপাস ওপবেসন অমুক্সু তৌজকবে।

মদুনা মবম ওইবগা ঐ মতম যাম্না শাংনা মপান থোকপা ঙমদনা, ফমশেন্নদুনা, ফমুংদা তাদুনা লৈকবে। মীবক তিনবা ঙমদনা, মীমান্নবা মী হাযবদু ওইদুনা, কা মনুংদগী হেন্দোক্তনা যাম্না পূক্নীং নুংশিনা, কণ্নুনা মতম শাংনা লেঞ্জকবে। অদুনা মবম ওইবগা ঐগী ফোঙগে তৌজবন্নবা লাইবিক খবসি মফম মবাং খঙদনা ফোঙবা ঙমদদুনা থম্নকখিবনি। চহী কযা হৌখ্রগসু মপুং ফাদ্রবসু পক্নীংগী নিঙাই অমদি পূবা থাংবা ঙমদদুনা ঙসিদি লাইবিক ওইনা ফোঙদোকচববনি।

লাইবিক অসি মাঙজৌননা পাবীদুনা ৱামাঙ যানবগী ৱাহৈ খবদং ওইববসু ইবিবকখিবা বাজকুমাব গুণচন্দ্র, লাইবিক অসিগী ৱামাঙ যানবা ৱাবোল ইমাখোলগী ওইনা ইবিবিবী তি সবোজিনি চনু, জেনবেল সেক্রেটবি, ইমাখোল, লাইবিক অসিবু মশক তাকপিবিবা শবতচন্দ্র লোংজোম্বা অমদি ঐগী লাইবিকশিংগী মবমদা ৱাহৈ খব খবা হাযবীবকখিবশিং পূম্নমকপু তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোযননা হাযনীংঙাই লৈতনা থাগৎচবি। অদুগা ডি তি পি তৌবীবকখিবা বোমেশচন্দ্র, ফাইনেল সেত্তিং তৌবীবকখিবা লমযানবা প্রিন্তর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফালগী তি মঙ্গি লোযননা লাইবিকসিবু নম্বীবিবা, বাইন্দিং তৌবীদুনা লাইবিক ওইহনবীবিবা অসিনচিংবা পূম্নমকপুসু তৌবীমল খঙবা উৎচবি। লাইবিক অসি ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীবকখিবা পূম্নমক তৌবীমল খঙবা উৎচবি।

কবিগুম্বা ঐনা শিবম্বা থোক্লবদি ফোঙলন্নবোইদবা ঐহাক্কী শৈবেংগী লাইবিক ''যাইফ পাউজেল'' হাযনা মিংথোঞ্জবা লাইবিক অসি হন্দক ঐনা হকচাং খজিক্তং ফগৎচবকপা অসিদা ফজবা ফজদবা থিদনা ফোঙদোকচবম্নগে হাযনা লেপচবে। মসিদা অশোযবা, অবাম্বা, মথং মনাও কাযবা, বানান লানবনচিংবা কবিগুম্বদা যাওবম্বা থেংনবীববদি হেন্না ফজনবা তাকপীবকপা পূম্নমক লৌশিঞ্জনবা ঐনা থোঙ লাওনা হাংদুনা থমজবি। অশোয অবান পম্নমক মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচগে হাযবা ৱাফমসি থমজবগা লাইবিক্সিবু পাবীবিবা পূম্নমক্কী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোযননা খুৎশিন্নজবি।

অৱাং পোৎশংবম খূনৌ, কেশো সিংহ ইবেংবা
তাং ১৫।০৯।২০১৩ ইং অইবা

য়াওফম তাকপা

মাযথীবনা নহাকপু নোল্লুকহল্লি — ১

মসি পাবো অদুগা মোমোন নোকউ — ২

মরূপকী মবী — ৩

অশেংবা মরূপ — ৪

মতমচুপ্পদা নুংঙাইনা লৈযু — ৫

নুংঙাইবদি থস্মোযনুংদগী হৌই — ৬

সেকেন্দ ৩১৫৩৬০০ চুপ্পা নুংঙাইবীযু — ৭

ঙসিগীদি নুংঙাইনা তুম্মশি ইমা — ৮

অচম্বা থৌবম — ৯

মরূপকী যাইফ পাউজেল — ১০

লাই খুরুমজবগা চাক্লেন ফংবীযু — ১১

অযুক্কী যাইফ পাউজেল পীজবি — ১২

মচু থোকপা যাওশং ওইবসনু — ১৩

নহাক্কী অৱাবা হুমদোকখ্রসনু — ১৪

মসিবু লাই খুরুম্বা কৌই — ১৫

নহাকপু চেকশিন্না শেন্নবি — ১৬

মোমবর্তিনা মশাবু চাকহল্লগা মঙাল পী — ১৭

লোইনাইদবা পান্দম ফংগনি — ১৮

ইশাদা অৱাৎপা লৈহনগনু — ১৯

অচম্বা পাউজেল'মনা মোমোন্নহল্লি — ২০

লাইনা ৩ শুবা অম্পাযাব ওইবি — ২১

নীংশিংবসে খোযথুম্নবনি — ২২

মচু শঙলবা লমায ওইহল্লু — ২৩

মদুনি অফবা পুন্সি হাযবদো — ২৪

পুন্সি হাযবসি খোঙচৎ অমনি — ২৫

হোৎনৌ অদুগা ওইথোকহল্লু — ২৬

নীংশিংহৌনবগীদমক কাযনৈ — ২৭

পূন্সিবু যাম্না হঙ্গনা খনগনু — ২৮

মরূপ্পদি নুংশিবা পীবা ঙমই	— ২৯
পুন্সি ফিদম	— ৩০
পীবিবসিদি পুন্সিচুপ্পগী শোযদ্রবনি	— ৩১
নুংশিবা হায়বসিমদি নুংশিবো	— ৩২
শীংনবা ঙম্বা পুন্সি ওইযু	— ৩৩
হযেংগী ফজববা ৱাবী অমা শেম্মনবা	— ৩৪
ঐনদি নঙবু খন্দুনা পূং ২৪ লৈখোকই	— ৩৫
মসিমদি ঐনা সুকঙম ঙম্লবোই	— ৩৬
নঙবু কবম্না কাউবা ঙমগনি ?	— ৩৭
থম্মোযদগী খোবকপনি	— ৩৮
মৈগী কুম্মৈগী যাইফ পাউজেল	— ৩৯
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল-১	— ৪০
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল-২	- ৪১
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল-৩	- ৪২
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল-৪	— ৪৩
মখোযসি ননাক্তা চঙহনগনু	— ৪৪
নুংশি ৱাযথুংনবা পুন্সি ওইবীযু	— ৪৫
মঙ মঙউ থাজৌ অদুগা হোৎনৌ	— ৪৬
উন্নবা অমদি কাযনবা	- ৪৭
ঐনা নঙবু মখৌ তাই	— ৪৮
হযেংগী ফজববা ৱাবী অমা শেম্মনবা	— ৪৯
হাৎনবা মশীংফাও কোন্নদ্রে	— ৫০
অশিবনা পবেং পবেং চৎলি	— ৫১
ৱাহংনি ঈং তপ্পা, পান্দম্নি ঈং তপ্পা	— ৫২
যাইফবা পুন্সি অমা ওইবীযু	— ৫৩
ফজবা নুমিৎ অমা ওইবীযু	— ৫৪
নুংঙাইবা মঙ মঙবীযু	— ৫৫
নোংদম্বনা যৌজানবীসনু	— ৫৬
কাযত্রবা থম্মোযদো তাইশিনখিগনি	— ৫৭
মৈগী কুম্মৈনা অমম্বা কোকহল্লশি	— ৫৮
থম্মোয়নুংদা কোযচেন চেনদুনা লৈবে	— ৫৯

থম্মোযনুংদা নহাক্তি লেঙদনা লৈ — ৬০
মসি হঞ্জিল হঞ্জিল অদুম তৌই — ৬১
ঐনা নঙবু উদবদা যাম্মা ৱায — ৬২
কাউথোকপদি পুক্নিচুপ্পা চঙ্গনি — ৬৩
নীঙমদবশিংদুনা লাপ্পা চৎহনব্রো — ৬৪
অহীংদুগী অবোইবা ৱাখলদু নহাক্কীনি — ৬৫
নঙবু খন্দনা কবম্মা লৈবা ঙমগদগে — ৬৬
নুংঙাইবা মঙদু মঙফাওনবসনু — ৬৭
মঙ মঙবীযু কবি ওইবীযু — ৬৮
পুক্নিসে অমুক্তং চৎপা খোঙচৎনি — ৬৯
অযুক্নিদি মপৃ মাবু নীংজবগী মতম্নি — ৭০
ঐ নঙবু উদবদা যাম্মা ৱায — ৭১
নহাকসু মোমোন নোক্লো — ৭২
ফজবা হাযবসিদি নুংশিনা উবদুনি — ৭৩
নোংমৈ পাযবা তোক্লশি — ৭৪
নীংশীংহল্লে নঙনা সর্মিলা — ৭৫
মবৈবাক নীংবা নীংবীশিংগী ঈনি — ৭৬
ইবৈবাক্তা পোক্নিন্নশি — ৭৭
অঙাং নাৱাগী ৱাকৎ — ৭৮
অশোযবশিংগী ফল — ৭৯
পুক্নীংনা হকচাংসি মমায চুমই — ৮০
মৈ তিক্লে 'দুবু মৈদুনা চাক্লবদি শি — ৮১
ৱাহৈগী মতীক মযাই ! — ৮২
ৱাহৈগী মপাঙ্গল — ৮৩
কংলৈপাক মনিপুৰ ! — ৮৪
খুকমজবি ইমা পোক্লফম নঙবু — ৮৫
নীংতম্বগী ৱাখল্লোন পৃম্নমক্লা পামই — ৮৬
ঈগী হৌফম্নি ইবৈবাক ! — ৮৭
মবৈবাক নুংশিবগী শৈশক্লা যাকাযনৈ — ৮৮
হে লাই ! নঙ ৱাবমগনি — ৮৯
লাই নঙদি উবিবা নৎত্রা ? — ৯০

মচাদা মপাগী পাউতাক — ৯১
থবক্কী মনুংদা ঐহাকপু থিবা ফংগনি — ৯২
নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা — ৯৩
নুংশিবগী মমল — ৯৫
লাইবিক্তা যাওই — ৯৬
মালেম ইমাগীদমক্তা হিংশি — ৯৭
থাবলনা লোইনা যৌবমগনি — ৯৮
ব্রাখল নঙ চুম্না খনশি (১) — ৯৯
ব্রাখল নঙ চুম্না খনশি (২) —১০০
থিবকখিগনি অশেংবা নুংশিবা —১০১
মসিদা হিংজবনি ঐ —১০৩
ওইহল্লশি ঈং তপ্লবা মালেম —১০৪
ইবোল ইযেক কনসি —১০৬
ঈবোলনা ইমানি ঈযেক্না ইপানি —১০৭
অনৌবা চহী হৌবে —১০৮
কাযনদবা যাদবা পুন্সি খোঙচৎসিদা —১০৯
খোল্লাং লমন শিংবা শকচগে —১১০
অওনবা হাযবসিমক পুন্সিনি —১১১
মীশীং হেনগৎত্রগবু যাগদ্রা —১১২
তোখাই তানহম্বী হাত্তোক্লহম্বী উপাই —১১৩
নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক —১১৪
খুঙ্গং —১১৫
ইবৈবাক লৈবগী ঐখোযসু লৈবনি —১১৬
সাদু চিক ঈশিং চাইবী শেমগৎশি —১১৭
তপ্লা তপ্লা হৌদোক্লনা যাকাযহল্লশি —১১৮
মঙাল লাকপা ঙাইবশি —১১৯
অনৌবা চহীনা লাকপদা —১২০

ꯔꯥꯏꯐ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ

রাইফ পাউজেল

মায়থীবনা নহাকপু নোল্লুকহল্লি

নুংথিল ওইবম্বদগী নুমিদাং ওইবক্কনি,
মল্লকপদা নহাক্কী অৱাবশিং উবল্লুবোই,
কবিসু খল্লুনু পৃথিবীসি কযাদা খাঙবা কল্লিবা,
নহাকসু নুংঙাইবা মঙ মঙদুনা খাঙবা কল্লু।
কবিগুম্বদা লৈই অমা সুম চিংদুনা লৈববদি
লোইবা লৈতে চিংবা হেক লেপত্রিবফাওবা,
ঐখোযগী মরূপ ওইবগী মবীসু মদুগুম্বনি,
অদুনা লোইবা খন্না নাইদনা অসুম লৈহল্লশি।
নুংশিবা ৱাখল তৌদুনা
নুংশিবা মবম অমগীদমক,
নুংশিবা মতম অমদা,
নুংশিবা অমগী থম্মোযদগী,
নুংশিবা ৱাখলগা লোযননা,
নুংশিবা অমগী হৈনজবীদা.
নুংশিবা অযুক অমগীদমক্তা,
নুংশিবা পাউজেল পীজবি।
অযুক্কিমক্তদা মপূ মানা মোমোন নোক্লি,
নুমিৎনা সনা মচুগী মঙাল হৈথবকপদা,
ঐনসু মোমোন মিনোক অমা থাজবি,
মদুনা নঙগী থম্মোযদা যৌহনবা ঙম্নবা।
নুংঙাইবনা নহাকপু খোযথুম্নহল্লি,
চাংযেং তৌবনা নহাকপু পাঙ্গল কলহল্লি,
অৱাবনা নহাকপু মীওইবা ওইহল্লি,
মাযথীবনা নহাকপু নোল্লুকহল্লি।

যাইফ পাউজেল

মসি পারো অদুগা মোমোন নোকউ

মসিগী শৈবেংসে হকচাং চাউখৎকদনা ফেত যাওদে,
হকচাং মাঙনবা পোৎচাকসু যাওদে অদুগা নিশা চুদে,
মসি বাখলগী ওইবা পোত্তনা শেম্বনি,
খুম্নবা রাহৈ মরাং কাযনা যাওবা নত্তনা ।

অদুনা মসিনা থুম্বমুক অতৈনা থুম্বা ঙম্লোহ,
মসিগী শৈবেংসে পাবো অদুগা মোমোন নোকউ,
অদুগা মসিমসু তাউ ' মী অনীখক লাক্লুনা
ঐঙোন্দা নহাক্কী মরমদা যাম্না কপ্পা হংখ্রবনি ।

ঐনা মখোযদা নহাক্কী নৈফম তাকখ্রবনি,
যাম্না থুনা মখোয অনী ননাক্তা লাক্লগনি,
মখোযগী মমিং হবাওবা অমদি নুংশিবা কৌরবনি,
মসি খঙলবদি নহাক মোমোন নোক্কে নৎত্রা ?

নহাক বাখল খনমল্লবা উবিং থুংলক্কনি,
নহাক কপমল্লবা নমাযদু খুইবক্কনি,
নোক্লবদি খজাই চাযকংদা পবা কুংশিল্লক্কনি,
মদুদি ফজবনি অদুনা মোমোন নোকউ ।

খ্বাইদগী শুঙ্খৎনাংঙাই ওইবা মীশক্কু নহাক্নি,
খ্বাইদগী লৌশিং লৈবা মীশক্কুসু নহাক্নি,
খ্বাইদগা চা লেম্না মীশক্কুসু নহাক্নি,
অদুগা মসিগা তোকঙাসি শন্দোক্লিবা মীশক্কুনা ঐনি ।

যাইফ পাউজেল

মরুপকী মরী

ঐনা পামজবা মীদুগী ঐ মোমোন্নৈ,
ঐনা চেকশিঞ্জবদুগীদমক ঐনা কপচৈ,
ঐনা নুংশিজবদুগীদমক শকুক যাজৈ,
ঐনা নুংঙাইজবদা হবা ওনা নোকচৈ।
ঐনা লাপথোকিহঞ্জনীংদবদা পাউজেল থাজৈ,
ঐঙোন্দা নঙমক মমল যাম্না লৈতে খঞ্জো,
মালেমাসদা থিন্দা অমা ফংলবোহি খঞ্জে,
অদনা নঙদি মাঙবা যাদনা মরুপ্তুন খঞ্জে।
মরুপ শন্নদা লৈট হায়বসি ঐ খঙই,
মরুপ ওইবগী মরী শাগৎপদা নতনা চঙউ,
মরুপসু মশাগী মথৌ যাম্না চিন্নি হায়বসু খঙউ,
অদুনা কাউদে হাঙনবা পাউ থানবা চঙউ।
মরুপকী মরী মালেমগুম পাক চাউই,
মতামগবগুম মরেপ নুই,
নোংমদোনগুম মবেপ বাংই,
মমা ওইবীগুম থৌজাল হৈ।
মরুপকী নীংশংবদি মাঙবা লৈতে,
অযুক অঙনবা নোংযাম্বগী বা লৈতে,
থম্মোয়দগী খক লাপথোকপা লৈতে,
কাযনবসি হায়না খক হায়বা লৈতে।
খুদোলদি অচৌবা অপীকপা হায়বা লৈতে,
মরুপ হায়বসিদগী হেনবা অমা লৈতে,
খুজিগী অকোযবদা চৎপগী লোইবা লৈতে,
মদুনি মরুপকী মরীসু লোইবা লৈতে।

যাইফ পাউজেল

অশেংবা মরূপ

মহাক্কবু অশেংবা মরূপ ওইববদি
মতমচুপ্পদা মরূপ্পু তবাম্না ওক্কুনা লৈ,
মরূপ্না ৱাববা মতমদা নুংঙাইনবা ৱাখল পী,
মরূপ হাযবসি হেক্তা যৌবা ঙম্বা মফম্নি।
মরূপ্তি থম্মোয খ্বাইদগী শেংই,
অকনবা যোৎকুম মপাঙ্গল কল্লি.
মমল খ্বাইদগী তাঙবা অচুম্বনি মরূপ্তি
অদুগুম্বা অশেংবা মরূপ্তু নঙনি।
অযুক নুংথিল ঙালহন্নবা মপূনা নুমিৎ শেমই,
নুমিদাংদা ঙালহন্নবা মপূনা থা শেমই.
মীযাম নুংঙাইহন্নবা মপূনা ফাগি শেমই.
ঐগী মরূপ ওইনবা মপূনা নঙ শেমই।
মরূপ্তি লৈবদি অদুম লৈবা থৱান্মীচাক্কুম্বনি,
অদুবু মতম পূম্নমক্তা উবদি ফংলোই,
ঐ খ্বাইদগী লাইবক ফবা মীশক অমনি,
মবম্দি নঙগুম্বা অমগা মরূপ ওইবা ফংজবগী।
অফবা মরূপ্তি কম্প্যুতবগুম্বনি,
মহাক্না মরূপকী পুন্সিবু এন্তব তৌশিল্লি,
মহাক্কী থম্মোযদা সেব তৌশিল্লি,
কৈদৌনুংদা মেমোবিদগী মুখৎপা তৌদে।
অশোযবা অবান্না মযাম্বুদি মুখৎলি,
অচাপোৎ ওইববদি খ্বাইদগী অহাউবদুনি,
থৱান্মীচাক ওইবগনা খ্বাইদগী লংবদুনি,
মরূপ ওইবগনা খ্বাইদগী অথোইবদুনি।

যাইফ পাউজেল

মতমচুপ্পদা নুংঙাইনা লৈয়ু

নঙনা নুংশিজবা মহাক্তুগীদমক মোমোন নোকউ,
নহাক্কী মীনোক্তুনা কনাগুম্বা অমদি নুংঙাইহনগনি,
খেন্নবা লম্বীদা খেন্নবা মওঙদা লাক্কনি নুংশিবা,
ব্রা ভাঙদবা মিনোক্তুনদি লোইনমক লাকশিনবা ঙমগনি।
মোমোন নোকপা নুংশিবগী মবোলনি,
মোমোন নোকপা থম্মোয় ফানবা থৌবীনি,
মোমোন নোকপা মীশুম্নবা উপাই অমনি,
মোমোন নোকপনা মতিক মযায় হেনগৎহল্লি।
গুলাপ অথোইবা লৈনি শুক্মৎপা ঙম্বগী,
উর্কিল অথোইবা মীনি কেশ লেপ্পবগী,
শগোল অথোইবা শানি লমজেল তান্নবগী,
নঙ অথোইবা মীনি মোমোন মিনোক তম্বগী।
মোমোন নোকপগী থবক যজনা তৌ
অদুনা নঙ মোমোন নোকউ মতমচুপ্পদা,
নুংঙাইবা থেংনববসু মোমোন নোকউ,
অৱাবা মাযোক্নববসু মোমোন নোকউ।
অবাবনা নথক্তা হৈথবক্লবসু মোমোন নোকউ,
কনাগুম্বনা চৈনা পীবক্লবসু মোমোন নোকউ,
নহাক্তি পুন্সিচুপ্পা অদুম মোমোন নোক্তুনা লৈয়ু,
মবর্মদি কনাগুম্বা অমনা নহাকপু চেকশিন্না শেন্নবীবি।
নঙনা মোমোন্নবা উববা নুমিত্তুমা হেন্দোক্লা যাবে,
অবাবা খুদোংথিবা অমত্তা থেংনববোই,
অদুগা নুংঙাইবদি থম্মোয়নুংদগী হৌই,
অদুনা মতমচুপ্পদা নুংঙাইনা লৈয়ু।

যাইফ পাউজেল

নুংঙাইবদি থম্মোয়নুংদগী হৌই

ঐনা পুন্সিদা পোৎ ৩ থক খোযদাজৈ,
১ নুমিৎ, ২ থা, অমসুং ৩ মরুপ,
নুমিৎনা নুংথিলদা থানা নুমিদাংদা খোযদাজৈ
অদুগা মরুপা পুন্সি চহী অসিমগী খোযদাজৈ
৬বাগী হাযবসি পুরাবা ওইহৌরে,
৩যেং হাযবসিনা লাই থুবা অঙকপদাদা
৬সি হাযবাসনা অথোইবা খুদোলনি,
অদুনা পুন্সি অদু হৌঙ্গকুগী শেম্বা ওই হৌরে।
খুদোল লৈবাং ৩ নঙগী দমক তমজিনি
১ নহগী মরুপ ওইবগী মরী থম্বা,
২ নকমদা পান্দম থম্বা অমা তৌজবা,
৩ নুংঙাইবা বাখল তৌজবা,
৪ নুংশি মরী চেৎশিনহনবা,
৫ অখোইবা পুন্সি শাগৎচবা,
৬ ঐবু মতম পুম্নমক্তা নীংশিংবাবা,
হায়বিবা খুদোল ৬ সি নঙগী দমক তমজনি।
নহাক্রা তৌখিবা থৌজালগা থবক থাদংদা
লপা লৈশিং অমমম ফংলে হাযনা লৈরে
ফঙনগীনা লুপা চামঙা চামঙা পাথোকখো,
থল্লু নহাক ইনাক খুনগদবা নৎত্রগা লাননগদেন
পুন্সিদা নুংঙাইনা হিংবা হাযবসিনা,
মোমোন নোকপদগী হেন্না মরু ওই
মবমদি মোমোন নোকপদি চীথালথোংদান,
অদুগা নুংঙাইবদি থম্মোয়নুংদগী হৌই।

যাইফ পাউজেল

সেকেন্দ ৩১৫৩৬০০ চুপ্পা নুংঙাইবীয়ু

পুন্সিদা ফাজিনগদবা পাবা ৯ লৈ,
মথৌশিংদুদি,
চেংশিনবা তম্মু,
খোংমেনবা তম্মু,
কপ্পসু তম্মু,
পাওখাকপসু তম্মু,
ভাব পীবসু তম্মু,
শকেক মাবসু তম্মু,
খাংদোন, তম্মা,
থাংশিনসু তম্মু,
মা ভাইবসু তম্মু,
অদুগা মাতকচাদা না ওইবায়ু।
চেপালনা উতে পাবা কাউখিবা মাই,
সীংশনা ভা পাবা কাউখিবা মাই,
লোংমদোয়া লোং পীবা কাউখিবা মাই,
অদুব ঐনা পাউজেল পীবদি খব কাউরোই।
চহী পুম্মক্তা হবাও মোমোন্নবা ওইবন্দু,
মথং মথংদা চাউরেপা ইনাকখুন্না ওইবাগ্য,
নংলৌ নংথাক লমায়ম্না মীবা ওইনা ভাবীবায়,
থা ১২ চুপ্পা হবাও তযাম্নীবু,
নুমিৎ ৩৬৫ নি চুপ্পা লায় পাকপিবু,
পুং ৮৭৬০ চুপ্পা হকচাং থীবু,
মিনট ৫২৫৬০০ চুপ্পা দাউ মাইদু,
সেকেন্দ ৩১৫৩৬০০০ চুপ্পা নুংঙাইবীয়ু।

ঙসিগীদি নুংঙাইনা তুম্মশি ইমা

মসিনা ইপানি,
যাম্মা ফৈ অমদি থৌজাল হৈ,
মসিনা ইমানি,
যাম্মা মীনুংশি চাউবী থৌজাল হৈবীনি।
মসিনা ইযাম্বনি,
নোংম নোংমগী চাউখৎলক্লিবনি,
মসিনা ইচেনি,
কৈদৌনুংদা লাইথি অমা থাদবীনি।
মসিনা ইনাওনি,
চাউখৎপা হৌবক্লিবনি,
খুন্নাইগী যুম্বী ওইবগদৌবিবনি,
পূম্নমক্সিনা ঐখোযগী ইমুং মনুংগী মীশিংনি।
ইমা নঙগী নাকোং অনী,
নুংশিনা যেংবীবা মীৎ অনী,
অপীকপা নাতোন অমা,
ওঙ্থোক্লা মিনুংশি খঙখ্রে।
নঙগী অপীকপা খুৎশা তবা,
অপীকপা খোঙশা তবা,
অশাংবা নখুৎ অমা,
মদুনা ঐবু চেৎনা কোম্বীযু।
অদুগা অপীকপা চীন অমা,
মদুনা ঐবু নুংশিনা চুপ্পীযু,
ঐগী খজাই অনীদা ওন্না ওন্না,
ঙসিগীদি নুংঙাইনা তুম্মশি ইমা।

অচম্বা থৌরম

ঙসিগী কোবৌ নুমিৎসে তাখবে,
থৱাম্মিচাকশিংনা তগুপ তবেং ঙাল্লবে,
পোশ্বী চেক্লাশিংসু মকোন্দা চঙনখবে,
মীপূম খুদিংমক মযুমদা পোত্থানখবে।
হে থাজ নঙসু মুশি মুশিনা ঙাল্লু,
হে মালংবা নঙসু তপ্পা তপ্পা শিৎলু,
হে পৃথিবী নঙসু তপ্পা তপ্পা লৈয়ু,
মবমদি ঐগী মরূপ তূম্বা চঙগে।
নুংশিবসে তেনখ্রপোৎনি নুংশিবা হৈয়ু,
অশাউবসে হকচাং শোকখ্রপোৎনি মসি লাকশিল্লু,
অৱাবসিসু মতম খবতগীনি মাযোক্লবা ঙমউ,
নীংশিংবসে খোযথুম্নবনি মসি লুনা তৌ।
কনাগুম্বনা অঙাঙবা মচুগী মবী পামই,
কনাগুম্বনা হিগোক মচুগী মবী পামই,
ঐনা মরূপ ওইবগী নুংশিনবা মবীদু পামই,
অদুনা ঐনা মরূপ ওইবগী পুকচেলবু পামই।
নঙগী খোঙউপতো কাওখোকখ্রো,
মবক্তা ঙাইহাক পোত্থাবো,
নুংশিবা ঈশৈ লৈখৎলো,
জগোই শাবো নীকথবো।
মোমবর্তি থাউমৈ থানগৎলো,
অহাওবা কেক্তো কক্লো,
নুংঙাইবা নুমিৎ ওইহল্লো,
মদুনা চাউনা পাঙথোকপা অচম্বা থৌবম্নি।

যাইফ পাউজেল

মরূপকী য়াইফ পাউজেল

মরূপ অমগী ওয়মখে খঙগে তাল্লবদি
লোইবা খম্বা হাযবা লৈতে,
নুংশিবা হাযবসিগী ওয়মখে লৈতে,
চেকশিন্না নীংজবগী অবোইবা লৈতে।
চেকশিনবা হাযবসি মচল অমনি,
অশেংবা মরূপ্পু হিংদুনা লৈহন্নবা,
মতম্না খাইদোক্রদুনা লাপ্পা লৈনববসু,
নঙগীদমক চেকশিঞ্জবদি লেঙদনা লৈবি।
নুংশিবা অমদি হবাও তযাম্বনা থল্লহল্লো,
নহাক্কী ইমুং মনুংবুসু হবাও তযামহল্লো,
ছুতি, দিব্রালি অমদি চহী হৌবা খূদিংদা
হবাও তযাম্বা নুংঙাইবা চাওখৎপা ওইবসনু।
নিংথৌকাবনা লৈবাকপোকপদা চৎলি,
যুমশকৈশ উম্নে অদুগা শগোলশেনদা হংই,
ইবাইনা থাংজদা অসুম্না হায মদুদি
নোংমাইজিং নুমিৎতি মরূপ উন্নবগী নুমিৎনি।
মরূপকী মবীদি থম্মোয লৌবখক্তা নত্তে
মসিদি অশেংবা থম্মোয খনবগী থবক্নি,
অশেংবা মরূপ্তি মশীং লীকই খবতনি,
মদুগী মনুংদা নহাক অমদি মশীং চল্লে।
ঐনা নীংশিংবদা নঙগুম্বা মরূপ অমা লৈখি,
ঐনা চহী কযা রাখলনা শাগত্তুনা লাকচবি,
মদুগীদমক্তা ঙসিসু মোমোন নোকপা ওমজবি,
অফবা মরূপকী যাইফ পাউজেল পীজবি।

লাই খুরুমজরগা চাক্লেন ফংবীয়ু

খ্বাইদগী খোযথুম্নবা থৱায অমনা
নহাকপু লুনা ঙাকপি শেনবীববা
অদু ওইববদি মহাক অদো
নহাকপু ঙাকপি শেম্বীবা লাইদুনি।
খ্বাইদগী খোযথুম্নবা মীওই অমনা
নহাকপু নুংশিনা তৌবীববা
মহাক অদো নহাক্কী ইমুং মনুংনি
অর্মদি নহাক্কী অশেংবা মরূপ্নি।
মপা মমাগী নুমিৎ পাঙথোকপদা
খ্বাইদগী ফবা মপা মমাশিংদুনা
খ্বাইদগী ফবা মচা মশুশিংদুদা
যাইফ পাউজেল পীবীবক্নি।
গনেশকী অবাম্নগুম্না লাইবক ফসনু,
গনেশকী উপালগুম্না পুক্নি নুংশাংসনু,
গনেশকী উচীগুম্না অৱাবা পীকসনু,
গনেশকী লদুগুম্না পুক্নিদো খোযথুম্নসনু।
তাতাগী থাক ফাওবা যৌবা ঙম্নসনু,
বিবলাগুম মবন মথুম লৈহল্লসনু,
বাজপাযিগুম অখাঙ কন্বা ওইহল্লসনু,
বুশকুম তৌবা ঙমহন্বীবা ওইবসনু।
নঙগীদমক চাক্লেন অমা লাঙলি,
চেকশিন্না নীংজবা নুংশিবা ঈঙ তপ্পা
থাজবগী যেঙ্গাং মথেল মথেলশিং যাওবি,
লাই খুরুমজবগা চাক্লেন অসি ফংবীয়ু।

যাইফ পাউজেল

অযুক্কী য়াইফ পাউজেল পীজরি

ইংলিস মবোন্দা ''গুদ মোর্নিং !''
ফ্রেঞ্চ মবোন্দা ''বোন জোব !''
স্পেনিস মবোন্দা ''জে কালকো !''
ইতালিযান মবোন্দা ''এ তিমো !''
ঐগী অচম্বা লোন্দা ''অফবা অযুক ওইবীযু !''
থম্মোয শেংবনা যোমশিল্লবনি,
লাই নীংজবগী লীপুন্না পুন্সিল্লবনি,
নুমিৎচুপ্পা নঙবু নুঙাইহন্বীনবা নিজববনি।
মপান্দা যেংথোকউ কযাদা পেন্নীংঙাইনো,
কোবৌনা নঙগীদমক্তা মোমোন নোক্লি,
উপাল ব্রাপালনা নঙগীদমক্তা জগোই শাবি,
হকাম লাওনা চন্দুনা হৌগৎপা মতম ওইবে।
নুমিৎনা নঙগীদমক্তা মঙাল ফূদোংনবি,
উচেক ব্রাযানা নঙগীদমক্তা ঈশৈ শক্লি,
মবমদি ঐনা ঙবাং লোইনা নীজখ্রবনি,
নহাক্কী অফবা নুমিৎ অমা ওইহনবীনবা।
মোমোন নোক্কুনা অযুক্তা হৌগৎলু,
লাইদা খুকুমজদুনা থৌজাল নিজৌ,
ঈশৈ অমনা থবক হৌবগী মৈবা চুখৎলু,
নহাক্না লাকপগী নুংঙাইনবা খুকুমজৌ।
অদুগা নহাক্না হৌগৎপগা তৌগদবা থবক্তি
নহাকপু হিংহনবীনবা মপূবু খুকুমজৌ,
অদুগা অতোপ্পবু হিংহন্নবা নশাদু ঈকুজথোকউ,
হা হা হা ! অফবা অযুক্কী য়াইফ পাউজেল পীজবি।

মচু থোকপা য়াওশং ওইরসনু

পুন্সিসে মচু মচুনি,
পান্দমসু মচু মচুনি,
খুৎশেমসু মচু মচুনি,
মঙলানসু মচু মচুনি।

নহাকসু মচু মচুনি,
অফবসু মচু মচুনি,
অনৌবসু মচু মচুনি,
ৱাখলসু মচু মচুনি।

পূম্নমকক্সে মচু মচুনি,
মদুদি নহাক্কা উবিবদুনি,
মচুগী কুম্মৈ তৌবো নুংঙাইবো,
নহাক্কী মাযথোঙ মচু মচুনা লৈতেংলো।

মচু থোকপা পোৎ চাম্মসু হাযযু,
মচু থোকপা পোৎ চাম্মসু নীংউ,
মচু থোকপা পোৎ চাম্মসু শকক যাও,
মচু থোকপা যাওশং অমা ওইবসনু।

পুন্সিসে অমুক্তং চৎপা খোঙচৎনি,
ঙর্সিসিনা হযেংগী নীংশিংবা ওনখি,
অৱা নুংঙাই পূম্নমক থেংনবা ঙমউ,
মচু থোকপা যাউশঙ ওইবসনু।

যাইফ পাউজেল

নহাক্কী অৱাবা হুমদোকখ্রসনু

নমিৎ অনীদু চেৎনা উইশিল্লু,
অদুগা থম্মোযদা নীংশিংবা মযামদু থমজিল্লু,
পুন্সিগী ফজবা মযামদু খল্লু,
অদুগা নুংঙাইবা মঙলানগীদমক কৎথোকউ।
যাইফ নুংঙাইবা অহিং অমা ওইবীযু,
গুদ নাইত হাযবগা নোংমদো লোইবা নত্তে,
মদুদি তুমদ্রিঙৈদা নঙবু নীংশিংবগী ৱাতনি,
নহাকপু চেকশিন্না নীংজবি হাযবা তাকপনি।
গ্রিতিং থাবকপদা পাউজেলদু তার্বদি ফংলোই,
মোমোন মিনোক্তুদি মদুদা উবা ফংলোই,
অদুবু মদুনা নহাকপু নীংশিংজবদুদি খঙগনি,
মদু মহাক্কী থম্মোযদগী শেংনা থোবকপদুনি।
তুম্নবা মৈ মুখৎপদা মসিমতং নীংশিংবীযু,
মদুদি মঙ নুংঙাইনবা পাউজেল পীবক্নি,
ঐনা নঙোন্দা অফবা অহীংগী
যাইফ পাউজেল পীহৌদনা কবম্না তুমগনি।
মৈ যাওদনা মোমবত্তিনা ঙান্দে,
নুংথিল নত্তনা নুমিৎনা ঙান্দে,
অহিং নত্তনা থানা ঙান্দে,
নঙ যাওদনা ঐ ঙান্দে।
ঙসিগী নুংশিববা নুমিদাংগী মতমসিদা
ঐনা থাগী মফমদা খুকমজবি,
নহাকপু অহীং চুপ্পা ঙাকপী শেন্বীসনু,
মালংবনা নহাক্কী অৱাবা হুমদোকখ্রসনু।

মসিবু লাই খুরুম্বা কৌই

নহাক্কী থৱায পেন্নবা মসি তৌবীয়ু,
মসি ফমুং অমদা হেক্তা তৌবা যাই,
মসি সোফা অমদা হেক্তা তৌবা যাই,
কার মনুং অমদা হেক্তা তৌবা যাই।
নৎত্রগা মফম অমদা হেক্তা তৌবীয়ু
মসিবু মযাম্না লাই খুরুম্বা কৌই,
নগাক্কী লমহেল্লবা পৃক্কীংবু লাকশিন্নবা
নগাক্কী অনীংবদুবু লাইনা থৌজানবীসনু।
নঙনা পাম্লিবদু ফংবনা লাইবক্নি,
নঙনা পাম্লিবদু ঙাইবনা মতম্নি,
নঙনা পাম্লিবদু ফংনবা হোৎনবনা নথৌনি,
অতোপ্পগী অপাম্বগা যাশিন্নবদুনা পুন্সিনি।
নহাক্কী থোঙনাওদা কোবৌগী মঙালনা ঙানসনু,
নোং তাবা লোইখিবগা চুমথাংনা মতুং ইল্লকসনু,
মরূপকী খুৎতুনা মতমচুপ্পদা ননাক্তা লৈসনু,
নহাক্কী থম্মোযদু হবাও নুংঙাইবনা থলহনবীসনু।
ইমুং মনুংগী মীশিং অদুগী মাযথোঙদো
লোইনা উবা ঙম্বা মিত্রংগী মিংশেলনি,
হৌখ্রবা হৌজিক ওইরিবা অমদি তুংদা লাক্কদবা
ইমুংদুগী মমি পূম্নমক মদুদা উবা ঙম্মনি।
মালংপান অসে অহাঙবা মাল্লবসু হাঙবা নত্তে,
লোইনাইদনা চেকশিনবীবিবা অখন্নবা মীশিংনা থন্না লৈ,
ঐগী অহাঙবদা নঙনা লৈবীবগীদমক থাগৎচরি,
পম্নমকসে নীংশিংবা যাওদ্রবদি মপুং ফাদে।

যাইফ পাউজেল

নহাকপু চেকশিন্না শেন্নরি

মাযপাকপনা নঙবু খোযথুম্নহল্লি,
অৱাবনা নঙবু মীওইবা ওইহল্লি,
মাযথীবনা নঙবু নোল্লুকহল্লি,
নোল্লুকপনা নঙবু মঙাল ফৃদোংনহল্লি।
মপূনা থৌজানবীববা পুন্সি অমা ওইবসনু,
নোংদম্বনা খূজিল থৌবাং পাযখৎপদা
নহাক্কী থৌবাংবুদি ওন্ন তৈনহনখিবা যাই,
মদুনা নোংদম্বগী থৌবাংদুদি মপূং ফাখিগনি।
অদবু নহাক্কী খূজিল থৌবাং ওন্নথ্রবসু
নহাক্কদি মথক মখা ওঙ্গোক্কনু মপূদা থাজবা থম্মু,
চেকশিন্না শেন্নবদি ৱাহৈদা নত্তে থম্মোযদনি,
শাউবা হাযবসিনা ৱাহৈদখক্তং ওইগদবনি।
শাউবা হাযবসি থম্মোযদা খক ওইবোইদবনি,
লাঙতক্রুবনা ঙবাংগী অৱাবা হম্বুহনবা নত্তে,
তৌইগুম্বসুং মদুনা ঙসিগী পাঙ্গল ওইনবখক্তনি,
অদুনা ৱাগনু অতোপ্পবুসু নুংঙাইহল্লু।
পুন্সি হাযবসি নহাক্কা হিংলিবা মহিংদুনি,
মসি নহাক্কী থম্মোযগুম ফবদুনি,
মসি নহাক্কী মিনোক্কুম মঙাল নাইবদুনি,
মসি নহাক্কী নমঙগুম অঙকপদুনি।
ঐগী হকচাংগী ঈদি মমল তাঙদে,
অদুবু ঐগী থম্মোযদি মমল তাঙই,
মবমদি মসি নহাক্কা পীক থল্লি,
মসিনা নহাকপু চেকশিন্না শেন্নবি।

মোমবর্তিনা মশাবু চাকহল্লগা মঙাল পী

মোমবর্তিনা মশাবু মৈ চাকহল্লি,
অদুগা অতোপ্পদা মঙাল পী,
মোমবর্তিগী পান্দম লৌ,
অদুগা অতোপ্পদা মঙাল পীয়ু।
কনাগুম্বা অমনা মিৎতাঙবা অমদা
মচুগী মশক ফজনা তাকপা ঙম্লবদি
মহাক অদুনা পুম্নিগী মশক মচুদুসু
অতোপ্পদা ফজনা তাকপা ঙমগনি।
মপূং ফাবা পুম্নি অমা ওইহন্নবা
পোৎ মঙাখক মাঙহল্লোইদবনি,
নহাক্না কাউদনবা মখাদা পীবি,
নহাক্কী লমচৎ মাঙহল্লোইদবনি।
নশাগী ইকাযখুম্নবা মাঙহল্লোইদবনি,
অনীংবা পান্দম মাঙহল্লোইদবনি,
থম্মোয মাঙহল্লোইদবনি, অদুদগীদি কবি ?
হা হা হা ' নহাক্না ঐগী মিং খঙইদনা।
অফবা মবীদি অচৌবা উপালগুম্বনি,
পীরুঙেৰ্দদি চেকশিন্না শেন্নবীবা মথৌ তাই,
তৌইগুম্বসুং অমুখক্তংবু মপূং ফাখ্রবদি
ৰাববা মতমদা অচৌবা মতেঙ পীবক্নি।
পুম্নিসে জুৰাব শান্নবগুম্বনি,
অচুম্বা চেনা খনবা হাযবসে
ঐখোযগী খুত্তা লৈতে,
যাম্না হৈনা শান্নববদি মায পাক্নি।

যাইফ পাউজেল

লোইনাইদবা পান্দম ফংগনি

অনৌবা কোবৌ অমনা ঙাল্লকপসিদা,
অনৌবা পাউজেল অমা পীজবি,
নহাক্কী পুন্সিগী অৱাবা নুংঙাইতবা
পি শীন্থবা পুন্নমক কাউথোকখ্রসনু।
নহাকপু উন্নবা পামজবা কনাগুম্বা অমনা
অনৌবা পাউজেল অসি পীজবি,
থৱাম্মিচাকশিংনা নঙবু লমজিংবীবসনু,
মতম পুন্নমক্তা নুংঙাইনা লৈবীয়ু।
ঙবাং নুমিদাংদো ঐঙোন্দা লাইনা
অপাম্বা ২গী মনুংদা অমা খল্লু হায়বম্দা,
অহানবদা নঙগুম্বা মরূপ অমা লৈবা,
অনীশুবদা ফজনা নীংশিংবা ঙম্বা অসিনি।
ঐনা কবি খনখিবনো নীংশিংবা ঙমদ্রে,
মবমদি ঐনা অনীশুবগীসি খলহৌদ্রে
নহাক্তা গুলাপ ওইববদি থোং নৌবে,
নহাক্তা ঐগী মরূপ ওইববদি নবাইবক ফবে।
তুংহন্না যেংউ অদুগা মপূবু থাগৎলু,
মাঙলোমদা যেংউ অদুগা মপূবু থাজৌ,
কোযনা যেংউ অদুগা মপূবু থৌগল তৌজৌ,
থম্মোয়নুংদা যেংউ অদুগা মপূবু ফংগনি।
নহাক মীগী মচৎনা লমজিংলবদি
অবোইবদা নীংবা কায়গনি,
তৌইগুম্বসুং লাইনা লমজিংলবদি
লোইনাইদবা পান্দম ফংগনি।

ইশাদা অৱাৎপা লৈহনগনু

ইশাদা লাযেংশঙ থমউ,
লাযনা তিন্না চঙলোই,
ইশাদা ৱাযেনশঙ থমউ,
অবাম্বা খক তৌনীংলোই।
মীদুনা মশাবু নুংশিজবগুম
অতোপ্পবুসু নুংশিবৰ্বদি ক'যনবোই,
মীবু হুন্দুনা ঙাঙবসি তৌকনু,
ইশাবু হুন্দুনা ঙাঙহন্নবা ওই।
অতাবশিংনা ঙাঙবীখো হাযবদুবু
ঙাঙবা হৈবা ৱাঙাঙলোয কৌই,
অচাবশিংনা হাউই হাযবদুবু
খোংবা হৈবা বুজাবি কৌই।
ৱানোম থুম্লোম্মগা চাবা মী
নোংমদি শোযদনা চোপ্পা নংগনি।
চাউখোকপদা খ্বাইদগী ফৰ্বদি
পূকচেল চাউখোকপনি,
চাউখোকপদা খ্বাইদগী ফত্তবদি
লিখৎপা পোঙবগী চাউখোকপদুনি।
খোংগী অমম্বা মনুংদা
মমল যাম্নবা হী যাই লোত্তুনা লৈবগুম
খুন্নাইগী মীকপ থোক্লবা ৱাখলসু
অথোইবা মথৌনা লৈবা মীশক্কী
থম্মোই মনুংদা লোত্তুনা লৈ।

অচম্বা পাউজেল'মনা মোমোন্নহল্লি

অচম্বা কাযনবা অমনা কপহল্লি,
অচম্বা ফাগি অমনা নোকহল্লি,
অচম্বা খুৎশোক্লবা অমনা নুংশিনহল্লি,
অচম্বা পাউজেল অমনা মোমোন্নহল্লি।

মালেমদা অঙকপা পূংবা খবা লৈ,
থম্মোযগা মিহুন হুনবগা পূংবানি,
ঈশৈ শকপগা ঈশৈগী তাম্থাগা পূংবানি,
ঐগী পাউজেলগা নহাক্কী মোমোন্নবগা পূংবানি।

হাই ! ঐ নঙ উন্নবা লাক্লি,
কোবৌ মঙালগী লম্বীদনি,
মালংবনা লিবি হুন্নিবা লম্বীদনি,
যাইফ নুংঙাইগী পান্দমদনি।

থ্বাইদগী ফজবা মঙদু ঙসি নঙোন্দা মঙলসনু,
থ্বাইদগী খোযথুম্নবা মীশক্কু নমঙদা লাক্লসনু,
অদুবু মসিনা নহাক্কী হৈনবী অমদি ওইহনগনু,
মবমদি ঐ ননাক্তা যাম্না তোযনা লাকপা ঙম্লোই।

মক্ৎপশিংসি লাইবিক্কী চেনা অমমমগুম্বনি,
চেনা খূদিংমক্তা যাওবিবা ৱাবোল মান্নদে,
অথোইবা ৱাবোলশিংনা মমাঙদা থমই,
অদোম্না ঐগী মমাঙথাবা চেনা ওইবে।

লাইনা ৩ শুবা অম্পায়ার ওইরি

ঐনা ৫৪৩২১ বু পুন্সিদা যাম্না পামজৈ
মবমদি মখাদা পীবিবসিনি,
মশীং ৫ গী তলব অমা ফংবা,
চকা ৪ পানবা গাবী অমা লৈবা,
কা ৩ লৈবা যুমজাও অমা লৈবা,
মতীক চাবা ইচা ২ অমা পোকপা,
খোযথুম্নবা থম্মোয ১ লৈবা অসিনি।

ইমুং মনুং ফেমিলীগী ব্রাহন্দোক্তি
এফ হাযবদি ফাদব (ইপা),
এ হাযবদি এন্দ (অমসুং),
এম হাযবদি মাদব (ইমা),
আই হাযবদি আই (ঐ),
এল হাযবদি লভ (নুংশি),
বাই হাযবদি যু (নঙ, নখোয),
ইপা ইমা নখোযবু ঐনা নুংশি হাযবনি।

পুন্সিসে কৃকেট শান্নবগুম্বনি,
যাবিবমখৈ ৱিকেত মাঙহনগনু,
সেঞ্চুবি ফংনবা হোৎনৌ,
বাউন্দবি কাউথোকপা যাদে,
নঙনা মপান থোকখ্রবা ফাওবদা,
নঙগী পুক্নীং খক হন্নবা যাদে,
মবমদি লাইনা ৩ শুবা অম্পাযাব ওইবি।

যাইফ পাউজেল

নীংশিংবসে খোয়থুম্নবনি

ঙসি লৈশাবী অমনা নহাক্কী মবমদা মুন্না হংখ্রবনি,
ঐনসু মঙোন্দা নঙগী মোবাইল নম্বর পীখ্রবনি,
ঙাইবো মহাক শোযদনা ননাক্তা লাক্লগনি,
মহাক্কী মমিংদি "মোমোন নোকপা" কৌবনি।

ঐনা খল্লি মহাক হৌজিক ননাক্তা লাক্লে,
নহাক হৌজিক মোমোন নোক্লে নৎত্রা ?
অফবা নুমিৎ অমা ওইবীযু,
যাইফ পাউজেল পীজবি ।

ঐগী মোমোন মিনোক অমা,
ঐগী হবাও তযাম্বা অমা,
ঐগী পুন্সি মবেল অমা,
ঐগী ইতেং পাংবীবা অমা,
ঐগী ইকাযখুম্নবা অমা,
ঐগী নাপন্নবা লমচৎ অমা,
পুম্নমক্সিনা পুন্সিল্লগা কবিগা মান্নে ?
নঙোন্দা পীবা পাউজেল অমগা মান্নে।

পুন্সিসি তেল্লি ' মসি হিংঙউ,
নুংশিবসে পীকই, নুংশিনৌ,
খুদোংথীবসে মিকুপকীনি, মসি মাযোক্নৌ,
নীংশিংবসে খোযথুম্নবনি, মসি লুনা তৌ।

মচু শঙলবা লমায় ওইহল্লু

পুন্সিসে যাংলবা লশিং মফোলগুম্বনি,
লূমথহন্দুনা অৱাবগী ঈশিংদা লূপহনগনু,
যাংহন্দুনা নুংঙাইবগী নুংশিত্তা তাউহল্লু,
পুন্সিসে নুংঙাইবা পুন্সি অমা ওইহল্লু।

পুন্সিসে পুৱাবীগী লাইবিক অমগুম্বনি,
নুমিৎ খূদীংগী অনৌবা চেনা অমমম হাপচিল্লিবনি,
থিজিনবগী থৌনাফবা খোঙচৎ অমমম চৎলিবনি,
অনৌবা লৌশিং কয়া অমা তানশিল্লিবনি।

মালেমগী ওইবা লাইগী বেঙ্ক অসিদা
লাইনসু নঙগীদমক্তা একাউন্ত হাংলবনি,
মসিদা লাইনা নঙগীদমক্তা হাপচিন্নীববনি,
নহাক্না পুন্সি চন্না শীজিন্নবা কোন্নবা।

মখল খূদিংমক্কী থৌজাল মযাম অমা,
শীজিন্ননীংবা শীজিন্নবদা অথিংবা লৈতে,
মদু লৌথোক্লগা শীজিন্নবগী নুংঙাইবদু লৌবীয়ু,
মদুগী ইন্দেক্স নম্ববদি লাই নীংবনি।

লাইনা যাম্না শিংনা খুজিল থৌবাং তৌবী,
মহাক্না নুমিৎ খূদিংগী যাকাযবীদুনা হৌগৎহল্লি,
অফবা তৌথিবশিংদু ইশিন্দুনা থম্মূ,
নুমিৎ খূদীংগী মচু শঙলবা লমায ওইহল্লু।

যাইফ পাউজেল

মদুনি অফবা পুন্সি হায়বদো

নহাক নশামক্কা নুংশিনজৌ,
নহাক মশক খঙনা নুংশিনজৌ,
মঙলানগা লোযননা নুংশিনজৌ,
থম্মোয শেংনা লোযনমিন্নজৌ।

মীশিংনা নহাকপু হুন্দুনা ঙাঙলক্লবসু,
মখোযগা ওনশিন্নদুনা খক ঙাঙনকুগনু,
মবর্মদি শান্নবদা অযেংবশিংনতা লাঙবনি,
শান্নবোয অমত্তনা মদুম্মা খক লাঙলোই।

নঙনা খ্বাইদগী ফৈ খম্বদু অদুম তৌ,
লাল্লে খঙলবদি অনীরক তৌকনু,
নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা হোংনবা হোৎনৌ,
মখল মখেল হাযবসি পুন্সিগী মখেলনি।

হৈনৌ পাম্বীদা কোমলা হেক্রবা কাকনু,
অনীংবা নৎত্রগা হৈ পাম্বীদু হোংদোকউ,
পুন্সিদা মাযথিবোই হাযববদি
মবম চুম্না থবক তৌগদবনি।

নাপল হাযবদো খাইনথোকখো,
নহাক্না তৌবীখিবা অফবশিং কাউখোকখ্রো,
অতোপ্পনা তৌবকপা ফত্তবশিং নীংশিংলুবনু,
মদুনি অফবা পুন্সি হাযবদো।

পুন্সি হায়বসি খোঙচৎ অমনি

ঐখোয় অঙাংগুম মঙ মঙবা ঙাক্তনি.
নুংশিবা হায়বা পোৎশক্তুবু লৈববদি
পোৎ পূন্নমক ফজবগী ফজবা ঙাক্তনি,
পুন্সিসে অবেন্নদা হৌহনখিবদা ফজবসু লৈ।
ৱাবী শাবগী অশেংবা হৈ শিংবদুদি
অচুম্বা মতমদা অচুম্বা ৱা হায়বা ঙাক্তা নত্তে,
অদুগা অবানবা ময়াম অমসু হায়দনা
মিকুপ্পুদা যাম্না হৈনা শিংনা ৱাবী শাবা মথৌ তাই।
অদুমকপু তশেংনা হেক হায়বা তাববদি
নুর্শিনবদা শাউনদনা হায়নবা অমা চঙই,
মীওইবনা অফবা হায়বদু লৌনবা হোংনৈ,
নুংঙাইববা মতমদা ফত্তবা মিনোক নোকই।
ওইবিবা ফিভম খুদিংমক অদু
তুমিন লৈবনা শন্দোক্লা খঙহনবা ঙম্লোই,
কবিগুম্বদা ৱাহৈনা ফজনা ফোঙদোক্লুনা
ওইবিবা ফিভমদু খঙহনবা মথৌ তাই।
ঐখোয়না যৌনা ফনবিঙৈ পাঙ্গল লৈ,
ঐখোয়না হবাউনবিঙৈ পূনশিন্নবা লৈ,
ঐখোয়না শরুক যামিন্নবিঙৈ নুর্শিনবা লৈ,
ঐখোয়না চেকশিন্নবিঙৈ অফবা মবী লৈ।
ফংলিবদু নুংশিযু অদুগা অবৈবদু নীংশিংউ,
খুদোংথিবসে মেপকা লোয়ননা লাকপা নত্তে,
পম্লুং যৌগে হায়ববদি লনাইগী লম্বী থিবা তাই
পুন্সি হায়বসি অচৌবা খোঙচৎ অমনি।

যাইফ পাউজেল

হোৎনৌ অদুগা ওইথোকহল্লু

লাইবক্লা অফবা থবক খবা তৌনবা শীল্লক্লবা,
অদুদগীদি খুদোংথীবা অমদি হৌবক্লগনি,
যাম্না ঙকপা থবক খবা তৌনবা হোৎনবক্লবা
অদুদগীদি ওইথোক্লোইদবা অমদি হৌবক্লনি।
নঙনা অনৌবা থবক খবা হৌদোবক্লবা
অহানবদা মীযাম্না নঙোন্দা নোকশিল্লক্কনি,
অদুদগী মখোযগা নঙগা শীংনগনি,
অদুদগী মখোযনা নঙ মায পাকপবা য়েংগনি।
অদুদগীদি মখোযনা নঙগুম তৌজবম্নবদি খল্লক্কনি,
অদুনা নঙগী মঙলানদু মঙফাওনহল্লু,
ফবিবমখৈ অওনবা হাযবদো ওইবক্লোই,
হেন্না ফগৎহনগে হাযবা মতমদতা ওইবকই।
অচুম্বা ঙাঙবনা চীনবানগীনি,
মিনুংশি পোকহনবনা মীৎকিনি,
মতেঙ পাংবগী থবক্লা খূৎকিনি,
লম চৎপগী থবক্লা খোঙগীনি।
মোমোন নোকপনা মাযথোঙগীনি,
নুংশিবগী থবক তৌবনা থম্মোযগীনি,
নঙনা পম্মকসে ফজনা উবে,
অদুনা পুন্সিসে খ্বাইদগী ফজহল্লো।
মথং তাবনা হায, ''মসি ওইথোক্কনি অদুবু অকবনি।''
মকোক তাবনা হায, ''মসি অকবনি অদুবু ওইথোকই।''
অদুনা মসি ওইথোক্লোই হাযবা ৱাহৈসি খক হাযগনু,
চৎলু কন্না হোৎনৌ অদুগা ওইথোকহল্লু।

নীংশিংহৌনবগীদমক কায়নৈ

মীশিংসে মশাগী নুংঙাইবদুতনা হেন্না মঙ্ক ওইনৈ,
মদুনা অতোপ্পদা নুংঙাইহন্দ্রিবদুদি মখোযনা খঙদে।
নহাক্না লান্দে চুমই হাযবদুতা ইচম চম্না উৎলু,
অদুগা মখোয লাল্লি হাযবদুদি উৎনবা খক হোৎনকনু।
হোয নৎত্রগা যাদে হাযবা ৱাহৈশিংসি
ৱাখল যাম্না খন্থহনবা ৱাহৈ ঙাক্তনি,
পুন্সিদা থেংনবিবা খুদোংথীবা পুন্নমক
মসিদগী ওইবকপা মৰম ঙাক্তনি।
মদুদি হাথু হাথুনা হোয হাযদোক্লুবা
নৎত্রগা যাম্না কোন্না যাদে খুন্নবা,
অদুনা হোয নৎত্রগা যাদে হাযদ্রিঙৈগা
তিন যোংথবগা যাম্না মুন্না খন্থহৌগদবনি।
পুন্সিবু কন্ননবা পুন্সিদা তৌগদবা মৰম ৩ লৈ,
মদুদি নঙনা হবাওবিঙৈদা খক ৱাশক্কনু,
নঙনা ৱাবীঙৈদা মীঙোন্দা ৱাবী খক শাগনু,
নঙনা শাওনীংলিঙৈদা ৱাবেপ খক লৌগনু।
অশোযবা অবানবনা চৈনা ফাওহল্লি,
অদুবু অশোযবশিংদু খঙজিল্লবা মতুংদদি
যাম্না খঙ হৈববা মীশক অমা ওইবকই,
মদুনা ঐখোযবু মায পাকপদা লমজিংই,
অদুনা শোযখিবা লানখিবদা পাখৎকনু।
উন্নবা কাযনবা হাযবসি পুন্সিগী মনাৎনি,
অদুগা কাযনবগা উন্নবা হাযবসিনা নীংজবনি,
ঐখোযনা নীংশিংবা পোকহন্নবা উন্নৈ,
অদুগা নীংশিংহৌনবগীদমক কাযনৈ।

যাইফ পাউজেল

পূন্সিবু য়াম্না হন্থনা খনগনু

মপা চানকদুনা মীনা মীগা উন্নকই,
মখোযনা নুংঙাইনা মতম লেনমিন্নে,
অদুদগী ঈশ্বরনা মখোযবু কাযনহল্লি,
মসিদা পুন্সিগী ৱাবীসে লোইবা নৎত্রি।
তৌই গুম্বসুং খন্থদুনা যেংবদা উগনি
মখোয মশেন কযাদা নীংনবিবা,
মায পাকখিবগী ৱাবী ঙাকতসু পাগনু,
মাযথীবা খুদোংথীবা নংখিবগী ৱাবীনা মপুংদা পাউ।
মবমদি হোৎনকবগা মাযথীখিবগী ৱাবীনা
পুন্সিদা কবম্না মায পাক্কনি হাযবা তাকই,
মায পাকপগী ৱাবীদগীদি পাউজেলখক্তং ফংই,
মায পাক্লগা হেক্তা হোৎনবা লেপকদবা নত্তে।
মতমচুপ্পদা মায পাক্কুনা অদুম লৈগদবসু নত্তে,
মাযথীবদুসু মতমচুপ্পগী অদুম লৈগদবা নত্তে,
অদুনা মায পাক্লগসু হোৎনবা অদুম লেপকনু,
মায পাক্কগসু হোৎনবা অদুম লেপকনু।
লাইনা নঙবু চীংদোন্দা লমজিংলবসু মাবু থাজৌ,
নঙনা চীংদোন্দুদগী ওস্থবগনা মানা ওকপীগনি,
নৎত্রগনা মানা নঙবু পাইবা তঙ্গীগনি,
মদুগীসু মথক্তা নহাক্কীদমক্তা ঐ লৈবিবসিদি।
নহাক্কী পুন্সিনা কবিগুম্বদা লৈখা তাবা হৌবক্লবদি
নহাক্না থাজজবগী ৱাংমদা নথৌনা লৈ নীংশিংউ,
নহাক্না খঞ্জবগী ৱাংমদা নপাঙ্গল কল্লি খল্লু,
পূন্সিবু যাম্না হন্থনা খনগনু।

মরূপপ্নদি নুংশিবা পীবা ঙমই

কবিগুম্বদা ঐগী মৰূপপ্না অবানবা তৌববসু
ঐনা ঐগী মৰূপপ্নদি খক শাউনীংদে,
মবমদি মালেমদা লৈবিবা পুন্নমক
ঐগুম্না মপূং ফাদে খল্লগা খাঙবা ঙমই।
ঐনা পোৎ পুন্নমকপু লৈবা ঙমই,
অদবু নুংশিববুদি লৈবা ঙমদে,
ঐনা মোমোন নোকশিন্নবদি ঙমই,
অদুবু তশেংনা নুংঙাইবনি ঙমদে।
অতোপ্পদদি ওইদবা হার্যজিনবা ঙমই,
অদুবু নঙোন্দদি হাযজিনবা ঙমদে,
ঐগী ইচাল ইনাও মযাম লৈবদি যাই,
অদুবু নঙগুম খোযথুম্নবদি ঙমদে।
মৰূপ ওইবগী নুংশিনবা মবীবু
মশা ফনা থমগে হাযববদি
মখাগী লাযেংশিংসি চথগদবনি,
থাজবগী ইঞ্জেক্সন অমা কাপশিনবা,
চেকশীনবগী গুলী অমা পীজবা,
পুক্লীং চঙবগী মহী অমা পীথকপা,
ব্রাখল মান্নবগী ড্রিপ অমা যানশিনবা,
মদুতদা মৰূপ ওইবগী মবী ফনা থম্বা ঙমগনি।
ডাক্তব অমনা অনাবা অমা কনবা ঙমই,
উকিল অমনা মী অমগী পুন্সি ঙাকপা ঙমই,
লান্মী অমনা লৈবাক্কী নীংতম্বা পুবকপা ঙমই,
অদুগা মৰূপপ্নদি ঐঙোন্দা নুংশিবা পীবা ঙমই।

যাইফ পাউজেল

পুন্সি ফিদম

ঐখোযগী খুদোংচাদবদুতা খন্দুনা অসুম লৈববদি
অৱাবদু শকুক অনী হেনগৎলক্কনি,
ঐখোযনা অৱাবদুদা থওইদনা নোকশিল্লবদি
অৱাবদু কোঙ্গোল তাকপগুম তাকখিগনি।
মাযপাকপা হাযবসে নহাক্কী নম্মিগুম্বনি,
নঙনা ফংগে তানবদো হেক্তা ফংগদবা নত্তে,
মদু খল্লুবনু নঙনা তৌগদবদু অদুম্মক ফজনা তৌ,
মাযপাকপা হাযবদুদি অদুম্মক ইন্নজবক্লগদবনি।
পুন্সিসে নুংঙাইনা লৈগে হাযববদি
লোযনবিবা মীগা মবী ফবা তাই,
তুংগী পুন্সি মঙাল নাইহনগে হাযবর্বদি
হৌখ্রবা পুন্সিনা ফিদম ওইবা তাই।
হৌখ্রবা খুদোংথীবা মযাম অদুনা
তুংগী পবা ওইবগা শেমগৎপা তাই,
কনাগুম্বনা নহাক্কী অশোযবা পুখোবক্লবদি
খঙজিল্লু মীশক্তুনা নঙোন্দা পূক্লীং চঙলে।
হৌখ্রবগী কপকনু, মোমোন নোকউ,
মিংচত্তগী লমচৎনা হেন্না মক্ত ওই,
মবমদি মীদুগী লমচৎ হাযবসে মীদুর্মক্লি,
মী অদুমক্কী অফ ফত্ত মিংচৎ অদুমক্লি।
নিপামচানা বোল শান্নবা পামই,
নুপীমচানা লাইধিবী শান্নবা পামই,
পাখং ফাবক্লগদি লৈশাবীগা শান্ননীংলকই,
অদুগা লৈশাবীনসু পাখংগা শান্নবা পান্নকই।

যাইফ পাউজেল

পীরিবসিদি পুন্সিচূপ্পগী শোয়দ্রবনি

ঐগী নঙোন্দা কবিসু খূদোল তম্লিংঙাই লৈজদে,
নুংশিবা হাযবসিতনি ঐনা পীবা ঙল্লিবা,
মসি ঐনা মীঙোন্দগী পূকবসু নত্তে,
অদুগা অতোপ্পদা শান্দোকপসু লৈতে।
ঐনা পীবিবসিদি পুন্সিচূপ্পগী শোযদ্রবনি,
খ্বাইদগী নুংঙাইবা পুন্সিদি ৱাত্তবা নত্তে,
থবক খূদিংমক লাযনা মযোক্লবা ঙম্বদুনি,
শাউবিঙৈ মিকুপ্তুদা পুন্সিগী মবী থদৎকনু।
মীদুনা শিববা ফাওবদা নঙ খাঙবা ঙমগনি,
মতুংগী অহাঙবদুদি নঙ খাঙবা ৱাগনি,
মালেমদা লৈবিবা মযামসিদা মিনুংশি উৎপীযু,
লাইবৈবাক্তা লৈবা মহাক্লসু মিনুংশি উৎলক্কনি।
নুংঙাইবনা নঙবু মতমচুপ্পগী ওইনা কোযশিন্বীবা,
নুংশবনা নঙবু মতমচুপ্পগী ওইনা হবাওহন্বীবা,
লাইনা নঙবু মতমচুপ্পগী ওইনা থৌজানবীবা,
মসিনি ঐনা মতমচুপ্পগী ওইনা খঞ্জবিবা।
পুন্সিসে তেল্লি চেকশিন্না শেন্নহৌগদবনি,
নৎত্রবদি মসি অবেন্বদা মাঙহনখিবা যাই,
থৌনা হাযবসি অকিবা লৈতবদু নত্তে,
কিববসু ঙমগে তাল্লিবা অচেৎপা ৱাখলদুনি।
খূদোংথিবা মতমশিংনা ঐখোযদা কোযবকই,
মবমদি অকন্বদুনা ঐখোযবু চাংযেং তৌনীংবনি,
মসি খঙনা নহাক্লা পেন্দবা খক তৌবোইদবনি,
নশানা নশাবু থাজবা হাযবসি থমগদবনি।

যাইফ পাউজেল

নুংশিবা হায়বসিমদি নুংশিরো

স্কুলদি হাযবসি কবিনো খঙজিল্লু,
এসনা সিত্তিং হাযবদি ফম্বা,
তিনা তোকিং হাযবদি ৱাবী শাবা,
ইউনা অনলিমিতেদ ড্রিমিং (লোইনাইদনা মঙ মঙবা)
ৱাইনা যাৱনিং (হকাম লাওনা চনবা) হাযবনি,
পূনসিল্লগা ফম্বা ৱাবী শাবা লোইনাইদনা মঙ মঙবা,
অদুদগী হকাম লাওনা চনববু স্কুলদি কৌবা যাই,
অদুনা স্কুলদি তৌশিল্লু, অবেম্বদা মতম মাঙহনগনু।
অশেংবা নুংশিবদি খঙহন্দনা তুমিন্না লাকই,
মানা লাকপদা চে থেৎলগা লাকপসু নত্তে,
অদুবু ননাকোঙদুদা ঙংবগী মখোল তাববদি,
নাকোংগী ডাক্তর অমদা চৎলগা যেংথোকউ।
খ্বাইদগী পুকচেল পীকপা ৱাহৈ
"ঐ" হাযবসে লৌথোকখো,
অদুগা মযাম্মা যাম্মা পাম্মবা ৱাহৈ
"ঐখোয" হাযবসি শীজিন্নবো।
অদুগা মহূ চেল্লবা ৱাহৈ,
"নাপল" হাযবসিমদি তাম্থোকখ্রো,
অদুগা খ্বাইনা যাম্মা শীজিন্নবা ৱাহৈ,
"নুংশিবা" হাযবসিমদি নুংশিবো।
ঐখোয তাইবং মীওইবা হাযবসিগী পান্দমদি
ঐখোযগী হোৎনজমন মহৈদু ফংবখক নত্তে,
ঐখোযনা তৌজরুবা থবক্তু পেনবীবদুনা
অতোপ্পনা ঐখোযগীদমক্তা লাই খুকম্বীবদুনি।

শীংনবা ঙম্বা পুন্সি ওইযু

নঙগী পুন্সিদা থেংনবিবা খুদোংথিবদো
নঙবু মাঙহল্লগে লাকপা নত্তে,
নঙোঃদা লোৎশিন্দুনা লৈবিবা পাঙ্গলদো
খঙদোক্লবা মতেং পাংবা লাকপনি।
নুমিৎ খুদিংগী থোক্লীংবা থৌদোক থোকসনু,
কবিমত্তা চিংনকনু মোমোন নোক্লবা হোৎনৌ,
পুন্সিসে থেংনগদবা অকৎবা থবক নত্তে,
মসিদি নুংঙাইনবা পীবকপা খুদোলনি।
ঈশ্বরদা অরাবা কোকহনবীযু হাযনা নিগনু,
অরাবদো মযোক্লবা ঙম্বা পাঙ্গন নিজৌ,
নপাঙ্গন্না ঙম্বা থবক্তু ঙমহনবীযু নিগনু,
নপাঙ্গন্না ঙমদবা থবক্তু ঙমহনবীযু নিজৌ।
নঙনা মীঙোন্দগী মতেং লৌনবা নিগনু,
নঙনা মীগী মতেং পাংবা ঙমবা নিজৌ,
মালেমদা ফাওখ্রিবা মীপুম খুদিংমক
মতম্মদা তোল্লবা অঙাং ওইবম্বা ঙাক্তনি।
উবিবা অচৌবা ফৃবা দলান মযাম অসিসু,
অযেকপা ব্লু প্রিন্ট ওইনা লৈর্বাল্লবা ঙাক্তনি,
নঙসু মফম অসিদা ঙসিবুদি লৈবি,
হযেংদি কদাইদা থুংল্লগদৌবিবনো খঙদে।
খুদোংথিবশিং অদুদা নঙনদুম খঙহল্ল,
মদুদি নঙনা হেন্না মখোযদগী খুদোং থি,
পুন্সিদা মাযপাকপা ঙম্বা মী ওইবীযু,
শীংনবা ঙম্বা পুন্সি হাযবদু ওইযু।

মাইফ পাউজেল

হয়েংগী ফজরবা ব্রারী অমা শেম্নবা

অশেংবা মরূপ হাযবসিদি কনাগুম্বা অমনি,
চুম্না মহাক্কী মখুত্তুদং হেক শোক্রবদা
থম্মোয যৌনা হেক্তা শোকপা ঙমই,
থম্মোযনা থম্মোযদা চেৎনা কোঞ্জবা ঙমই।
মরূপশিংসে থব্রানমিচাক্কুম্বনি,
ঐহাক্না মখোযবু উবা ফংদবদি যাই,
অদুবু মখোয লৈবদি অদুম লৈ,
মমদুনা লশ্বী উবক্রবদা মখোয খোবক্কনি।
থম্মোযসে হীবাগুম্বনি নুংশিবা থম্মু,
নুংশিবসে মনমগুম্বনি মসি শম্দোকশি,
পূক্কীংগী ঈহূলসে ঈচাওগুম্বনি পাখোকহন্সি,
মরূপ ওইববদি ছাতিন অমদা তুপমিন্নসি।
অথুম্বা পূং ২৪ না অথুম্বা নোংমা শাই,
অথুম্বা নুমিৎ ৩০ নিনা অথুম্বা থা অমা শাই,
তৌইগুম্বসুং অথুম্বা মরূপ অমনদি
পুন্সিচুপ্পা অসিমা অদুম থুমদুনা লৈহল্লি।
মরূপ্তু অনৌবা ওইবগনা হেন্না খোযথুম্নে,
মরূপ্তু অশেংবা ওইবগনা হেন্না খোযথুম্নে,
তৌইগুম্বসুং মসিমদি কবিনো খঙলববা ?
নহাক ওইববদি অমুক্কা হেন্না খোযথুম্নে।
পুন্সি হাযবসি চিংখৎ চিংথ যাবা পোৎ নত্তে,
মসিদি মথন্তগী ওইবা খোঙচৎতা চৎচবনি,
অদুনা ঙসি হেন্না খুদোংচাবা লৌনীংগনু,
হযেংগী ফজববা ব্রাবী অমা শেম্নবা।

ঐনদি নঙবু খন্দুনা পূং ২৪ লৈথোকই

নঙগী নমিং পনবদা ঐগী পি লোৎশিনবা ঙমদে,
ঐগী থম্মোযনুংদা চৈনাদুদি লেঙদনা অদুম লৈ,
ঐনা নোকপা উবদা নঙবু নীংদ্রবোই খল্লমগনি,
নঙ উদ্রগা ৱাবদুদি ঐঙোন্দগী হেনবা লৈবল্লোই।
মোমোন নোকপদা নোংথাঙ কুপ্পগুম ঙাল্লি,
মদুনা মীগী মকোক শাবা ঈংহনবা ঙমই,
থম্মোযবুনা ফোঙ ফোঙ শাহনবা ঙমই,
অদুনা নুমিৎ খুদিংগী মোমোন নোকউ।
পৃথিবীগী খোঙৎসু লেপখিবা যাই,
উচেকশিংনা পাইবা তোকখিবসু যাই,
থম্মোযগী মিহুল চোংবা লেপখিবসু যাই,
অদুবু নত্তাক্তি নথৌ তৌবা লেপ্পা যাদে।
ঐনা নঙগী নুংশিববা কোলোয মিংলেনসে
শোম্বাংননা হাযখিবগুম্বা অমা তাখি,
ঐনা মায লৈথোবক্লগা কোযেং যেংই,
অদুবু লৈবিবসিদি ঐ ইতোম্মতনি।
অদুদগীদি ঐনা তশেংনা খঙলক্লে মদুদি
ঐগী থম্মোযনা ঐঙোন্দা হাযবকপনি,
ইবান্নী পূনমিন্নবমদ্রবদি মতম পূম্নগী ওইনা
নঙ উদবগী অৱাবসে ঐঙোন্দা লৈবল্লোই।
মপূনা ঐখোযদা নোংমগী পূং ২৪ পী,
থবক শুনবা পূং ৮, তুম্নবা পূং ৮,
ইমুং নমুংগা লৈমিন্ননবা পূং ৮,
অদুগা ঐনদি নঙবু খন্দুনা পূং ২৪ লৈথোকই।

যাইফ পাউজেল

মসিমদি ঐনা সুকঙম ঙম্নরোই

নহাক্না ঐগী চীম্বালদা
মোমোন মিনোক ওইনা লাকই,
মদুনা ঐগী চীম্বালদা লেঙদনা লৈখি,
ইবান্নী পূনমিন্নখিবা অঙকপা মতমদুনা।
ঐঙোন্দা পবা অর্মদি তম্বীখি,
কবম্না নহাক যাউদনা ঐনা
ইথন্তা লৈবা ঙমগদগে হাযবদু,
ঐনা নঙবু উবা ফংদবা কুইবে।
হন্দক্কী থাসিদি ক্কেক অমদি মোমবর্তিগী থানি,
অঈংবা ঈশৈ নোংমাইনা নুংঙাইহল্লো
ফজনা লৈতেংদুনা যৌবম পাঙথোক্লো,
হবাও তযাম নুংশিননা নোকমিন্নবশি।
নঙনা ঐবু চেকশিন্না শেন্নবীবদা
ঐনসু নঙবু শেন্নজৈ,
নঙনা ঐগীদমক ব্রাবীবদা
ঐনসু নঙগীদমক ব্রাজৈ।
নঙনা ঐবু পাম্বীবদা
ঐনসু নঙবু পামজৈ,
নঙনা ঐবু নুংশিনা কোনবীবদা
ঐনসু নঙবু কোনজৈ।
নঙনা ঐবু কাউথোকপা
মদুগীদি চানবা ব্রাহে লৈববোই,
মবর্মদি ঐনা নঙবু কাউথোকপা
মসিমদি ঐনা সুকঙম ঙম্নবোই।

যাইফ পাউজেল

নঙবু করম্না কাউবা ঙমগনি ?

মীওইবা হিংই, মীওইবা শি,
মীওইবা নোকই, মীওইবা কপ্পী,
মীওই খবনা পীথোক্কনি,
মীওই খবনা লৌশিনগনি।

মীওই খবনা হোৎনগনি,
মীওই খবনা হোৎনবোই,
মীওই খবনা হায়গনি "হাই !"
মীওই খবনা হায়গনি "বাই !"

ঐগী থম্মোয়না মিহুল হুন্বা খুদিং
ঐগী মিৎসিনা কুপ্পা খুদিং,
নঙ অমা ইৱাৎ ৱাৎলি,
ঐনা নঙবু উদবা কুইবে।

ঐনা তুং হন্না লৈদুনা য়েংই,
ঐনা নহাকপু উই হায়না খল্লি,
ঐনা লাঙতক্লনা না থাঙ্গৎতুনা তায়,
মবমদি ঐনা তাবিবদু নহাক্কি খল্লি।

অদুবু নহাক লৈবদি নত্তে,
ঐনা খঙলকপদা পুম্নমক ৱাখল ওইবমই,
মীওই খবনা নঙবু কাউথোকখিগনি,
অদুবু ঐনদি নঙবু কবম্না কাউবা ঙমগনি ?

যাইফ পাউজেল

থম্মোয়দগী থোরকপনি

অযুক পূম্নমক ফজনা মচু শঙলগা যেক্লবা লাইগুম্লে,
নহাক্না চৎথোক্লীংনবা পূক্লীং যৌগৎপা মথৌ তাই,
কনাগুম্বা মীশক অমদগী পাউজেল অমা মথৌ তাই,
মদু ঐনা নঙোন্দা পীজবিবা পাউজেলসিনি।
মপূনা নঙোন্দা চৎননবা খোঙ অনী পীবীবে,
থবক শুননবা কান্নববা খুৎ অনী পীবীবে,
তাননবা নাকোং অনী, উননবা মী অনী পীবীবে,
অদুগা কবিগীনো থম্মোযদি অমখক্তা পীবল্লিবা ?
ঐনা মপূদা তুমিন্না হংজকৃবদা খঙবা ঙম্লে,
মদুদি থম্মোয অমদুদি কনাগুম্বা অমদা পীথোকখ্রে,
মদুগী মবমদি নঙবু নশামক্লুম নীংবীনবনি,
মদুগী থম্মোযদুনি ঐঙোন্দা পাল্লিবসে।
ঐনা নঙবু হাযনীংঙাই লৈতনা থাগৎচবি
মবমদি ঐহাক্না হাযবদা নহাক্না তাবী,
নহাক্না ঐবু কনানো হাযদুনা যেংবী,
পুন্সিদা নঙবু নুমিৎ খুদিং থাগৎতুনা লৈগনি।
মসিদি হাযগদবা নত্তে, থবক্লা উৎকদবনি,
মসিদি পীগদবা নত্তে থাখিগদবনি,
মবম্দি নঙসে লাইনা পীবীবকপা
খ্বাইদগী অথোইবা খুদোলদুনি।
থম্মোযবু ফোঙ ফোঙ শাহনবা ঙম্বা
নুংশিববা 'হল্লো !' হাযবা ৱাহৈদো
চীম্বালদগীখক থোবকপা নত্তে,
ফোঙ ফোঙ শাবা থম্মোযদগী থোবকপনি।

মৈগী কুম্মৈগী য়াইফ পাউজেল

মৈগী কুম্মৈনা নুংঙাইবা পূম্নমক পুবীবক্লসনু,
তবাম্লা ওকপনা যৌবমদুগী শকক অমা ওইবসনু,
নহাক্কী পুন্সিদো নুংঙাই যাইফবনা থল্লসনু,
অমদি মঙাল নাইবা লমচৎনা মপূং ফাবসনু।
চহীচুপ্পা ইনাক কৈবাক খুনবা পীনবীবসনু,
নুংঙাই যাইফনা পানবা হায়বদু ওইবসনু,
মৈগী কুম্মৈনা ৱাখলগী অমম্বা কোকহল্লসনু,
মৈগী কুম্মৈগী মৈঙালসিনা লাইবক ফবা পুবক্লসনু।
নুংঙাই যাইফনা মবাং কায়না হিংবা ওইবসনু,
মবমদি মৈগী কুম্মৈগী অখন্নবা চেবাউ থুংলবে,
থ্বাইদগী যাইফবা ওইনবা পাউজেলগা লোযননা
নুংঙাইববা মৈগী কুম্মৈগী যাইফ পাউজেল পীজবি।
চাক্লিবা মোমবর্তিশিংনা মল্লি মল্লি ঙাল্লি,
নুংঙাইববা ঈশৈশিংনা খোম্বাং যৈনা শক্লি,
মসিনা নহাক্কী পুন্সি নুংঙাইবনা থলহল্লসনু,
অদুগা অপেনবনা নহাক্কী পুন্সি মেনশিল্লসনু।
নুংঙাইবনা থম্মোযবু শৌদোকহনবা ঙন্নসনু,
নুংশিবনা পীবা নুংশি খুদোলনি খন্না লৌবীয়ু,
থৱাম্মিচাকশিংনা মঙাল ফুদোংনবিবা অহীংসিদা
নহাক্রা মঙজবিবা মঙলানশিংদু মঙফাওনবসনু।
কবিগুম্বা খবনা মশক থোক্রা তবাম্লা ওক্লগনি,
পোৎ খুদিংমক অখন্ননা মঙাল ফুদোংনবগনি,
থম্মোযসে হবাও নুংঙাইবনা পীক থলহল্লগনি,
নুংঙাই যাইফববা মৈগী কুম্মৈ অমা ওইবসনু।

নপোক নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল–১

ঐনা খঙবদা ঙসিসে নহাক্কী নপোক নুমিৎনি,
নহাক্না ঐবু অচৌবা হোতেলদা পীজ পীথক তৌগনি,
ইবান্নী শক্কা শক্কা উন্নবগা মফমদুদা রাবী শানগনি,
মবমদি পাউজেলখক্কদি পূন্নমক ফোঙদোকপা ঙম্লবোই।
নহাক্কী নুমিৎ খূদিংমক নীংশিংবনা মেনশিল্লসনু,
ফজবা মনম নুংশিবা লৈশিংনা নথক্তা চাইথবল্লসনু,
নুংঙাইববা পূংজাশিংনা নঙগী পুন্সি থলহল্লসনু,
নঙগী নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল পীজবি।
খবনা নোংমাইজিং নুমিৎপু পামই,
খবনা নিংথৌকাবা নুমিৎপু পামই,
অদুবু ঐনদি নহাক্কী নপোক নুমিৎপু পামই,
নপোক নুমিৎসিদা যাইফ পাউজেল পীজবি।
ঐনা হবাও তযাম্না রাখল পীজবি,
অদুনা অঙকপা নুংঙাইবা অমা ওইবগনি,
নহাক্কসু ঐঙোন্দা যাইফ পাউজেল হেক হেক পী,
ঐনসু নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল পীজবি।
নহাক্কী নপোক নুমিৎ যৌবকপসিনা
চহীসিগী নুংঙাইবা, নীংশিংবা হৌবসনু,
নুংঙাইবা মঙলানশিংনা নঙগী থম্মোযদা
অঙকপা অপেনবা মিকুপশিং ওইবসনু।
থম্মোযনা খঙবা নঙবু ঐনা যাম্না নুংশিজে,
শুপ্নগী মপোক নুমিৎ অমনা পুবকপা ঙম্বা
নুংঙাইববা ফাগী জুগাই মযামদো
ঐনা নহাক্কী নফমদা অপাম্না থমজবি।

নপোক নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল–২

ফজববা ফিবাল চে মযাম লৈতেংলে,
মচু মচুগী বেলুনশিং পাইহল্লে,
মনম নুংশিববা লৈশিং শাৎহল্লে,
অঙক অঙকপা মীওইশিং তিল্লবে।
কযাদা ফজনা পাঙথোক্লিবা !
কবম্লবু শীংথাগনি নুমিৎসে ?
হবাও তযাম্বা নোক খেবা মবক্কুদা,
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল পীজবি,
কনাগুম্বা নুংশিজবা অমগী মফমদা
কনাগুম্বা নুংশিজবা মীশক অমনা
মোমোন নোক্লবে মঙাল থোকহন্নবা,
নুমিৎসিবু মচু মমেন থোক্লা ফজহন্নবা।
নঙোন্দা ঐনা পান্দম মযাম অমা তৌজবি,
মদুদি নহাক মুগাগুম থোৎনা ফজসনু,
শঙ্গোমগুম ঙৌনা কুচু পাল্লসনু,
খোইহীগুম মহাও খোযথুম্লবসনু।
ঐনা খঞ্জবদা নহাক হবাও তযাম্নি,
নুংঙাইবা পুন্সি অমা লেল্লি,
কোবৌ মঙাল ফজনা ফংলি,
মরূপ ওইবগী নুংশি মবী ফবি।
অদুগা নবেপ থূম্না পৈশানা পৈবসনু,
নঙগী নমঙদো মঙফাওনবা ওইবসনু,
অখন্নবা নপোক নুমিৎ অসিগীদমক্তা,
ঐনা যাইফ পাউজেল পীজবি।

নপোক নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল–৩

কনাগুম্বা অমনা নঙবু যাম্না পামজৈ,
মসি খঙবদা ফজবা ঈথিল অমা ওইগনি,
কনাগুম্বা অমনা নঙবু যাম্না খঞ্জে,
কনাগুম্বা অমনা নঙবু যাম্না মথৌ তাই।
অদুবু মসি খঙলগনা হেন্না নুংঙাইগনি,
মদুদি কনাগুম্বা অমনা কাউবা সুকঙম ঙমদ্রে,
নহাক্কী নপোক নুমিৎপু অদুম নীংশিংদুনা লৈবে,
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল পীজবি।
অহীংদা মেঙনা থোক্লিবা থৱাম্মিচাকশিংনা
পুবক্লসনু নঙগীদমক নুংশিনবা অমদি নুংঙাইবা,
মপোক নুমিৎ খ্বাইদগী ফবা নুমিৎ অমনি,
কোবৌনা থোবকপদা অনৌবা আশা পীবসনু।
নঙগী খোঙউপশিংদু কাউথোকখ্রো,
অদুদগী মবক্কুদা ঙাইহাক্তং লৈবো,
খোঞ্জেল হৌনা শকৎলো ঈশৈ,
জগোই শাগৎলো নীকখাযবো।
খিল্লিবা মোমবর্তিশিংদো মৈ চুখৎলো,
নপোক নুমিৎকী কেক অদো কক্লো,
মসিনি যাম্না চম্না অচৌবা নুমিৎ অমা হাযবদো,
নপোক নুমিৎকী যাইফ পাউজেল পীজবি।
সনা মচুগী কোবৌ মঙালনা লৈতেংলসনু,
নুংঙাই যাইফবা মায পাকপা ওইবসনু,
মযামদগী থোইদোক হেন্দোক্লা নুংঙাইবসনু,
যাম্না অখন্নববা নপোক নুমিৎ অমা ওইবসনু।

নপোক নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল–৪

ঐগী মমাঙগী পুন্সিদা লাইনা হায়বীবমই,
''ফজববা মী য়াইওইবা অমা পোক্লকনি,
নঙনা মী য়াইওইবদুগী মরূপ ওইবা ফংজবো।''
অসিগুম্বা য়ৌজালসি পীবন্নগা মাঙখবে।
লাইদুদা মখা তানদি হংবা নংজহৌদবে,
মহাক্না নহাকপু ঐগী মরূপ ওইনা পীবিবে,
নঙগুম্বা মরূপ অমা পীবীবগীদমক
ঐনা লাইবুদি ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবি।
অদুবু মসিমদি নহাক্না কাউথোকপীগনু
মদুদি থৱাম্মিচাক্না কেল্লকপা খূদিংগী
নহাক্কী নুংঙাই য়াইফবগীদমক্তা
কনাগুম্বা অমনা নীংজবি হায়বসে।
ঐহাক্কী ইমিৎ অনী লৈজে,
অদুবু নহাকপুদি নুমিৎ খূদিং উবা ফংজদে,
ঐহাক্কী তাননবা ইনা অনী লৈজে,
অদুবু নখোঞ্জেলদুদি নুমিৎ খূদিং তাবা ফংজদে।
অদুগা ঐগী থম্মোয়সিদি অমখক্তনি লৈজবিবা,
মদুনদি নঙবু মতম পুম্নমক্তা শেন্নদুনা লৈ,
মদুগী মনুংদদি নহাক্না লেঙদনা অদুম লৈ,
নপোক নুমিৎকী য়াইফ পাউজেল পীজবি।
নুংশিবা, ঈং তপ্পা, হবাও তয়াম্বনা
নহাক্কী পুন্সি চুপ্পদুমা থন্না লৈবসনু,
খ্বাইদগী খোয়থুম্নবা পোত্নু ননাক্তা লাক্লসনু,
নপোক নুমিৎকী য়াইফ য়ৌজাল থাজবি।

মখোয়সি ননাক্তা চঙহনগনু

অপান্বা,
অশাউবা অমসুং
কাবাম চাউবা,
অহুম অসি তমথিবা যেক্লবনি মীওইবগী ।

কেন্সব লাযনাদি লাযেংলগা ফহন্বা ঙন্বা যায,
তৌইগুন্বসুং অপান্বা, অশাউবা অমসুং মিহৌবা
হাযবিবা অহুম অসিদি ফবা সুকঙম ঙন্লোই,
অহুম অসিগা মরূপ থক ওইবোইদবনি।

অপান্বনা ফজবা শাজৎপু মাঙহল্লি,
অশাউবনা খন্নুনবগী ৱাখল লৌশিংবু মাঙহল্লি,
কবাম চাউবনা অফবা থবকপু মাঙহল্লি,
অদুনা যেক্লবা অহুম অসি তিন্নগনু ।

অশাউবা অপান্বনা যেক্লবা মখল কযা শেমই,
মবম অদুনা মখোযসি ননাক্তা চঙহনগনু,
মিহৌববুসু থম্মোযদা চঙজফম পীগনু,
অদু ওইববদি নঙ মী ওইবা ঙন্নগনি।

নুংশি ৱায়থুংনবা পুন্সি ওইবীয়ু

নুংশিবা হাযবসি কবিসু নত্তে,
নুংশিবীবা হাযবসিদনা খবা লৈবে,
নুংশিবা অমদি নুংশিবীবা হাযবা
অনীসি পূল্লগদি পূম্নমক ওইবে।
নহাক্লা হাযবা নহাক্কী ৱাহৈ খূদিংদা
নহাকপু চেকশিন্না শেন্নববা হাযনা হংগনু,
অদুগা নঙগীদমক্তদি মরূপ লৈবি খঙউ,
নঙগী অৱাবা মযাম লীথোকপদা ননীং তমউ।
মোমোন নোকপা হাযবসে অখোযবা লৈই অমনি.
অদুবু মসিনা অখোযববুদি চুমথোকপা ঙমই,
নোকপনা অখোযবা উনশা তিংহনবা ঙমই,
মেমোন নোক্লবা যাইফ পাউজেল পীজবি।
অবিবা মিনোক হান্নগী হান্ন অমত্তনি,
অবিবা পি হান্নগী হান্ন হামু হামুনি,
অবিবা অৱাবা হামু হামু অমত্তনি,
অবিবা নুংঙাইবা হান্নগীদুগা অমত্তনি।
অমুক্কসু হন্না অনৌবা চহীনা লাকপসিদা
অনৌবা পান্দমগী অনৌবা লীক্লা মবীক খবদং
ঐখোযনা নৌনা অমুক ৱাখল তৌবসি,
অনৌবা চহীগী যাইফ পাউজেল পীজবি।
হৌজিক্কী ওইনা, নহাক্কী পুন্সি চূপ্পগী ওইনা,
নঙগী ওইনা হাযবা অপীকপা ৱাখলদু পল্লুনু,
নহাক্কীদমক্তদি মরূপ অমা লেঙদনা লৈ খল্লু,
নুংঙাইববা নুংশি ৱাযথুংনবা পুন্সি ওইবীয়ু।

যাইফ পাউজেল

মঙ মঙউ থাজৌ অদুগা হোৎনৌ

অফবা খনববোমদা মিৎযেং থমউ,
মনুংদা নবাল লৈবগুম নোল্লুক্রা ঙাঙউ,
আ যৌশিন্না পূক্লীং চঙনা তাও,
অদুগা অচুম্বা লম্বীদা চৎপা ঙমগনি।
থা ১২ চুপ্পা নুংঙাইবীযু,
চযোল ৫২ চুপ্পা ফাগী জুগায তৌবীযু,
নুমিৎ ৩৬৫ নি চুপ্পা হবাওনা নোকপীযু,
পূং ৮৭৬০ চুপ্পা লাইবক ফবীযু।
মিনিট ৫২৫৬০০ চুপ্পা হবাও নুংঙাইবীযু,
সেকেন্দ ৩১৫৩৬০০০ চুপ্পা মায পাকপীযু,
চহী চুপ্পসিমা নুংঙাই যাইফবতা ওইবীযু,
চহী হৌবগী যাইফ পাউজেল পীজবি।
পুন্সিসে অমুক হল্লকপা খোন্থাংদুনি,
অফবা তৌকুবগীসু ফনা অদুম হল্লক্কনি,
ফত্তবা তৌকুবগীসু ফত্তনা অদুম হল্লক্কনি,
অচুম্বা তৌকুবগীসু চুম্না অদুম হল্লক্কনি।
অবান্বা তৌকুবগীসু লান্না অদুম হল্লক্কনি,
অদুনা নঙগী খ্বাইদগী ফবদু পীথোকখো,
অদুগা খ্বাইদগী ফবদু নঙোন্দা অমুক হল্লক্কনি,
খ্বাইদগী ফবা নুমিৎ অমা ওইবীযু।
মঙ মঙবা তোকপদা পুন্সি লোইবে,
থাজবা তোকপদা পান্দমসু লোইবে,
নীংজবা তোকপদা নুংশিবসু লোইবে,
অদুনা মঙ মঙউ, থাজৌ অদুগা হোৎনৌ।

উন্নবা অমদি কায়নবা

নুংশিনা লৈমিন্নবম্বা পূম্নমক কাযনখি,
হবাওনা নোঙ্খীন্নবম্বা পূম্নমক হন্নখি,
লাঙতক্লবা ঐগুম্বা মীশিংসু কাযনখিনি,
অদুনা পুন্সি অসে হিংলিঙৈদা নুংঙাইখোকউ।
মীশিংসিনা খুদোংথিবা চৈনা থেংন থেংননা
হঞ্জিল হঞ্জিল নুংশিন্নবিবা কবিগীনো ?
অঙকপা ৱাহংসিগী পাউখুম্দি,
অফবা মতমশিংদুনা হিংবদা মতীক চাহল্লি।
অদুগা নঙগুম্বা মীশক অমা খঙনকবনা
ঐঙোন্দা নুংঙাইবা মযাম অমা পী,
অদুগা নহাক্কা কাযনবদনা ঐ যাম্না ৱায,
ঐনা নহাক্কী নশক উবা ফংলক্তবা কুইবে।
পুন্সিসে উন্নবা অদুগা কাযনবগা চৎপনি,
মী খবনা কাযনদুনা চৎখিবা যাই,
তৌইগুম্বসুং নঙগুম্বা অখন্নবা মী ফংজববদি
পম্বদুনা লেঙদনা লৈহন্নবা লম্বী ফংগনি।
নুংশিবসে নুংশিৎকুম্বনি,
মীৎনা যেংবদা হেক্তা উবা ঙম্লোই,
মানা হকচাংদা থেংলক্ত্রিমখৈ
মহাক লৈ হাযবা খঙবা ঙম্লোই।
পুন্সিসে ফজবা পোৎশিংনা থল্লি,
নুমিৎনা থোৎনা মেঙনা থোক্লগা তাখি,
চুমথাঙগী ফজবা মচুশিংনা তপ্না তপ্না শিথখি,
লৈশিংনা ফজনা লৈশাৎ তমলম্নগা খুইথখি।

ঐনা নঙবু মথৌ তাই

নহাক্না ইনাক্তগী চৎখ্রবসু
নঙগী নথৌ তাবক্ত্রিমখৈ খঙবা ঙম্লোই.
পুন্সি হাযবসে তশেংবমক্কী যাম্না ফজে,
মসি শম্না হাযববদা খোযথুম্লে।
খোইনা খোইহীবু তশেংনা নুংশি,
মীশিংনা পৈশাবু তশেংনা নুংশি,
অদুগা ঐনা নঙবু তশেংনা নুংশি,
হাযবদি ঐসে নঙগীনি হাযবনি।
লাইনা নহাকপু থৌজাম্বীসনু,
অসিগুম্বা নুমিৎ অমা পীনবীসনু,
নহাক চহী কোতি অমা পুন্সিসনু,
চহীসু নুমিৎ লিশিং অমমম্না শাসনু ।
নুংশিবা হাযবসে থৱাম্মীচাক্লমই,
মবমদি থা থোক্তবা অহীংদি
যেংবা হৈবনা যেংবদা অদুম ফজে,
থৱাম্মীচাক থোক্তবা অহীংদি মপূং ফাদে।
পুন্সিসি হিংদুনা লৈবদা
মিহুন হুনবা অমা মথৌ তাই,
মিহুন হুন্দুনা লৈনবা
ঐনা থম্মোয অমা মথৌ তাই।
থম্মোয অমা লৈবদা
ঐনা নুংঙাইবা অমা মথৌ তাই,
নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবদা
ঐনা নঙবু মথৌ তাই।

যাইফ পাউজেল

হয়েংগী ফজরবা ব্রারী অমা শেম্লনবা

অযুক্তা পাউজেল পীবসে তবাম্না ওকপখক নত্তে,
মসিগী নুংদা পাউজেল অমা যাওবি,
যাহৌবগা নঙবু নীংশিংই হাযবনি,
অফবা অমদি ফজবা নুমিৎ অমা ওইবীযু।
নঙনা ঐবু মরূপ অমা ওইনা চেৎনা থম্বীযু,
ঐনসু নঙবু থম্মোযনুংদা শো লোনশিন্দুনা থমগনি,
অদুদগীদি শোৈজেদু যাম্না থাপ্লা লংখোকত্রগনি,
কনামত্তনা নহাকপু লৌখিবা ঙমদনবা।
নহাক্কী খোংলবা চেকশিন খৌবাংদো
ঐগী থম্মোয অসিদা ফজনা যৌবা ঙম্লে,
অদুগা যাম্লবা নুংশিবনা থম্মোযসে থলহল্লে,
মসি ব্রাহৈনা ফোঙদোকপদদি ব্রাবগনি।
নুমিৎ খূদিং নহাক্লা শোকপা ঙম্বা মঙ ওইবীযু,
নুমিৎ খূদিং নহাক্লা ফাওবা ঙম্বা নুংশিবা ওইবীযু,
নুমিৎ খূদিং মবম পীবা ঙম্বা মহিংদা হিংবীযু,
পুন্সিচুপ্পা অফবা নুমিৎ অমমম ওইবীযু।
নহাক্লা নহে তম্বগী পীবকপা চেবোল যেংলগা
অহন্না হোয হাযববা অপাম্বদুখক পীববনি,
মসিনা যাদ্রি হাযববা খবা হেন্না ফগৎনবনি,
ঙাইখো হাযববা খ্বাইদগী হেন্না ফগৎনবনি।
পুন্সিসে চিংখৎ চিংথ যাবা পোৎ নৎতে,
মসিদি মথন্তা হাংদোকচবগা চৎচবনি,
অদুনা ঙসি হিংবগী খুদোংচাবা মাঙহল্লগনু,
হযেংগী ফজববা ব্রাবী অমা শেম্লনবা।

হাৎনবা মশীংফাও কোন্নদ্রে

পীক্লিঙৈদা পোলিওনা হাৎলি,
চাউবগনা নোংমৈ মকনা হাৎলি,
মৈতৈ মচা অসুম অসুম তাকশিল্লক্লে,
নোংম নোংমগী মুৎশিল্লক্লে মৈত্রবাক।
পীক্লিঙৈদা পোলিও পীথক্লনা
ৱানা যোকচদুনা চাউবক্লবা মতমদা
নোংমৈ মৰু পীজবীগদবা লৈববদি
যাইফ যুম্বান তৌদ্রবসু যাবে।
ঈন; লৌখোং চেনবা,
মীশানা লৈখোম খোকপা,
হোল্লিবা শ্বৰদা মী অশিবগী মনম,
থক্লিবা ঈশিংদা ঈবীক হাযবদো থোক্লবে।
জঙ্গলগী আইন অফম্পা লৈববসু
ত্রিপুবাদদি মী হাৎপগী মশীং যামদে,
মসিগী হৌবকফমদি লৈঙাক মপূনি,
লৈঙাক ফৎত্রবদি ৱাবোইশিন লৈতে।
অঙাং মশীং হুম্বুহুন্নবা পাযখৎলিবা
যাইফ যুম্বান তোৰ্কপিবো.
পোকচবিবা খবা অসিনফাওবা
হাৎনবা মশীং কোন্নবা নত্রে।
নোংমৈ মৰুনা মুন্দুনা পুবিশ্রবা
থৱায কযাগী মশীং পাবা ঙমদ্রে,
শিবা কোন্ননবা পোকপফাও ঙমদ্রে,
হাৎনবা মশীংফাও কোন্নদ্রে।

যাইফ পাউজেল

অশিবনা পরেং পরেং চংলি

ব্রাযেম্বীনবা লৈতবনা পুন্ডৌ ফনেক শেংপী মযাম কপ্লি,
মস্তিক্রবি অশিবশিংগী মমল লূপা লাখ লাখকা,
কনানা অমুক পোক্লিংখিগনি লমদর্মশিদা।

অশিবনা থোবক্লনা ব্রা খক ঙাঙলদে,
শীজম্বীবিবা মবাল চুম্মী চুমদে খক হাযবদে,
অহিংবা মীদুগীদি পাউখুম ব্রাত্তে।

মবাল শীজিল্লবসু অদুম কবিসু হাযবদে,
উপাই লৈতে, অশিবতনা অশোম্বা শকই,
অকম্বা অঙম্বনা অদুম অচুম্বা শকই।

মবোল অহুমগী লৌশিং পুক্কে,
অঙম্বগী মাঙদা মবৈ লোম্মী,
লৌশিং পূম্বা মাঙই নোংমৈ মমাঙদা।

শিবা চঙবসে নোংদম্বগী খুত্তা লৈবক্রে,
অঙম্বগী খুত্তা লৈবে ঙম্না ঙসিদি,
খঙলে উবে মতিক মযায অঙম্বগী।

হিংনা হিংনা শিববা মযাম অমা,
শিনা শিনা হিংলিবা মযাম অমগা
অশিবগী শক্তম্না পবেং পবেং চংলি।

যাইফ পাউজেল

ব্রাহংনি ঈং তপ্পা, পান্দম্মি ঈং তপ্পা

কলন্থু পাযববসু যোৎপাকপু পাযববসু
নোংমৈবু পাযববসু তৌবিবা থবক্কুদি
মীদুগী খল্লিবা ব্রাখলদুগী মমিনি।
মীওইবগী থম্মোয নৈপালদা শাৎপা নৈদি,
নুংশিবা কৌবা চৈদুতনা হেক্কদবনি,
পাঙ্গন্না চীন্না ঈং তপ্পা পুবকপা যাবোই।
নিউক্লিযাব বোম অসি
লানগী হৌবকফম নত্তে,
লানগী হৌবকফমদি থম্মোযনি।
মীগী কুচুদি মান্নদ্রবসু
মীদি মীগী কাঙলুপ্নি,
মালেম অসিসু অমত্তনি।
ঐখোযগী ইমা নৈপাক ইবমদম
ঈ তৈবা ফিজোল ফিজেৎনবীবনু
অশংবা ফিজোল ফিজেৎনবীবো ইমা।
ঈনা যেকই ইবৈবাক্কী শক্তম,
ঈখেংনা চেল্লি ইবৈবাক্কী লৌখোং,
ইবৈবাক্কী মীংদা ইমাগীদমক।
মচিন্দদি লাউবি ঈংনা পানবা !
লাউবিবশিংদুনা অঙ্গীংববুদি থুগাযবি,
তাবদা ব্রাববা ঈংনা পানবা !
ব্রাহন্দোক নৈত্রে ঈং তপ্পগী !
ঈং তপ্পা থুগাযবিবা মখোযগী
ব্রাহংনি ঈং তপ্পা, পান্দম্মি ঈং তপ্পা।

যাইফ পাউজেল

য়াইফবা পুন্সি অমা ওইবীয়ু

অঙাঙবা, হিগোক, অশংবা,
মংগ্রামচু, কোম্লাবোং, ঙাঙলৈনবা,
মচু মযামসি লোইনা খল্লো,
হৌজিক্তি নমীত্তু উইশিল্লো।
অদুগা অদুগুম্না মচু মযামদুনা
নশা পুম্না তৈবে হাযনা খল্লো,
মসিবু কৌই যাউশঙগী অবেব তৈনবা,
শঙজিল্লো পুন্সিদো মচু মচুশিং।
পুন্সিসে লাইবিক অমনি,
ঐখোয পুম্নমক্না মসিবু পাই,
নুংশিবসে থৌজালবীবা অমনি,
ঐখোযদা মসিগী মথৌ তাই।
মতম পুম্নমক্তা নুংঙাইযু,
মতম পুম্নমক্তা মোমোন নোকউ,
মালেমসিদা ঐখোযনা লাক্লিবসে
নীংশিংউ কুইবা নত্তে ঙাইহাক্তংগীনি।
নুমিৎ খুদিং ঐখোযগী পান্দমদি
কনাগুম্না অমগী থম্মোয পেলহনবনি,
কনাগুম্না অমগী পক্লীং থৌগৎপীবনি,
অদুগা কনাগুম্না অমগী থবায পেলহনবনি।
নঙবুসু লাইনা লেপ্না থৌজালবীসনু
অদুগা নঙনসু অতোপ্পবু থৌজালবীযু,
অদুগা হিংলিবা পুন্সিসে নুংঙাইবা ওইহল্লু,
নুংঙাই যাইফবা পুন্সি অমা ওইবীযু।

যাইফ পাউজেল

ফজবা নুমিৎ অমা ওইবীয়ু

অফবা অযুক অমা ওইবীয়ু !
ঐনা কন্না লাউদুনা হাযজবি,
মবমদি নহাক যাম্না লাপ্পা লৈখ্রে,
নহাক মসি পুম্নমক্কি তাদববা ?
নফমদা পান্দম মযাম অমা তৌজে,
নুংঙাইবা নুমিৎ মযাম অমা হল্লকসনু,
লাইনসু নহাকপু যৌজালবীসনু,
হকচাং ফবা, ইনাক খুম্বা ওইহন্বীসনু।
ঐখোযনা পান্বদু হেক্তা লৈগদবা নত্তে,
ঐখোযনা লৈবদু হেক্তা পামগদবা নত্তে,
ঐখোয হৌজিক ফাওবদি হিংলি,
ঐখোয হৌজিক ফাওবদি ৱাখল তৌবি।
নশাবু হস্তনা খল্লক্লবদি মসি নীংশিংউ,
নহাক্কে থাজবগী ৱাংমদা নপাঙ্গল লৈ,
খঙ্ঙবদগী হেন্না যৌনা ফৈ, শিংই,
অদুগা হোৎনববদি ঙমদবা লৈতে।
পুক্নিদা অৱাবা থেংনবগা পাখৎকনু,
মীৎ উইশিল্লু অদুগা থম্মোযগী মতুং ইল্লু,
মবমদি থম্মোযদি ওযথংবা নাকন্দা লৈ,
অদুবু মতম পুম্নমক্তা চুমদুনতা লৈ।
ঐখোয হৌজিক ফাওবদি নুংশিনবি,
মকপ ওইবগী মবীদু তৎপা লৈনদ্রি,
নোংমদি নীংজবদু শোযদনা ফংগনি,
মদুনি পুক্সি ! ফজবা নুমিৎ অমা ওইবীয়ু।

নুংঙাইবা মঙ মঙবীয়ু

কনাগুম্বনা তবাম্না তৌদুনা ঈথিল অমা পীববা,
অদু ওইববদি মদু নঙোন্দা পুন্নমক্নি,
কবিগুম্না অমনা নঙবু মোমোন নোকহল্লবা,
মদুনি ঐনা নঙোন্দা পান্দম তৌজবিবসু।
অশেংবা অফবা অহীংগী পাউজেল অমা
নহাক্কীদমক্তা ঐনা নীংজদুনা থাজবি,
তৌশিন্নবা শাজিন্নবশিংদগী চেকশিন্বীয়ু,
পাউজেলদুগী অশেংবা দিলবদুদি ঐনি।
নহাক্তি ঐঙোন্দগী যাম্না লাপখ্রে,
অদুনা ঐনা কন্না লাউদুনা হার্যবিবনি,
লাপ্না লৈববসু নহাক্না শোযদনা তাবমগনি,
অফবা অহীং ওইবীয়ু, নুংঙাইবা মঙ মঙবীয়ু।
ঙসিগী নুমিৎসে যাম্না মযাই কাবা যাই,
ঙসিগী নুমিদাংসে যাম্না থবক চিনবা যাই,
অদুবু নুমিৎসে অবেম্বদা লোইহনখিগনু,
অফবা অহীং ওইদুনা নুংঙাইবা মঙ মঙবীয়ু।
কোবৌ মঙালনা অমম্বা মচু ওল্লক্লবদা
নুংশিববা থৱাম্নিচাকশিংনা মশক উৎলক্লবদা,
থম্মোযগী মিহুন্দুনা অচুম্বা খবা হাযবক্কনি,
মদুদি মরূপ অমনা নহাকপু উদবা কুইবে।
মঙ মঙলিবা মীদুদা অহীংনা নুংথিন্দগী শাংই,
অদুগা মঙদু মঙফাওনদুনা চুল্লবা নঙোন্দা
নুংথিলনা অহীংগী মতমদগী হেন্না শাংই,
অফবা অহীং ওইদুনা নুংঙাইবা মঙ মঙবীয়ু।

নোংদম্বনা থৌজানবীসনু

নপোক নুমিত্তা যাইফ পাউজেল পীজনীংই,
নহাকপু মরূপশিংনা নুংশি হাযবা খঙহন্নীংই,
নপোক নুমিৎসিদা ঐঙোন্দা কবি রাখল তৌই,
নহাক্লা কবিগুম্বদা অহল ওইবদো উপ্ত্রববা ?
হন্দক্কী চহীদি নতাক্কী নপোক নুমিৎতো
যাম্লা থেঙনা পাঙথোর্কখি হাযবা তাখি,
অদুবু অপঙবা মরূপ মপাংশিংদুনদি
নঙোন্দা মতমচানা পাউজেল থাখি হায।
ফত্তববু অফবা মাযকৈবোমদা পুবকপদ
অশেংবা মরূপ অমা ওইবগী থবাব্র
অচুম্বা মাযকৈদা পুবকপদা যাববদি
থবক তৌমিন্নবা রাবী শামিন্নবা যাবে।
ঐখোযগী মবীসি মদুগুম্বা মবীদুনি,
অদুগা মসিমদি মতম পূম্নমক্তা নীংশিংবীযু,
মদুদি কনাগুম্বা অমনা নহাকপু নুংশিজৈ.
নুংশিজবিবা মীশক্কু অতৈ কনাসু নত্তে ঐনি।
মসিগীদমক্তা নুংঙাইবা ফোঙদোকচবি,
খ্বাইদগী অহেনবা মপোক নুমিৎ অমা খঞ্জবি,
নহাক্লা ঙসি মোমোন মিনোক মযাম ফংই.
মদুগী মনুংদা নহাক্লা অমুক্তা উদ্রিবা অমা যাওবি।
মদু মপাম্থোংগী চীনবান্দা মোমোন নোকপদু নত্তে,
তৌইগুম্বসুং মদু আ থম্মোয মনুংদগী থোবকপনি,
মদুগী মোমোন মিনোক্কু ঐঙোন্দগী লাকপদুনি খঙউ,
নঙ অমদি ইমুং মনুং নোংদম্বনা থৌজানবীসনু।

কায়খ্রবা থম্মোযদো তাইশিনখিগনি

ফেব্রুযাবী ১৪ বু নুংশিনবা উন্নবগী থৌবম তৌই,
ঐখোযনা খঙলে নুংশিনবা উন্নবদা কবি তৌখি,
হার্যবিবা মতমদুদগী থা মাপল চপচানা লৈবগা
নভেম্বব ১৪ দা অঙাংগী নুমিৎ থৌবম অমুক তৌই।
ইান্দযাসে যাম্না খঙ হৈবদা অখোইর্বান,
ইনাক খুনবশিংনা কাবদা চৎলি,
লাযববশিংনা ষনগাবীদা চৎলি,
অদৃগা নঙনা ঐগী থম্মোযদা চৎলি।
নঙগী থম্মোযদা চৈনা ফংবদা ব্রাদবা,
মতমদুদা নহাক ব্রাবী শানীংলমর্গান,
কনাগুম্বনা নহাকপু কপ্পদগী তোকহনবা ঙম্নবা,
মীশক অদুমক্লি নহাকপু কপহনবা ঙম্নিবাদো।
পোৎ খৃদিংমক অবানবা লম্বীদা চৎখ্রবা
পোৎ খবা পামজদুনা ব্রাখল তৌববা
নহাক্রা নুংশিবগীদমক খঞ্জববর্দি
কবিগুম্বা খবা হেক থোক্লিফাওবা ইল্লু।
অযুক নুংথিল অহীং হাযবা খাইদনা
নহাক্রা খাবকপা যাইফ পাউজেন্দো
ঐগী থম্মোযদা কোবৌগুম ঙান্দুনা লৈবে,
ঐনা নুমৎ খৃদিংগী নঙগীদমক্তা খুকমজবি।
নহাক্রা কনাগুম্বা অদুবু যাম্না নীংজববা
নহাক্কী থম্মোয মচেৎ তানা কাযবক্কনি,
অদুগুম্বা মীদুনা হল্লো হেক হাযবকপদা
কাযখ্রবা থম্মোযদো হেক্তা তাইশিনখিগনি।

যাইফ পাউজেল

মৈগী কূম্মেনা অমম্বা কোকহল্লশি

নহাক্নে ঐনা ফংগে তাল্লিবা পোত্তুনি,
ঐগী থম্মোযদা নীংজবসে কবম্না হাযগনি,
মতম পূম্নমক্তা ঐহাক্নে মায পাক্লে,
ঐ মসিগীদমক্তা যাম্না ৱাবে।
মসি কবিগীনো নঙ খঙলববা ?
মসিগী মবমদি মতম পূম্নমক্তা ঐসে
নঙ উদবগী অৱাবনা পোলোই ওই,
নহাকসু মদুগী শোযদনা খঙলক্কনি।
মসিগী মৈগী কুম্মেগী মৈঙাল্লক্লিদা
অহাও অথুম মযাম অমা চাবো,
নুংশিনবশিংদা পাউজেলশিং থাবো,
খোঞ্জেল হৌনা ঈশৈ শক্কৎলো।
ধোন তবলাশিং যৈখৎলো,
নুংঙাইনা তান থাবো,
ঈশৈ খোংনবশিং খোঙ্গৎলো,
মক্প মপাং মযাম উন্নবো।
মসিগী মৈঙালগী ফজবা কুম্মে অসিনা
হবাও নুংঙাইবা অপেনবা পুবক্লসনু,
চহীচুপ্পা অসিমা লেঙদনা লৈবসনু,
নুংঙাইববা মৈগী কুম্মে অমা ওইহল্লো।
নহাক অমম্বনা থাউমৈ অমা মুখৎখিবা উম্ব্রববা ?
তৌইগুম্বসুং থাউমৈনা অমম্বা কোকহনবদি উবে,
অদুনা মম্নবা শাপ কৈদৌনুংদা তৌগনু,
মৈগী কুম্মেগী মৈঙালনা অমম্বা কোকহল্লশি।

থম্মোয়নুংদা কোয়চেন চেনদুনা লৈরে

অঙকপা মযাম অমা খঙননবা তমশিল্লবা
অদুগুম্না মীশক্তো খ্বাইদগী মবাইবক ফববনি,
তৌইগুম্বসুং মহাক্লা খুদোংচাবা লৌবদি নত্তে,
ঈংনা চীক্লা নুংঙাই যাইফনা পানবা পুন্সি ওইবীযু।

লৈ খবনা নুংশাদা ফজনা লৈশাৎ তমই,
লৈ খবনা উকমদনা হেন্না ফজনা শাৎলি,
লাইনা ঐখোযবু খ্বাইদগী ফবা মফমদা থাবী,
অদুগা নুংশিবনা হাব ওইনা হাপ্পী।

নহাক্লা উবিবদো কবিনা অচুম্বনো ?
নহাক্লা উবিবদো কবিনা অবাম্বনো ?
নীংশিংউ অশেংবা মকপকী মবীদি শিবা নাইদে,
মসিনা নহাকপু ঐঙোন্দা মমল যাম্না কাহল্লি।

অদুগা ঐনা নঙবু পান্নবা কাপ্পদা
খ্বাইদগী খুৎ চুমদবা মীশক্কু ওইবে,
মবমদি নঙনা কোযচেন চেন্দুনা লৈবনা
পানবা ঙমদনা হেক্তা নাম্ছোকখি।

নহাক খ্বাইদগী যাঙবা লমজেল্লোয ওইগনি,
অদুগা নহাক্কী নশাসু শোযদনা চোকথবমগনি,
মবমদি নহাক্লা মতমচুপ্পদা অহীং নুংথিল খাযদনা
ঐগী থম্মোযনুংদা কোযচেন চেন্দুনা লৈরে।

যাইফ পাউজেল

থম্মোয়নুংদা নহাক্তি লেঙদনা লৈ

ফজবা মাযথোঙ কৈদৌনুংদা খক যেংলুগনু,
মদু নোংমদি শোযদনা অহল ওইদুনা মাঙখিগান,
কুচু ফজবা উনশা কৈদৌনুংদা খক যেংলুগনু,
অদু নোংমদি শোযদনা খুইদুনা মাঙখিগনি ।
তৌইগুম্বসুং মরূপকীদমক্তা নৈবা থম্মোয যেংউ,
মবমদি মদুনদি নহাক্কীদমক নুমিৎ খৃদিং র্রানাগনি,
নহাক্নে মীগী মপোৎ লোন্না লৌবা হবানবনি,
মবমদি নহাক্লা ঐগী থম্মোযসে হূবানখ্রে ।
ঐখোযনা লনাই অপাম্বা লম্বীদা চৎনৈ,
অসুম্না পুন্সিসে মচেৎ মচেৎ শেমগৎলকই,
তৌইগুম্বসুং ইবান্নী লাপ্না খাইদোক্লবকস্
থম্মোযনুংদা নহাক্তি লেঙদনা অদুম লৈ ।
নহাক্লা ঐঙোন্দা অমুক্তং রাবী শাবীবক্লবা,
ঐগীদি নুমিৎ খৃদিং নুংঙাইবা নুমিৎ ঙাঙ্গনি,
ঐনা হাযবিবসে মীনমদুনা হাযবা নত্তে,
নঙগা পাউ ফাওনবনা ঐবু মোমোন্নহাল্ল ।
মিনিট অমদগী মিনিট অমদা
মথং মথং হৌখিদুনা নোংমা ওইখি,
নোংমা অমদগী নোংমা অমদা
মথং মথং হৌখিবনা চযোল ফাখি ।
চযোল অমদগী চযোল অমদা
মথং মথং হৌখিবনা থা ফাজিল্লকই,
অদুবু নহাক্কী লীপুন্না পুনবসিদি
পুন্সিসিদা খক নাম্থোকপা ঙমদ্রে ।

মসি হঞ্জিল হঞ্জিল অদুম তৌই

মোমোন নোকপা হাযবসে সিম কার্দকুম্বনি,
হিংলিবা পুন্সি অসিনা মোবাইল ফোনগুম্বনি,
মোমোন মিনোক্কী সিম কার্দ অমা হাপ্‌চিল্লবাদ
মামোন্নবা পুন্সি অমা মখৌ তৌহনবা হীবর্নি।
থাজবনা পোৎ পম্মক ওইথোকহল্লে,
বাখলনা ওইথোকহন্নবা থবক শুহল্লি,
নংশিবনা ফজনা উদ্‌না ল্লনা তৌহল্লি
হোৎনবা কনবনা মায পাকহল্লি।
মরী অসিগা নোংমগী থবক হৌরবাদ
নহাক্কী থবক্তো শোয়দনা মঙফাওনর্নি
অদুনা মতম চানা হৌগৎলগা থবক তৌ,
অফবা অযুক্কী যাইফ পাউজেল পীজবি।
পুন্সিসে পঙলুদা লুহনবসু তৌগন্নু,
অদগা নোক্লবা মতম খবসু থমউ,
মবমদি নোকপনা পুন্সি নুংশাংনা লৈহল্লু,
পুন্সিগী চহী মশীং যাম্না শাংদোকহল্লি।
মীশিংসে খবনা পীথোকই,
মীশিংসে খবনা লৌশিল্লি,
মীশিংসে খবনা হোৎনৈ,
মীশিংসে খবনা হোৎনদে।
মীশিংসে খবনা হায, "হাই!"
মীশিংসে খবনা হায, "বাই!"
মীশিংনা মসি লোইনা খঙই,
অদুবু মসি হঞ্জিল হঞ্জিল অদুম তৌই।

ঐনা নঙবু উদবদা য়াম্না ৱায়

পুন্সিদা শোযখিবগী নোংমফাও নীংঙমদবা তৌগনু,
অফবা নুমিৎশিংনা নঙোন্দা নুংঙাইবা পী,
ফত্তবা নুমিৎশিংনা নঙোন্দা লৌশিং পী,
অফবা ফত্তবা অনীমক পুন্সিদা মথৌ তাই।
নঙনা চৎনীংবা মফমদা চৎলু,
নঙনা তৌনীংবা থবক তৌ,
পৃম্নমক মপূগী থৌজাল ঙাক্তনি,
নোংদম্বনা তম্নম্ববু ইন্দবা যাববা ?
অতোপ্পগী ফনবা তৌবদা চোকথবা নাইগনু,
মবমদি মদুনা অচৌবা কান্নবা অমা ওইবা যাই,
অদুননি ঐনা ''হাই !'' হায়বতা ওইববসু
নঙগী নফমদা হায়বদা চোকথদ্রিবা।
ঐনা নঙবু চেকশিন্না শেন্নজবগী পাউজেলদো
নুংশিৎকী খুখাংদা নঙোন্দা যৌনবা থাজখিবনি,
নুংশিৎনা নঙগী নমাযদা লিবি লিবি হুন্নক্লবদি
খঙউ মদু ঐগী পাউজেলদো নঙোন্দা তন্নবিবনি।
ঐগী মিৎনা কোযথি থিবি নঙবু,
মবমদি ঐনা নঙবু উবা ফংদবে,
ঐগী পাম্বোম ঈহাঙ হাঙলে,
মবমদি ঐনা নঙবু কোঞ্জবা ফংদবে।
ঐগী ইবৈসে ঈযিং ঈংলে,
মবমদি ঐনা নঙবু চুপচবা ফংদবে,
তৌইগুম্বসুং ঐগী থম্মোযসিদি কাযবে,
মবমদি ঐ নঙগা লোযননা লৈবা ফংদবে।

কাউখোকপদি পুন্সিচুপ্পা চঙ্গনি

ঐনা নঙোন্দা নুংত্তিগী অয়ুক্কী পাউজেল থায়,
মসি অয়ুক্কি পাউজেল ঙাক্তগী নত্তে,
মসিদা অবোনবা পাউজেল অমা যাওবি,
মদুদি ঐনা হৌগৎপা খূদিংদা নঙবু খল্লি।
ঐবু নীংশিংবীয়ু অদুগা পূক্রীং হাঙহল্লু,
অদুগা অনৌবগীদমক্তা অবিবা হোংগনু,
মবমদি ঐসে নঙগীদমক লৈ,
নঙ উদবদা ঐ যাম্না ৱাই।
থাজনীংঙাই ওইবী লৈশাবী থিবা ৱায,
মসি মতমচুপ্পদা চুমদুনা লৈববা ৱানি,
নঙগী পুন্সিগী লম্বীদা ঈশ্বরনা যৌজানবীসনু,
নঙগী পুন্সি নুংঙাইবনা মপূং ফাহল্লসনু।
মোমোন নোকপা হাযবসে অখোযবা পোৎ অমনি,
অদুবু মসিনা অখোযবা পোৎপুদি চুমথোকপা ঙমই,
মসিনা মাযগী অখুইবা উনশা চুমথোকহল্লি,
পূক্রীংগী অখোযবা অৱাবা চুমথোকহল্লি।
ঐ খ্বাইদগী ৱাংবা চীংজাও কাবসু ঙমগনি,
ঐ খ্বাইদগী চাউবা সমুদ্রদা ঈরোইবসু ঙমগনি,
ঐ নুংশিবগীনিবু হাযববদি পূম্নমক ঙমগনি,
মদু পূম্নমক নহাক্কী ননাক্তা লাক্লবগীদমক্তনি।
মী অমগা কাযননবা হোৎনবদা মিনিট খবতা চঙ্গনি,
মী অমগা পাম্নবা হোৎনবদা পূং অমত্তা চঙ্গনি,
মী অমগা নুংশিননবা হোৎনবদা নোংমতা চঙ্গনি,
অদুবু কাউথোক্লবা হোৎনবদদি পুন্সিচুপ্পা চঙ্গনি।

যাইফ পাউজেল

নীঙমদবশিংদুনা লাপ্পা চৎহনখ্রো

ঐনা নঙগীদমক ফজববা চযোল অমা নীংজবি.
নিংথৌকাবদা চাউনা থবক হৌবা,
লৈবাকপোকপদা খুবৌ থাংদবা.
যুমশকৈশদা অৱা অনা নংদবা
শগোলশেন্দা হৈনাংদবা অমত্তা লৈতবা,
ইবাইদা মোমোন মিনোক তন্বা,
থাংজদা ঐখোয় মযাম পনমীন্নবা,
অদুগা নোংমাইজিংদা অচৌবা ফাগী তৌনবা।
মখোযবু নহাক্কী ওইজবা ফংগে খল্লবা-
মখোযনা নহাকপু উবা ফংহন্দনবা লম্বীদ
মখোযগী মনাক্তা অদুক্কী মতিক নক্না ফম্মু,
মবমদি ইথক্তা থোক্লিবা নুমিৎপু যেংনদে।
অনৌবা নুমিৎ অমা লাকপা খুদিং তবান্না ওকউ,
নহাক্কী চীনবালনা মোমোন মিনোক নোকউ,
নহাক্কী থম্মোযনা নুংশিবগী থৌজাল উৎলু,
অদুগা নহাক্কী পুক্নীংদা অফবা অদুতা খল্লু।
অযুক খুদিং নঙোন্দা লৈবিবা অৱাবদো
থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না তান্থোকখো,
মবমদি অৱাবদুনা অবাবশিংদু পুবগা চৎখিনবা,
অৱাবা যাওদবা নুমিৎ অমা ওইবীযু।
নুমিদাংনা নোংমগী অবোইবা ওইখ্রে,
অযুক্না অখন্নবা লম্বী অমদা লাক্লে,
কোবৌনা ঙাম্থোবকপদা মোমোন নোক্লো,
অদুগা নীঙমদবশিংদুনা লাপ্পা চৎহনখ্রো।

যাইফ পাউজেল

অহীংদুগী অরোইবা ৱাখলদু নহাক্কীনি

নহাক্কী থম্মোযদা অনাবা অমা ফাওবক্লবা,
ঐগী থম্মোযনা নঙবু উদবগী ৱাজবদুনি,
নহাক্কী নখোঙদুদা চোকথবা ফাওবক্লবা,
মদু নঙনা ঐগী ৱাখলদা কোযচৎ চৎপগীনি ।
ঐনা অথন্নবা মী অমা উবা ফংখিদবদা ৱাজৈ,
ঐনা লাপ্লা চৎতুনা মফম খূদিং থিবসু ঙমজদে,
ঐনা ঐগী থম্মোযনুংদা চঙদুনা যেংজৈ,
অদুগদি নহাক্লা থম্মোযনুংদা লেঙদনা লৈবক্নে ।
নঙগী মোবাইলদা কবিগুম্বা মখোল অমা থোবক্লবা,
নঙোন্দা কবিগুম্বা অকাযবা পীবক্লবা,
অদু ওইববদি নহাক্লা মুন্না খঙজিল্লু,
কনাগুম্বা অমনা নঙগী মবমদা খল্লবনি ।
অদুগা মিকুপসিদা তৌবক্লিবসিনা ঐনি,
নঙবু উবা ফংদবা মতম পূম্নমক্তা যাম্না ৱায,
মবমদি মসি শেন্নীবা মপূনা পীবা খূদোলনি,
নীংজবনা থল্লবা নুমিৎ অমা হৌবসনু ।
অয়ুক খূদিংমক অহৌবা অমমম্লি,
অনৌবা যাইফ থৌজাল পীনবীবসনু,
অনৌবা ৱাখলগী পান্দম অমা লাক্লসনু,
মদুনা মপূংফাবা নুমিৎ অমা ওইবসনু ।
অঘেঙবা অহীংদা পাউজেল থাবক্লিবসিনা
নঙোন্দা তূমগদৌবে খঙহম্বখক নত্তে,
মসিদা অবোনবা পাউজেল অমা লোত্তুনা যাওবি,
মদুদি অহীংদুগী অবোইবা ৱাখলদু নহাক্কীনি হাযবসিনি ।

যাইফ পাউজেল

নঙবু খন্দনা করম্না লৈবা ঙমগদগে

পুন্সিদা ঐনা তম্বদগী খঙলে,
মদুদি মতৌ কবম্না নুংশিগনি,
মতৌ কবম্না মোমোন্নগনি,
মতৌ কবম্না নুংঙাইগনি।
মতৌ কবম্না পাঙ্গনবা ওইগনি,
মতৌ কবম্না থবক কন্না শুগনি,
মতৌ কবম্না থম্মোয শেংগনি,
মতৌ কবম্না থাজবা থমগনি।
অদুবু মসিমদি তমশিন্ব. ঙমদ্রে,
তমশিল্লবসু হৈবা সুকঙম ঙমদ্রে,
মদুদি ঐনা নঙগী ব্রাখল খন্দনা
মতৌ কবম্না লৈগদগে হাযবসে।
মোমবর্তি অমনা অমদা চমদুনা চুখৎখিবদা,
মশাগী মঙালদু খক হন্থখিবা লৈতে,
নহাক ঙাল্লিবা মোমবর্তি অমনি,
অতোপ্পগা ঙানমিন্নবদা খক চোকথবোই।
অযুকসে অঙকপা থৌজাল ঙাক্তনি,
লৈচিল থাংগেবা নুংশা শাগেবা
মসিনা নীংজবা পান্দম ওইনা লেপ্লি,
পুন্সি কৌবা অমগী অহৌবা ওইনা।
মী অমনা হেক পোকপদা পান্দম যামখ্রে,
পান্দম অমম্না মঙলান কযা মঙফাওনহনগনি,
অখন্নবা থবক মযাম পাঙথোক্কনি ব্রাশক্লিবা,
ঐনা নঙবু খন্দনা কবম্না লৈবা ঙমগদগে।

নুংঙাইবা মঙদু মঙফাওনরসনু

নঙনা নুংঙাইনা তৃন্নবা হাযদুনা
ঐনা নঙগীদমক অখন্ননা ফমুং অমা থম্লে.
মসিদা চেকশিন্না শেন্নবগী মোন অমা যাওবে,
ৱাখল তানবগী মোম্পাক ফিদক অমা যাওবে,
ঈং তপ্পা পোত্থানবগী ফৈজুপ অমা যাওবে,
অমদি লাইবক ফবগী মঙ অমসু যাওবে,
অফবা অহীং ওইদুনা নুংঙাইনা পোত্থাবীয়ু।
হাই থা ! নঙগী নঙালদু মেঙহল্লু,
হল্লো নুংশিৎ ! নঙ লিবি লিবি শিৎলু,
হল্লো পৃথিবী ! নঙসু তপ্পা তপ্পা লৈয়ু,
মবমদি ঐগী নুংশিববা মরূপ তৃপ্না চঙখ্রে,
অফবা অহীং ওইদুনা নুংঙাইনা পোত্থাবীয়ু।
হল্লো হাযবসে হেক্তা হাযবা যাদে,
মবমদি কবিগুম্বদা মসিনা কাযনহনবা লৈ,
ঐ যাবে হাযবসে হেক্তা হাযবা যাদে,
মবমদি কবিগুম্বদা ঐ যাদবা লৈ,
অদুবু মসি হাযবদদি যাম্না লায,
ঐনা নঙবু উদবদা যাম্না ৱায,
মবমদি মদুমক তশেংনা তৌই।
নঙগী থম্মোয অমদি থৱাযদা মঙনা লাকই,
মসি মীত্রংগী মতৌগুম নীংশিংলকপদুনি,
মসিদা ৱাখলনা শাবা অমদি অশেংবদু যাওই,
খ্বাইদগী নুংঙাইবা মঙদু মঙফাওনবসনু।

যাইফ পাউজেল

মঙ মঙবীয়ু কবি ওইবীয়ু

লমঙান্না শাৎলি চীংমাযদা চীংগ্রাও মপালনা,
জুম জুম যাম্বি উকাদা খোঙগুনমৈলেনা,
হযীংখোইনা লৈবাং লৈকাদা খোইহী চূপ্লি,
খোইনীং পুঙবানা উশাদা নুর্শিননা তোংমিন্নবি।
চবোং চবোং পোল্লিবা হৈনৌ মপাল,
তুম্পক তুম্পক শাৎলিবা নোবাব মপাল,
তঙাং তঙাং লৈশাৎ তল্লিবা কুবাও মপাল,
যেংবগী পেনবা নাইদে মহৌশাগী খুৎশেম।
উবোকশিংনা লবুক্তা পূমঙৌ ঙৌনা চাক্তাবি,
ঙানু থঙ্গোংশিংনা পূংবা পূংবা পাইবি,
চুমথাঙনা মচু তবেৎ ফূদোঙনদুনা খল্লি,
মযার্মসি ৱাখলদা চিংশিন্দুনা যেংবীয়ু।
তাউবা হূযনা লাক্ল লাক্ল খোংলবসু,
অহীংদু তাশিন্নকনু নাখোক্লুনা তুম্বীয়ু,
চাদবগী পূক্তু লাম্বনা খোংলক্লবসু
ঈশিংদি লৈদনা মদু পেন্না থকচিল্লু।
অঙ্গংবা ফাওবক্লবদি নীংথমথানি,
অশাবা ফাওবক্লগনা ওলাংথানি,
ওমচাক্লবগনা নোংথী নোংমংবনি,
থাবল ফবগনা খঙঙু থানিলনি।
থেঙলবা অহীংনা ঈচীক হূল্লকপদা
থোংনাও লোইনা হাংদোকপীয়ু,
ফমুংদা লোংথ্রাক লোংনা হিপ্পীয়ু,
অদুগা মঙ মঙবীয়ু কবি ওইবীয়ু।

পুন্সিসে অমুক্তং চৎপা খোঙচৎনি

ঐনা পি তাখিবশিংদু হঙ্গৎনা যেংলুববদি
মদুনা ঐবু মতম পুন্নমক্তা নোকহল্লবে,
ঐনা নোকখিবশিংদু হঙ্গৎনা যেংলুববদি
মদুনা ঐবু মতম পুন্নমক্তা কপহল্লবে।
ঐ মতম খঙহন্বা ঘবী অমদি ওইদবা যাই,
অদুবু ঐগী থম্মোযসিদি ঘবী অমগুম্ননি,
মদুনা পুং ২৪ চুপ্পা নঙবু খন্দুনা লৈবিবা।
ঐখোযনা হেক তুমথবগা মঙ মঙবা হৌই,
অদুবু লাইসে তশেংনা যাম্না শিংই,
মানা ঐখোযবু নুমিৎ খুদিং হৌগৎহল্লি,
অদুগা ঐখোযদা খুদোংচাবা কযা পীবী।
মদুনা ঐখোযগী মঙদু মঙফাওনহল্লি,
মতম পুন্নমক্তা মঙফাওনবা ঙমহন্বীসনু,
অফবা মঙফাওনবা ঙন্না পুন্সি ওইবীযু
অফবা অযুক্কী যাইফ পাউজেল পীজবি।
পুন্সিসে অমুক্তং চৎপা খোঙচৎনি,
ঙসিগী মিৎকুপসিনা হযেংগী নীংশিংবা ওনখি.
অৱা নুংঙাই অফ ফত্ত পুন্নমক থেংনবা ঙমউ,
মবমদি পুন্সি অসিমক খূদোলপোৎ অমনি।
নোংমদোন হোগাযবগা নুমিৎ মঙাল হৈথবকপগুম,
লাইনা নোংমদোন হাংদোক্লগা নথক্তা হৈথবক্লসনু
নুংশিবা অমদি হবাও নুংঙাইবা মযাম অমা,
নহাক্কী নুমিত্তু ৱাহন্দোক্লা থনবা অমা ওইবসনু।

অয়ুক্সিদি মপূ মাবু নীংজবগী মতম্নি

মহৈ মশিংগী মবেম্মনা শীংজাখোম্বী,
শা লানগী লাইবেম্নীনা পাম্বোইবী,
পূক্কে লনগৈগীনা ইমোইনু ফৌওইবী,
মখোযশিংসিনা নহাকপু যৌজাম্বীসনু।
খ্বাইদগী অহেনবা লৌশিং পীসনু,
খ্বাইদগী হেনবা হকচাং ফবা পীসনু,
খ্বাইদগী হেনবা পাঙ্গল পীসনু,
খ্বাইদগী যাম্না লন থুম পীসনু।
নহাক্কী পুন্সিচুপ্পা থেংনগদবা নুমিৎশিং
থুম নম্বা যেঞ্জাংগুম্না মহাও লৈসনু,
মনম নুংশিববা মক মবাং থাকসনু,
মহাউ লৈনবা মোবোকসু থাকসনু।
অঙৗংবদা লুম্নু শাবা নুংশা যাইবা ফংসনু,
নুংশা খাঙবদনা অঙৗংবা উকম ফংসনু,
হৈকোন লৈকোন্দা চেন্দুনা শান্নবা ফংসনু,
শম্না হাযববদা মহাওলৈবা পুন্সি অমা ওইবীযু।
পুন্সিসে চৎলু অদুগা নুংঙাইনা হিংউ,
মযামগা মান্নদবা খেন্নবা অমা শেমউ,
কনাগুম্বা অমগী থম্মোযদা থেংউ,
কনাগুম্বা অমগী পূক্নীং যৌগৎলু।
কনাগুম্বা অমগী থৱায হবাওহল্লু,
অদুগা নুমিত্তু হবাও তযাম্না লেল্লু,
মদু অয়ুক খূদিংগী হন্না হন্না তৌ,
অয়ুক্সিদি মপূ মাবু নীংজবগী মতম্নি।

ঐ নঙবু উদবদা য়াম্না ব্রায়

ঐখোযগী খুবক্সে হাঙনা শেম্বীবম্মী,
মদু অতোপ্পগী খুৎ লোনসিনবা যানবনি,
নহাক্কী নুংশিবগী খোযথুম্নববা খুত্তুনা
নহাক্কী খুবক্তা লোনশিন্দুনা লৈনবনি।
মক্নপ ! ঐনা খমথেংনা ঈঙলবদি
নঙগী নখুত্তুনা ঐবু কোনবীবা মথৌ তাই,
নঙোন্দগী ফোঙ ফোঙ শাবদু লৌনবা,
মক্নপ ! ঐ নঙবু উদবদা যাম্না ব্রায।
অমনবা কোল্লিক অহনবা ওম্ভোকপা যাই,
অমুক হন্না হৈদোক্লগা শেমদোকপা যাই,
অদুবু অশেংবা মক্নপ্তি শিন্দোকপা যাদে,
মসিসু নহাক্কুম অঙকপা পোৎ অমনি।
নুমিৎ তাখিবা খুদিংমক্লা পুম্সিসে তেনশিলহল্লি,
ঐখোযনা হিংগদবা মতমসে নোংমা নোংমা,
অদুগা নুমিৎ খোকপা খুদিংনা হেনগৎহল্লি,
ঐখোযনা হিংবগী পান্দমদু নোংমা নোংমা।
ঐনা অদুক্কী মতিক নুংশিজবা মক্নপ অমা লৈ,
যাম্না শেংবা অদুগুম্বা মক্নপ্পু নহাক্সি,
ঈশ্বরনা ঐঙোন্দা নঙবু পীবীবকই,
অদুনা ঐ কবিসু অৱাবা ফাওববোই।
মতম পুম্নমক্তা ঐনা হংই, "নহাক কবম তৌবি ?"
থম্মোযনা খুম্লকই, "ঐনা নঙবু চেকশিন্না শেন্নবি।"
ঐনা অমুক হংই, "ঐ যাওদনা নহাক নুংঙাইবিববা ?"
শোম্বাংননা হাযবা তায,"ঐনা নঙবু উদবদা যম্না ব্রায।"

যাইফ পাউজেল

নহাকসু মোমোন নোক্রো

মায পাকপনা নহাকপু মঙাল থোকহল্লি,
অদুগা ঈশ্বরনা নহাকপু চৎহল্লি,
নঙবু মতম পূম্নমক্তা নীংশিংহল্লি,
নহাকপু ঐগী মরূপ ওইহল্লি।
মালেমসিদা খুৎহৈবা হাযবদু লৈবমদ্রবদি
ঙসিগী মরূপকুম্বা অঙকপশিংসি লৈবম্রোই,
খুৎহৈবশিংনা ঙক্র ঙক্রবা পোৎশিং পুথোকই,
অঙকপনি ঐগীদমকসু মরূপ নঙ শেম্পীবমই।
নহাক্রা অহাউবা চাবদা ঐ যাওদবা যাই,
নহাক্রা লৈ মনম নম্বদসু ঐ যাওদবা যাই,
নহাক্রা থা যেংবদসু ঐ যাওদবা যাই,
অদুবু খুকুম্বদদি ঐবু কাউথোকপীগনু।
মোমোন নোকপা হাযবসে
মী পূম্নমক্রা খঙবা লোল অমনি,
মোমোন নোকপা মমল তিংদে
অদুবু মসিগী মপাঙ্গলদি যাম্না কল্লি।
মসি ঙাইহক্তংদা থোকখিবা ওইববসু
মতম কুইনা নীংশিংদুনা লৈহল্লি,
মোমোন নোকপনা মাযথোঙ ফজহল্লি,
মোমোন নোকপনা মীদু মপূং ফাহল্লি।
ঙসিদি নহাক শোযদনা ফংলমগনি,
মোমোন মিনোক মযাম অমা,
ঐঙোন্দগী অমসু সিদা লৈবে,
নহাকসু মোমোন নোক্রো।

যাইফ পাউজেল

ফজবা হায়বসিদি নুংশিনা উবদুনি

পুন্সি অসিদগী লোইনা ফংগনি নীংগনু
মবমদি ফংবা ঙমদ্রগা থম্মোয শোকই,
ফংগনি থাজকন্দবদা ফংবা ঙম্লর্বদি
মদুদা অঙকপা ফংনা নুংঙাইগনি।
মন্দপ্লা হায, 'ঐবু কাউথোকপীগনু'
শেলনা হায, 'ঐবু ঙম্লমখৈ তানশিনবীয়ু'
মতম্না হায, 'ঐবু চেকশিন্না শীজিন্নবীয়ু'
মহৈনা হায, 'ঐবু ঙম্লমখৈ হৈজিনবীয়ু।
মদুদা মীওইবগী পুন্সিনা নোক্লদুনা খুমই,
''লৈবিবা থাক্তুগীদমক্তদি যাবে !
খবা ফগৎকে হাযববদি খবা ব্রাংলি !
খ্বাইদগী ফগে হাযববদি খবগা হোৎনখো !''
ডাক্তর ওইদুনা পুন্সি কনবা যাই,
উকিল ওইদুনা পুন্সিবু ঙাকপা যাই,
লান্মী ওইদুনা লৈবাকপু কনবা যাই,
হীবম খূদিং লোইনা খঙবা যাই।
খোযথুম্লবা অশেংবা মন্দপ অমা
মালেমসিদা থিবদা তাঙনা ফংই,
ফজত্রবা থম্মোযগী মন্দপ অদো
কৈদৌনুংদা থম্মোযদগী মাঙহনগনু।
ঙাকপিবনা লমন খুম্লদগী হেন্না ফৈ,
চুম্না হৌখিবা থবক ইনাক খুল্লি,
খুৎহৈবদি পুক্লীংগী মমিদু পুথোকপনি,
ফজবা হাযবসিদি মীৎনা নুংশিনা উবদুনি।

মাইফ পাউজেল

নোংমৈ পায়বা তোক্রশি

ঐগী বাবা লৈবন্নবদি ঐ অসুক ৱাজবগ্রোই,
ঐবু নুংশিনা চুপ্পীবগা লাইবিক তাকপীগনি,
ইখুৎ শন্নীদুনা লীলা যেংবা পুবীগনি,
অদুদগী শান্নবা নোংমৈসু লৈবীবক্কনি।

হৃম নোংমৈদি শুংলৈ লৈবক্রোই,
নোংমৈ কাপ্পবদনি বাবানা শিখ্রিবসে,
মীগীদি বাবা কৌনবা লৈবি,
ঐগীদি কনাদা বাবা কৌকনি ?

ইপাবু কনানা শিহনখি হাযববদি
নোংমৈ ! নোংমৈনা পান্দুনা শিহনখি,
নোংমৈদি মী হাৎলি, মী শোকহল্লি,
মীওইবা ফৃকপকী মাঙনবা কযা তৌই।

ঐ মপা লৈত্রবা মচা হাযবদু ওইবে,
ইমান্নবনা 'নপা অশিবদো' হাযবকপদা
ঐনা কপ্পুনা হল্লকখিবদো কাউর্দাব,
ঐগী বাবা হাৎখিবদো নোংমৈননি।

নোংমৈ পাযবা শান্নবা সুকযা য়ানীংদ্রে ঐ,
নোংমৈ মাঙহনখিগদবনি শীজিন্নবোইদবনি,
নোংমৈবু লৈববদি শোযদনা মী হাৎলক্কনি,
নোংমৈ পাযবা হাযবদো পুমতোক তোক্লশি।

যাইফ পাউজেল

নীংশীংহল্লে নঙনা সর্মিলা

ইমাগী মীৎলূদা ঈগী পিবাং শীঙ্খবি,
ইমাগী লাইবক্তা ঈগী চন্দন থিল্লি,
ইমাগী ফিজোলদা ঈনা পূমলূপ লূপ্লি,
ইমাগী থম্মোযদা ঈনা মৈচাক্লবি ।
ইমাগী পুক্সিদা ঈগী মীকপ্পা কপলি,
ইমাগী লবুক্তা ঈগী নোং চুবি,
ইমাগী ফিজোল ঈতনা শঙলে,
ইমাগী লম্বীদা ঈগী খোঙ্গুল তাবি ।
ঈনা তুবেল চেনগ্রবসু,
ঈ কৎপা লেপ্লবোই,
ঈগী খোঙ্গুল তাহৌর্বনি
ঈগী খোঙ্গুল লীনহৌনবা ।
অরাং নোংপোক্কী জযমতী,
কনকলতা, মুলাগাভরু,
ভাবতকী ঝান্সীবাণী, ফুলন দেবী,
সবোজিনী, কস্তুববা, অমলপ্রভা,
মালেমগী মাডব তেবেসা,
মযামসে নীংশীংহল্লে নঙনা সর্মিলা,
ইমাগী ইন্নফি ঈতনা ভাঙলে,
ইমাগী খ্বাংচেৎ ঈতনা লুপলে ।
কংলৈপাক্কী পান্থোইবী, ফৌওইবী, খোইবী,
লিম্লোইঙম্বী, তাংজখোম্বী, থম্বালনু,
তোংগৌ, বজনী, সবী, বাণী গাইদেনলু,
নীংশীংহল্লে নঙনা সর্মিলা ।

যাইফ পাউজেল

মরৈবাক নীংবা নীংবীশিংগী ঈনি

ববিন্দ্রনাথকী 'জন গন মন'
বঙ্কিমচন্দ্রগী 'বন্দে মাতবম'
লাল বহাদুবগী 'জয় জৱান জয় কিসান'
ইবৈবাক্কী ঈশৈ শকমিন্নহৌই।
ভাবত নীংতম নুমিত্তুদা
তাখিবনি ভাবত মচাশিংগীসু ঈ,
মীযামগী যাকাযবোল শকমিন্নখিবনি,
লাইশোল অমত্তা শোনমীন্নবনি।
বাপুজিগী ঈ,
ইবাবতকী ঈ,
তিকেন্দ্রজিৎকী ঈ,
পাউনাগী ঈ ।
থাঙ্গালগী ঈ,
চীংলেনসনাগী ঈ,
নেতাজিগী ঈ,
সমবেন্দ্রগী ঈ ।
মনোবমাগী ঈ
সবোজিনি নাইদুগী ঈ,
ববীন্দ্রনাথকী ঈ,
ডা কমলগী ঈ ।
খোংজোম লানগী ঈ,
নুপী লানগী ঈ,
ইবোম চনু শর্মিলাগী ঈ,
মবৈবাক নীংবা নীংবীশিংগী ঈনি।

ইরৈবাক্তা পোক্মিন্নশি

ইবৈবাক্তা পোক্মিন্নশি,
ইবৈবাক্তা শিমিন্নশি,
ইবৈবাক্তা শান্নমিন্নশি,
ইবৈবাক্তা হবাওমিন্নশি ।
ইবৈবাক্তা চামিন্নশি,
ইবৈবাক্তা থকমিন্নশি.
ইবৈবাক্তা নুংঙাইমিন্নশি,
ইবৈবাক্তা ৱামিন্নশি ।
ইবৈবাক্তা নোকমিন্নশি,
ইবৈবাক্তা কপমিন্নশি,
মালেমসে ইবৈবাক্সি,
অমত্তা ওইবা ইবৈবাক্সি ।
ইবৈবাক নীংবা ঈশৈ শকমিন্নশি,
ইবৈবাক্কী যাইফ ফিবাল পাযমিন্নশি,
কপহন্লোইশি ইবৈবাক মালেমসি ।
ঈশৈগী খোঞ্জেলনা থম্মোয পেলহনবগুম
অযেকপা লাইনা থম্মোয হূবগুম
শৈবেংনা থম্মোয শোকহনবগুম
মবৈবাক নীংবশিং কৎথোক্লে মপুক্সি ।
মালেম শীন্না নুংশিনবা,
মালেম শীন্না যাইফমিন্নবা,
মালেম পূম্বগী শিম্থা পাঙথোকমিন্নবা
মবৈবাক নীংবা নীংবীশিংগী ঈনি ।

যাইফ পাউজেল

অঙাং নাব্রাগী ব্রাকৎ

হৈবাং লোঞ্জানবী লৈবাং লোঞ্জিন্নবী
ইমা নঙগী খোযজিখাদা মিতন্নুবা
অবোনবা পঙ্খৌগী নচা ওইজকবা
হুন্দোকপিবে ঐবু নাবক মোংশোঙদা।
পলেম ইমা নঙগী পীবুক্লুংদগী
তাইবঙ মীকপ থোকচবকপা
হংঙা খোঞ্জেল তমজবকপা
লংশেকপীবেদো মিনুংশি যাওদনা।
পলেম নঙগী খোন্নাংতবু
খৌবোম থন্না থকচদুনা
শমু পাঙ্গল শাগৎচগে খন
লাকচখিবনি ঐ নচা ওইনা।
পঙ্খৌগী শযেং পান্নোম ওইজকগে
পলেমগী মীৎকী মণি ওইজকগে খন
আশা চাউনা লাকচখিবনি,
লংশেকপীবেদো নচাবুদি লোন্না।
নব্রা ওইবা ঐগী কবি ইবালনো ?
পঙ্খৌগী পাযমনা মীবাযবীববসু
পলেম ইমা নঙমক্লুদি কবিগী ?
তাইবঙগী মিনোক কিবগীবা ?
অদুবুনে পলেম হন্দক্কী মপোকসিদদি
পঙ্খৌগী লোঞ্জা হৈকনা মিতন্নবসু
মথঙ্গী মপোক লাংওন অমদদি
ওইবীনু থা তবাখক্কী পলেম পঙ্খৌ।

অশোয়বশিংগী ফল

কবিগুম্বদা সাইন্তিষ্ট অমনা শোযববা
মদু অনৌবা পোৎ পুথোকপনি হায়,
কবিগুম্বদা ইঞ্জিনিযাব অমনা শোযববা
মদু অনৌবা চাংযেংনি হায।
কবিগুম্বদা লৈঙাক্লোয অমনা শোযববা
মদু অনৌবা চৎনবী লোনি হায,
কবিগুম্বদা ওঝা অমনা শোযববা
মদু অনৌবা থিওবিনি হায়।
কবিগুম্বদা শমককপা অমনা শোযববা
মদু অনৌবা শমগী খুককনি হায,
কবিগুম্বদা ড্রাইভব অমনা শোযববা
মদু অনৌবা লম্বীনি হায।
কবিগুম্বদা মপূ অমনা শোযববা
মদু অনৌবা –াখঙ্লোননি হায।
কবিগুম্বদা লাইযেকপা অমনা শোযববা
মদু অনৌবা মোর্দন আর্তনি হায,
কবিগুম্বদা শৈশকপা অমনা শোযববা
মদু অনৌবা মহাওনি হায।
কবিগুম্বদা অইবা অমনা শোযববা
মদু অনৌবা চাংযেংনি হায,
কবিগুম্বদা মচানুপা অমনা শোযববা
মদু মহৌশাগী মহৌশানি হায।
কবিগুম্বদা কর্মচাবী অমনা শোযববা
মদু অশেংবা অশোযবনি হায।

মাইফ পাউজেল

পুক্নীংনা হকচাংসি মমায় চুমই

মীওইবগী ফনবা খন্বা পুন্সিদু মতিক চাববনি,
পুক্নীংনা হকচাং অসি মমায চুমই,
মহাক্কুনা মপূক্নীং অদু হ্রাবকপা ঙন্নবদি,
মহাক মালেমদা অথোইবা মী ওইবে।
খুদোংথীবা থেংনবা ঙন্নবকান্দা মায পাকই,
খাঙবা কন্বা হাযর্বসি লৈ মখল অমগুম্বনি,
মসিগী লৈখলসি মীপুম খুদিংগী লৈকোন্দা হৌদে,
লঙজবকপা মবাল ঙাকপীবনা অথোইবনি।
মী অমনা অমুক্তং ফত্তবা তৌকব্বর্বদি
অফবা মীংচৎতু মীদুদগী মখোঙ পান্দুনা চৎখি,
পোক্লকপদা মীওইবা নীংতম্লকই,
অদুবু অসুম অসুম খৌবী থুজিল্লকই।
ওজা লৈজদবা মীদু মতমনা তন্নীবকই,
মপা অমনা ওজা চামদগী ফবা হেল্লি,
বিজ্ঞান যাওদবা লাইনীংলম্বী মমিৎ তাঙই,
লাইনীংলম্বী যাওদবা বিজ্ঞান মনা পঙই।
নঙগী থম্মোয অপাম্বনা লমজিং ওইহল্লু,
অবাম খৌবাংবনা নশামক মায পাকহল্লু,
থবক শুদবা হাযবসে পোত্থাবা নত্তে,
থবক শুদবা পক্নীংদি অব্রাবনা থল্লি,
মখৌ তাবনা পোৎ পুথোকহল্লি,
তঙাই ফদ্রবদি চৎনবী চঙদে।

মৈ তিক্রৈ 'দুবু মৈদুনা চাক্লবদি শি

অনাবা মীগী খ্বাইদগী মকওইবা হিদাক্তি
পুক্লীং হন্দুবা ৱাখল নুংঙাইহন্বা হাযবসিনি,
মদুনা হিদাক চাবদগীসু হেন্না কান্নে।
ৱাবকপদা হাযনৈ, ''নঙ মী ওইববোই।''
পাওতাক পীনৈ, ''মী ওইনবা হোৎনৌ।''
হাযনৈ, ''পৃন্নমক্তগী হেন্বা মীদি লাইপোক্লি।''
হিংবদা শা ঙা মনা মশিংগী মতেং চঙই,
ঐখোযনা শেন্বা ঙন্নোইদবা পোৎশিংদু
ঐখোযনা মাঙহন তাহন্বগী হক লৈতে।
তিংখং অমনা তিংখং অমা হল্লি,
তিংখং অদো হন্বা লোইববা মতুংদদি
তিংখং অনীমক লংশেকখিবা তাবনি।
অশোম্বনা অকম্বগী মাযোক্তা হৌবা লানসি
অবোম্বা অকম্বা লালহৌ ওইগল্লি,
অচুম্বদা যুম্ফম ওইর্বাননা মায পাক্কল্লি।
খুৎলায পাযবগা যেক্লবা থেংনবা ঙন্নোই,
লৌশিংবু লৈববা লাইবিকপু হৈববদি,
যেক্লবদগী খুৎলায পুমহেল হেল্লবনি।
ইকাইবা নংলবা মীগী মফমদদি
পাইবক্কী লৌশিং হাযবসে শিদহিদাক্লি,
কুচু মুবিবসিগী মবমদি ঙৌদদনা তৌবিবনি।
উন তাবা নিংথমথাদা
অঙ্গংবা কোক্লবা মৈ তিক্রৈ,
অদুবু মৈদুনা চাক্লবদি শি।

যাইফ পাউজেল

ৰাহৈগী মতীক ময়াই !

ৰাহঙ্গোক ফজবা ৰাহৈদি থুমই,
পূক্লীংগী অমম্বা কোকহন্বা ঙমই,
ৰাহৈগী অথুম্বদি মতম শাংনা চৎলি,
ৰাহৈ হাযবসি মপাঙ্গল যাম্লা লৈ।
ৰাহৈনা অকুবা পাউখোঙ ফোঙই,
মঙাল পীদুনা লম্বী তাকপা ঙমই,
নাউশুম ঈশৈনা অঙাং শুন্বা ঙমই,
ফজবা ৰাহৈনা অহন শুন্বা ঙমই।
এঁতে ! থাঙদগী হেন্না মযা থৌই,
মীদুনা ইকায খুম্নবীবা পান্নবদি
মীদুদা হান্না ইকায খম্নবা উৎলু,
অদু ওইববদি নওবু ইকায খুম্নবীবগনি।
চিনিগী অথুম্বদি চিম্বান্দা কুইনা লৈতে,
ৰাহৈগী অথুম্বদি মতম শাংনা চৎলি,
হকচাংদা শোকখিবদি লাযনা ফহন্বা ঙমই,
থম্মোযদা শোকখিবদি মতম চঙই।
খুন্নাইগী লোলদি খুন্নাইদুবু ফাজিন্নবা থৌবনি,
চাউখৎনবগী চঙদ্রবা যাদ্রবা খুৎলাযনি,
ৰাহঙ্গোক ফজবা ৰাহৈদি থুমই,
পক্লীংগী অমম্বা কোকহন্বা ঙমই।
ৰাঙাঙ শাঙাঙ ফজবগস্ন ফজৈ,
ৰাহৈ হাযবসে মপাঙ্গল যাম্লা লৈ,
ৰাহৈনা অকুবা পাউখোঙ খোঙই,
মঙাল পীদুনা লম্বী তাকপা ঙমই।

যাইফ পাউজেল

ৱাহৈগী মপাঙ্গল

ৱাহৈ ! মালেমদা অঙকপা পোৎ অমনি,
লৈজে অকনবা মপাঙ্গল ৱাহৈগী,
লৈজে মপাঙ্গল অফ ফত্ত অনীমক্তা,
ৱাহৈগী মহাও খোইহীগুম্নসু থুমই।
ৱাহৈনা মী অমবু মবাইবক ফহনবসু ঙমই,
ৱাহৈনা থৌজাল পীদুনা ফহনবসু ঙমই,
ৱাহৈনা মী অমদা চৈনা পীহনবসু ঙমই,
ৱাহৈনা থাঙনা যানবগুম যানবসু ঙমই ।
বাহৈনা বোমগুম পোকখাযহনবসু যাই,
ৱাহৈনা লৈবাক অমা কাযহন্নসু যাই,
ৱাহৈ মীনা পুখোকপা অঙকপা পোৎ অমনি,
অদুনা ৱাহৈ শীতিন্নবদা চেকাশনবা মথৌ তাই।
মতম হাৎবসি পৈশানি, বাহৈসু পৈশানি,
অবানবা ৱাহৈনা তাঙখ্রবা মতম মাঙহল্লি,
অবানবা ৱাহৈনা অবেম্বদা শেল মাঙহল্লি,
অবানবা ৱাহৈনা নুংশি মবী থদৎহল্লি।
অবানবা ৱাহৈনা পরিক্ষাদা ফেল ওইহল্লি,
অবানবা ৱাহৈনা মীগী থম্মোয কাযহল্লি,
থৌজালগী ৱাহৈনা মতমশাংনা নুংঙাইহল্লি,
শুক্তোকপা মীৎযেংগী ৱাহৈনা ঈবাক্রহল্লি।
মোমোন্নবা ৱাহৈনা কৎখোকপা ঙমহল্লি,
অচুম্বা তৌবনা হোৎনজমন মহৈ চাহল্লি,
ফজবা ৱাখলনা মালেমসি লাকই,
মবৈবু যেৎনববা লোইবা নাইববোই।

যাইফ পাউজেল

কংলৈপাক মনিপুর !

কনশি চীঙ্গু লাইগী খুঙ্গোক লম,
খোযুম লাইগী শাইওন লম,
কৌব্রু চীংগী চীংদোন্দা
কৌব্রুনা অহাম্বা খুন্তা লম ।

কাউগনুশি নোংমাই চীংগী চীংদোন্দা
নোংপোক নিংথৌনা ঙাঙ্গোইবা লম,
কৌব্রু চীংদোন্না লেম্ফু ওইবা
কংলানা খোযদৌ ওইবা লম ।

যোকখংশি লাইনা শেম্বা লমদম,
লোক্তাক্রা মীংযেংফম ওইবা লম,
হবাবা নোংথাং লৈম অনীগী
কুম্মৈশঙ ওইবা লাইবৈবাক্নি ।

চীঙ্গু লোযাবাকপা মানা
লোইজিং লোযা ঙাক্লগা,
কৌব্রু মার্জিং থাংজিং ৱাঙব্রেন্না
মাযকৈ মবী ঙাক্লিবা লমদম্নি ।

নীংশিংশি নোংদ্রেন লাইবেল পাখংবনা
কংলা মেন্দা তোংবা লম্নি,
ৱাংব্রেন্না লমগী পনখৈ ঙাক্লগা,
সনামহিনা যুমথোঙ খূদিং শেম্বা লম্নি ।

খুরুমজরি ইমা পোক্লফম নঙবু

নুংশিবা মফম থিবদা চৎলুবে লাপ্না
অদুবুনে ইমা লৈবমদবে নঙগুম্বী ।
কবি শুম্মৎযাইনো ইমা নঙনা পীবিবা
কবি মনুংশিনো ইমা নঙনা ফংহল্লিবা ?
লোইবী চীঙদা যেংলে মনুংশি,
তম্পাক লমদা যেংলে মনুংশি,
কবি মনুংশিনো অঙকপা ঈথিলনি ।
নঙ্গী হাযবা পূন্নমক্তা নুংশিবগী মহাও হাপ্লিবা ।
লাইজনুংদগী ফাওগৎলকপা চীংদোর্নশিংনা
থম্বাল লৈনাগুম পল্লোন কোযবিবী নীর্ংথিবী,
চীংদোন খূদিং খোযুম লাইগী খুভম লৈবিবী,
হৌফমসু ইবৈবাক্লি লোইফমসু ইবৈবাক্লি ।
তুবেল খূদিং অশেংবা মফম ওইবা লম্নিদো,
লোইবী চীঙনা পল্লোন কোযবা লম,
পূক্লীং হূনা নিঙথীবা শক্তম্নি ইবৈবাক্কী,
ইবৈবাক্মুক নুংশিবা অমা লৈবমদবে ।
কৌবি চীঙদোনশিংসিনা খুৎলাম তোযনা
ঙাইবি ঐখোযবু মনাক্তা লাক্লুবা,
শিবোই লিলিগী মপাও হংলুশি,
জুকো তম্পাকসু চক্তুনা উন্নর্কসি ।
পান্থোইবীগী শাইওন লম
ফৌওইবীগী খুম্থোক লম,
সলাই তবেৎনা খুন্তা লৈতা লম
খুরুমজবি ইমা পোক্লফম নঙবু ।

নীংতম্বগী ৱাখল্লোন পূম্নমক্না পামই

ইমা ! নঙবু নুংশিজবা মচা মযাম অমা,
ঐনা ঐনা নুংশিবনা হেল্লি হাযদুনা
ইমা ! নঙগী নুংশিবগী যাইবু মুন্নববে,
অঙম তান্নববে, খূৎলায পাযদুনা হাত্তোক্লববে ।
মীওইবা ওইনা পোক্লগা তাইবঙপান্দা
কনা লৈবগে মবৈবাক নুংশিদবা ?
মবৈবাক নীংবা নুংশিবা ঙাক্তনি,
খূৎনুংশি মওঙ মান্নদবগী ৱাতনি।
আলেকজেন্দাব পুরুগী ৱাবীদগী হৌবগা
গান্ধী, সুভাস, ভগৎসিং, ক্ষুদিবাম
থাঙ্গাল, টিকেন্দ্র, পাওনা, চীংলেন
যামখ্রে যামখ্রে থাবগী লোইবা নাইবোই ।
নী°তম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা মপুঙ্গি কখোকখি
ইবৈবাক নীঙবগী ঈহৌ হৌখি,
কবিদগী ? ইবৈবাক নঙবু নুংশিবদগী
ইবৈবাক ইবমদম্বু ঐগী ঐগী ওইনীংবদগী ।
ইবৈবাক নুংশিবগী লোইনাইদ্রবা ঈচেল
ঙসিসু চেল্লি মীওইবগী শিংলিদা,
নুংশিবা মবৈবাক্কী নীংতম্নবা হোৎনবদি
মীওইবগী পোকপদগী লোযনবক্লবা হক্লি ।
নীংতম্বদি থৱাযবু নুংঙাইহল্লিবা ৱাহৈদুনি
হিংলিবা খূদিংমক মনী°তম্না হিংজনীংই,
মীখা পোন্না মীৎকুপ অমত্তা লৈজনীংদে
নীংতম্বগী ৱাখল্লোন পূম্নমক্না পামই ।

ঈগী হৌফম্মি ইরৈবাক !

চেৎনা চান্না যোকপিবকই মালেম ইমানা
মথানুংদা চেৎনা কোম্নীবকই নুংশিনা
চীঙগী তমগী ইচিল ইনাও অনীমক
লৈমীন্নবম্মী ইমুঙ অমত্তা ওইনা ।

চীংদগী চেম্বুবকপা ঈচেলনা ইমাগী খোল্লাংনি
খোল্লাংসে থক্লুনা হিংলি ঐখোয,
পাল্লুবা লবুক লমহাংনা ইবৈবাক্কী লনগৈনি,
মদু কাযখোক্লুনা চাবিবনি নচাশিংনা ।

চেলহল্লশি লাও ইচিন ইনাও ওইবগী
অমত্তা ওইবা নুংশিবগী ঈচেল,
তমগী খোঞ্জেল চীঙদা খোম্বাং যৈহল্লশি,
নুংশিবা খোম্বাংনা পুম্নমিল নিলহল্লশি ।

চীংনা কোযনা শম্বল খাদুনা লৈবি,
লমন তোল্লি পোক্লফম ইমাগী
তাংলিবনি লৌবিবনি চাবিবনি,
ব্রাযখু মচাশিংনা মমা চাখোকপগুম ।

ইবৈবাক্কী লৈকোল নীংথীবা লৈখল শুবি,
ইমা ইপাগীসু হৌফম্মি ইবৈবাক,
ইপু ইবেনগীসু পোকফম শাৎফক্রি,
ঈগী হৌফম্মি ইবৈবাক !

মাইফ পাউজেল

মরৈবাক নুংশিবগী শৈশক্লা য়াকায়নৈ

চীঙখোং চীঙযা উবে থম্মোয শুম্মৎলি,
লৌযা তমযা উবে নচাগী পূক্লীং নুংওল্লি.
পোম্বী চেক্লাগী খোঞ্জেল তাবে মনুংশি,
সিদগী হেন্না নুংশিবা কদাযদা লৈবিগবা ?

ঐগী ইবৈকাই এশিযাবুসু নুংশি
ঐগী ইবৈবাক ওইবা মালেমসিবুসু নুংশি,
ইবৈবাক্কী ঈশিং নুংশিৎনা থৱায হিংহল্লি
মহৈ মবোংনা তবা চীনদম পী ।

ইবৈবাক্কী পোৎচাক্লা ঐখোয তিংলি
মসিদবু কবিগী নুংশিবোই ইবৈবাকপূ ?
মসিনা ওইবতাই ঐনা নুংশিকজবিবা !
অসুক্কী মতিক ঐনা নীংজকবিবা ।

মবৈবাক্লা মীখা পোম্বগী খল্লুবদা
মপি তাদবা নচা কনা লৈবগে ইমা ?
থৱায কৎথোকপা ঙমদবা কনা লৈ ?
মসিনা ওইবতাই ইমা লান শোক্লবিবা ?

চীংবু যেংনা শৈথাবদা পি তানৈ,
তম্বু যেংনা শৈশকপদা থম্মোয নৌথনৈ,
মীওইবগী শৈথা শৈশক মবোন্দা
মবৈবাক নুংশিবগী শৈশক্লা যাকাযনৈ।

হে লাই ! নঙ ৱারমগনি

হে লাই ! নঙ শক লোৎলম্বা ফৈ,
নঙনা কবিগুম্বা নশক লোৎলমদ্রবা
নঙ ৱাকৎ তাবদা ওম্থোক্লা ৱাবমগনি !
মী চান্ম চান্মগী ৱাকৎ চান্মা চান্মা।
মফম মবাং সুকখঙ খঙলগ্লোই,
ৱাকৎচে মযামদুনা চীংগুম পৈবমগনি,
কোযলোৎ লোত্তুনা খাঙলমগনি নঙ,
থল্লমগনি নঙবু উন্নবা লাকপা মীনা।
খবনা হাযগনি নোং চুহম্বীযু,
খবনা হাযগনি নোং হাংহনবীযু,
কনাগী ৱানো নঙনা লৌগদবা ?
হে লাই নঙ ওম্থোক্লা ৱাবমগনি ?
অফবগীসু ফত্তবগীসু ৱাকৎলক্কনি,
অচুম্বগীসু চুমদবগীসু লোইনা নঙোম্দনি,
নঙসে কবিগুম্বা নশক উনবা যাবল্লবা
ৱানোম্বা লাকপনা অঙকপা ওইবমগনি।
হে লাই নঙসে ওম্থোক্লা হৈকো,
লৈদনা নুংশিবা মনম চেলহল্লি,
চুদনা অথুম্বা মহী যাওহল্লি,
নোংমাংখাদনা মহাও খাহল্লি।
অদুননি নঙনা নশক লোৎলিবা
মীপুম খূদিংগা উনবা যাহন্দ্রিবা
অদুননি কৌনবিবা নঙবু নোংদম্বা,
মালেমসিবু শেম্বীবিবা হে লাই।

যাইফ পাউজেল

লাই নঙদি উরিবা নৎত্রা ?

লাই নঙদি পুম্নমকসি উবিবা নৎত্রা,
হাৎপা তুম্নগী ঈনা লৌখোং চেল্লিবা
শিবিবা শোক্লিবা মযামসি খঙলিবা নৎত্রা,
নঙবু যেংবা ঙম্লিববা হে লাই ?
মপূবোযবা কাযনববী লুখ্রাশিং,
থম্মোযদা চৈনা ফংলবশিং অদুনা
লাউ খোংদুনা চৈনা খাঙলিবসি উদ্রববা,
মখোযগী মবাল কযাম লৈববগে ?
মচা শেৎনববী মমাশিং অদুনা
মথবাক্তা খুত্তুম্না শু ওন খোইদুনা
ৱাকৎলিবসি নহাক তাদ্রববা,
কবিগী ঙকচাও থেক্লিবনো নঙ ?
নহাক্তি শাগৎপসু থুগাইবসু ঙম্বনি,
তৌবা ঙম্বনি হাযবিববা,
নর্গাক্তি লাইনি কবিসু নাচুংবিদে,
হে লাই পুম্নমক্কী মপূ ?
মালেমদা অচুম্বা পুবক্লবা
নহাক্লা লাংওল্লিবা নৎত্রা হে লাই,
ঈং তম্নগী শাইওল্লিবা হে লাই ,
অদুগা কবিনো নঙনা তৌবিবসে ?
তাইবঙ শেম্বা মপূনি হাযবগা
মীগী ঈসে নহাক যাম্না থৌবাংববা,
লাই ওইবনিনা নঙ থম্মোয পান্দববা,
মী হাৎপসি তৌদ্রবা যাদবা থবক্লা ?

মচাদা মপাগী পাউতাক

হৌগৎলো ইচাশা হৌগৎলো
চাক্লদৌবে লৈবাক্সে অৱাবগী মৈবিনা
থবক্কী লান্দা থবক কিববদি
কবম্না পুবকনি পুন্সিদা মায পাকপা ।

চা চন্দন পান্বী অমা হৌবনা
উমং পূম্নমক মনম নুংশিহল্লি
উ লেপকং অমা হৌবনা
উমং পূম্বা মৈনা তুম্না চাকহল্লি ।

অফবা মচা অমা পোকপনা
মপা মমা লাইবৈবাক্তা যৌহল্লি,
ফত্তবা মচা অমা পোকপনা
মপা মমা লৈখা তানা থিংথৈ ।

কবিগী ফত্তবা থবক তৌদুনা
শিবা পান্নুবিবনো অনীবক অন্থমলক ?
থৌজাম্বীগদবনি ইচাশা নখোযনা মখোযবু
কাবগী ঙাইগদৌবিবনো মখোযগী থৌজাল ?

হংগনু মানা কবি তৌবীবক্লবগে !
হংউ ঐনা কবি তৌফম থোকপগে !!
থবক শুবা নেকপা যাই
পুক লাম্বা নেকপা যাদে ।

যাইফ পাউজেল

থবক্কী মনুংদা ঐহাকপু থিবা ফংগনি

অপঙবা, অতনবা, হোৎনদবা
ইশাদগী লাপ্পা চৎহনব্রশি,
কনানো লৈথোক্লিবা অবেম্বদা ফমদুনা
লৈবে ঙাইদুনা থবক্কা ঐখোযবু ।

ইচাক ইবল পীবগে লৌজৌ হার্যবি,
লৌবুক লমহাংদা ইবল তাদুনা লৈবি,
শুক্লবা চীংনুংদা ইচাক ইবল ব্রাত্তনা পৈবি,
মাযকৈ খূদিং ঙাইদুনা লৈবে থবক্কা।

লেপ্পা মাযবোঙ যাগদবনি,
হুমাংনা মমল পীবগতা ফঙ্গদবনি,
চাক্লবা থম্মোয ইঙহল্লশি,
তিংলশি পাম্বোম মালেমগীদমক্তা।

হোৎনবনা অখোযবা লম্বী চুমথোকপা ঙম্মী,
যোকখৎলসি ঐখোযগী ইচা ইনাউ,
যৌফম থোকপা ইথৌ মশক খঙলশি,
মাযকৈ খূদিং লৈবে ঙাইদুনা থবক্কা।

নোংদম্বা ইবুংঙো মহাক্কা হাযবি,
"হে মীওইবা ! থবক্তা চোংশিল্লু,
লাইশঙদা ঐহাকপু থিবগনু,
থবক্কী মনুংদা ঐহাকপু থিবা ফংগনি।"

নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা

পূন্নমক নঙগী ঙাক্তনিকো হে নীংতম্বা !
মবৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা
মবৈবাক নীংবা অথৌবা মচা কয়ানা
নোক্লা নোক্লা মীহাৎ সগাই কাখিবা।

নীংতম লালহৌদি লোইবা খম্বা নাইদে,
মবৈবাক নুংশিবগী পনখৈ লোম্বা লৈতে,
নীংতম্বগী শৈবেং শৈবোল লেপ্পা ঙমদে,
ৱাহৈগী লোঞ্জল ঈচেল লেপ্পা ঙমদ্রি ।

হূবাল্লবা পোত্তু উৎলগা লোম্বসু লৈ,
নমথিবা মনম অদু নমনীংবসু লৈ,
খায হাযবা পোৎতু চানীংবসু লৈ,
যেংবা যাদবা পোত্তু যেংনীংবসু লৈ।

কান্নদে খঙলবসু কপ্পগা পেনবসু যাওই,
তোংজদে খঙলবসু মাঙবদা নুংঙাইবসু যাওই,
নর্মাথ খঙলবসু কোৎলগা নমনীংবসু যাউই,
মসিদনি মৈবানবীনা মৈবীদা চোংশিল্লিবা।

যাইফ পাউজেল

তায়োন্নবদা নুংঙাইবা

সমুদ্রগী ঈবাওখোন্দা ঈশৈ অমা যাওবি,
অশুকপা উমংদসু নুংঙাইবা অমা লৈবী,
ৰা ঙাঙদবা মহাক্কীসু অনীংবা অমা লৈবী,
অহাওবা পোৎ অদুদসু হূ অমা যাওবি।

থাবলনা ফজজবদা যেংনীংবা অমা যাওবি,
অচীকপনা পূক্লীংবু ঈবাং হৌহনবা অমা যাওবি,
মণি মুক্তানা ঙাঞ্জবদা শুক্ষৎপা অমা যাওবি,
কৈশুমশঙদ লৈবনা হেন্না পামজবসু যাওবি।

অখাবা পোত্তসু চানীংবা লৈবনি,
অৰাবদসু নুংঙাইবা লৈবনি,
কপ্পদসু নোক্লীংবা লৈবনি,
ৰায হাযববসু ৰানীংবা লৈবনি।

কাঙলূপ তিন্নদবা মশেল কযাদা যেংথিনবিবা '
মখোযনা যেংথিনবা উরুবগা ঐনা ঙকখি,
মবমদি কাঙলূপ তিন্নদবী মাগা ঐগদি নুংশিনবি,
ইবান্নীদি তাযোন্নবদা থম্মোয শোক্লা কপমিন্নবি।

নুংশিবগী মমল

মালেম অসি ব্রাখলগী পাম্বীদা যেত্তুনা
থব্রায পানবনা হিংনবা ঙাক্তনি,
পান্দম হাযবসি তুংগী থব্রাযনি,
পান্দম যাওদ্রবদি অকংবা উপালগুম্লে।
পান্দম্লা নুংশিবগী কংলবা শক্দা
ফজবা শাদোং ওইদুনা যোমই,
নুংশিবগী লমন্দো অব্রাবনা শিংঙমদে,
পুন্সিগী লমন্দো নুংঙাইবনা মেনঙমদে ।
কাযববা থম্মোযগীদি লৈকংল্যানি মালেমসে,
মীৎ অসিনা উকদুনা অপাম্বা পোকহল্লে,
থম্মোয অসিদা নুংশিববু খঙহল্লে,
অপাম নুংশি মযাযবু কাহল্লে।
অপাম্ববু খঙলমদ্রবা নুংশিববু উবমদ্রবা
অব্রাবা হাযবদো খঙজবল্লোইদবনি,
নুংশিনবা কাযনবদা ব্রাবোইদবগুম খনখি,
অদুবু কযাদা থম্মোয কাযবক্লিবা।
মবক্লীংদা ব্রাবৌনবা লৈখিবদগী
উন্নদনবা লোৎনবসু কযানি।
নুংশিবা হাযবা পোৎশক্সি
লাইনা মীওইবদা পীবক্লবা খুদোলনি,
মী পুম্নমক্কী মসি লৈবনিদি হাযবগা
মশাগী নত্তনা অতৈগী মমন্দি খন্থনকদে।

যাইফ পাউজেল

লাইরিক্তা য়াওই

লাইবিক্তা লাইগী লীক্লম যাওই,
লাইবিক্তা লাইশু যাওই,
লাইবিক্তা পুক্লীং লৌশিং যাওই,
লাইবিক্তা চৎনবোল যাওই ।
লাইবিক্তা যাওদবা কবি লৈ,
লাইবিক্তা ইদবা কবি লৈ,
লাইবিক্তা তাক্তবা কবি লৈ,
লাইবিক্তা নৈনদবা কবি লৈ ?
লাইবিক পাবা থোক্তবা মীৎতাঙবনি,
লাইবিক ইবা হৈতবা লোন থোক্তবনি,
লাইবিক্তা যেংঙু মী ওইগে হায়ববদি,
লাইবিক্তা ঙাঙঙু মী থোইগে হায়ববদি ।
লাইবিক্তা থনম্লবা শিবা নাইববোই,
লাইবিক্তা লৈহৌববা মাঙবা লৈববোই,
লাইবিক্তা যাওববা লাই ওইবে,
লাইবিক্তা ওলহৌববা লাইশু ওইবে ।
পৈশানা অফবা যুম পীবদি ঙম্বা যাই,
অদুবু নুংঙাইবা যুম অমদি ওইবোই,
পৈশানা অহাওবা ইনশাং পীবদি ঙম্বা যাই,
অদুবু অবাম খৌবাং পোকহনবদি ঙম্লোই ।
পৈশানা অকে অমৌ পীবদি ঙম্বা যাই,
অদুবু অপেনবা পোকহনবদি ঙম্লোই,
পৈশানা হিদাক অমা পীবদি ঙম্বা যাই,
অদুবু মদুনা হকচাং ফহনবদি ঙম্লোই ।

মালেম ইমাগীদমক্তা হিংশি

তম্মী চীংমী খাযগদবা নত্তে,
মীওইবা পূম্নমক্কী হিংশি,
তেংবানবা পূম্নমক্কী হিংশি,
খেন্নবা লৈতে মীগা মীগগী মবক্তা।
অমত্তনি ঐখোয যেলহৌমীনি,
অমত্তা ওইবা মালেমগী,
অমত্তা ওইবা নোংমদোনগী,
অমত্তা ওইবা মীওইবগী।
হিংদ হিংলবদি মালেমগীদমক হিংশি,
মালেমগী লাইনীংদা হিংশি,
মালেমগী চৎনে কাঙলোনদা হিংশি,
মালেমগী লৈঙাক ব্রাযেলদা হিংশি।
খোল্লিবা কোবৌ ঙাল্লিবা মঙাল,
খোল্লিবা থাজ ঙাল্লিবা থাবল,
খোল্লিবা থব্রাম্নিচাক উবিবা ঙম্নমক
ঐতগী ওইবা যাবা নত্তে।
কালেনগী নুংশা নিংথমগী উল্লেন
শিৎলিবা নুংশিৎ কল্লবা নোংজু
অশাৎপা লৈগী নুংশিবা লৈনম
ঐতগী ওইবা যাবা নত্তে।
হিংমিন্নশি হাযদুনা হিংলবদি,
হিংমিন্নবিবা পূম্নমক্কী হিংশি,
তমগীতা নত্তে, চীংগীতা নত্তে,
মালেম ইমাগীদমক্তা হিংশি।

যাইফ পাউজেল

থাবলনা লোইনা য়ৌরমগনি

আহ ! করিগী মফজনো
নুমিদাংৱাইবমগী নোংমদোনসে,
কোবৌনা চীংদোম্দগী লৈথখবে,
ঙাঙ্গ্রোনবা সনাগী মশেক্লা শল্লক্লে।
উপাল ৱাপালশিংগী মথক্তা,
অশংবা নোংমদোন্না থাকল খল্লক্লে,
কনাদা হাযকনি কনাদা তম্লুনি
ফজদ্রা মহৌশা লাইবেশ্নীগী মফজসে।
মচুগী ঈপাক্তা মচুগী ঈপোম হৌবে,
মচা কাযনখ্রবী মমা লুখ্রাবীসির্দদি
ফজবসে মঙোন্দা ফাওবমগদ্রা,
খল্লমগদ্রা ফজদ্রা ঈংদ্রা হাযনা।
মমাঙ চীংগী চীংদোন মকমদগী,
লৃপাগী পুখম মাল্লবা থাজনা,
যাম্না তপ্না ঈংনা মোং হাদনা,
খজিক খজিক লীৎখৎলকপদু উবকই।
আহ ! থা অসে কযাদা ফজবিবা,
ঐগীনি হাযজনীংই ঐগী ওইজনীংই,
ঐগী লৈফমগী মপাদা উবা থাজসে,
ঐগীনি হাযনা খঞ্জবদা কনানসু যেৎলক্লোই।
নুপীশিংগী থোৎলবা মাযথোঙদসু,
ৱায ৱায তাবিবা শন্নাংদসু,
নীক নীক লাউবা ইপাক্তসু,
থাবলনা লোইনা যৌবমগনি।

যাইফ পাউজেল

ৱাখল নঙ চুম্না খনশি (১)

হে ৱাখল কৌবা লাই !
নহাক্কিনি ঐনা খ্বাইদগী ঙক্লিবসি,
নঙনা ওইবা যাদবা অমত্তা লৈতে,
নঙনা ঙমদবা হাযবসু লৈতে।
নীংলকপদা হেক্তা যৌহল্লি,
খল্লকপদা হেক্তা ওইহল্লি,
নঙ ফববা মী অদু ফবে,
নঙ ফত্ত্রবদি মী অদু ফত্ত্রে।
নঙ্গী মশকসু খঙদে নওঙসু উদে,
'সিনি হাযদুনা থিন্দুনা তাকপসু ঙমদে,
নহাকপু ঙক্তে কবম হাযগনি ?
নহাকপু পাঙ্গলবনি কবম হাযবোই।
খ্বাইদগী নুংঙাহহন্বসু ঙমই নঙদি,
খ্বাইদগী ৱাহন্বসু ঙমই নঙদি,
খ্বাইদগী লূম্বা পোৎলূমসু নঙনি,
খ্বাইদগী যাংবা পোৎযাংদুসু নঙনি।
চেক্লাগুম ইশা পান্দুনা পাইহনবসু ঙমই,
লৈচিলগী লৈবাক্তা কোযহন্বসু ঙমই,
লৈনুংদা কুমদুনা শান্নহন্বসু ঙমহল্লি,
নঙোন্দা যাদবা হাযবা সুংলৈ লৈতে।
মীওইবা পূম্নমক নঙনা তোংলগা যৌই,
যৌবী থুদুনা চিংলগা হোইদুনা পুই,
যৌবিবা নঙ ফববা মী অদু ফবে,
ৱাখল নঙ চুম্না খনশি।

ব্রাখল নঙ চুম্না খনশি (২)

ব্রাখল নঙনা ঙমদবা হাযবা লৈতে,
নঙনা যাদবা হাযবা লৈতে,
থব্রায পান্নগা পান্দবগা ব্রাবী শানবসু ঙমই,
নঙদি নাপঙবগসু লোল ফাওনবা ঙমই ।
নঙবু খোঙ লোনশিন্দুনা থম্নবা
যুম লৈতে, উপু লৈতে, জেল লৈতে,
নঙদি থম্মোযনুংগী অঙকপা ঈহুন্নি,
লাকপা খঙহৌদে, চৎখিবা উহৌদে।
তৌবিবা পূম্নমক নঙনা তৌবিবনি,
ঙাঙলিবা পূম্নমক নঙনা ঙাঙলিবনি,
অফবা ফত্তবা মী খঙলিবসি
খল্লিবা ব্রাখল নঙগী নশক্তনি ।
নোংমৈনা কাপ্পুনা মীনা মীবু হাৎলি,
মপাম্বোংদদি নোংমৈনা মী হাৎপা ওইনা উই,
তশেংবদি নঙনা মীদু হাৎলির্বনি,
নোংমৈদুদি খুৎলায ওইকবগী ব্রাতনি ।
নঙনা মীবু মী ওইহল্লি অফবা তৌদুনা,
নঙনা মীবু শা ওইহল্লি শাবমচৎ চৎহন্দুনা,
নঙনা মীবু লাই ওইহল্লি লমচৎ ফজহন্দুনা,
নঙনা মীবু মীথোইহল্লি কথোকপা ঙমহন্দুনা ।
মী ওইবা, শা ওইবা, লাই ওইবা ঙম্নমক
নঙগী পোথোক ঙাক্তনি হে ব্রাখল !
ব্রাখল নঙসে মীদুগী অশেংবা মশক্নি.
ব্রাখল নঙ চুম্না খনশি।

থিরকখিগনি অশেংবা নুংশিবা

নুংশিবা মহাক অদুবু
মীৎফমগী ৱাংমদা থমগনু,
নুংশি লীপুন চেৎহনগে হায়ববদি
লংশুং যাম্না পীকহনগনু।
নীঙজবিবা অদু লেঙদনা থম্মু,
মীৎযেং কাবন চলহনগনু,
তমথিবা যৌদোক লাক্কনি,
তুংদা নীংঙমদবা ওল্লক্কনি।
নুংশিবা হায়বা পোৎশক্তি
নোংদম্বনা পীবক্কবা খুদোলনি,
মী পুম্নমক্কী মসি লৈবনিদি হায়বগা
মশাগী নত্তনা অতৈগীদি কযা খন্থনদে।
মহাক অদু ইখঙ খঙহৌদনা
নোংমা অমুক লম্বীদা উন্নবদা
হংবতমক মহংনৈ, 'কবম পাল্লি ?'
উন্নদনবা লোৎনবসু কযানি পুন্সিদা।
ফাংপ্রবা ঈচেল অমুক তিন্নবদবগুম
মবুক্কীংদা ৱাবৌনবা লৈখিবদগী
ইবাল লৈতনা থাদোক্কীংলবসু থাদোকউ,
অদুবু মথক্তা মপূ অমা লৈ কাউগনু ।
মসিমসু কাউগনু নোংমা নিঙল্লক্লোই,
মসিমসু খঙউ নোংমা নহাক কপ্লকখিগনি,
মসিমসু কাউগনু নোংমা নহাক খিবকখিগনি,
অশেংবা নুংশিবা কদাযদা লৈ হায়না।

মাইফ পাউজেল

মপূ অমা লৈরি খঙননবা

ইবুধৌ ইবেন্দৌ লৈবম্মদগী ইপু লৈবম্মনি,
ইপু ইবেন লৈবম্মদগী ইপা লৈবম্মনি,
ইপা ইমা লৈবম্মদগী ঐ লৈবম্মনি,
ঐগা নুপীগা লৈবম্মদগী ইচা লৈবনি।
চৎথবকপনি ঐখোয় পাথাঙ পুথাঙকোক্তগী
লীশাংশিংনা মালেমদা নোংদম্মগী থৌজালনা
পুন্নমকপু শেম্বীবা মপূ লৈবম্মদগী
লৈবনি ঐখোয় নীংথিববা মালেমদা।
মুৎনাইদবা তেংবানবগী মশাইগোন্দা
শমথবকপনি ঐখোয় শুথাং শুবোল,
শৈথাখিশি ঐখোয় শেম্বীবকপা মপুবু
মাগী খূৎশেম ওইজবা ফংবগী।
শিবগা যৌগদবা লৈথক লৈখা
কনা যৌখি কনা যৌখিদে,
কনা নুংঙাইখি কনা ৱাখি,
কনা লৈবী মদু উকবা মী ?
শিবগা নত্তে অফ ফত্তগী মহৈ চাবা
শিবগা নত্তে নোংদম্মনা ৱাবক্লকপা,
তাক্লিবনি ৱাহৈসিনা ফত্তবা তৌদনবা,
মপূ অমা লৈবি খঙননবা।

মসিদা হিংজবনি ঐ

কোয়না চত্তুনা থিকই ঐ
নীংতম্বা পুন্সি হাযবদুগীদমক
অদুবু কনাবুনো নীংতম্মী হাযগদবা,
কনাবুনো নীংতমদে হায়গদবা ?
অচৌবগীসু চাউনা ঙম্বা লৈ,
অপীকপগীসু পীক্ক ঙম্বা লৈ,
অঙম্বগী মথক্তসু অঙম্বা,
ঙমদবগী মখাদসু ঙমদবা।
অঙম ঙম্মদগী মবকসিদা
কনানা কনাবু ঙম্মিবনো ?
অমম অঙানসু ঙম্লৈজে,
নীংতম্বা ! ঝাহৈসিমকসু নীংতম্লববা ?
মবাল লৈবা মীওইতনা
চৈবাক হেক্তা ফংবা নত্তে,
মবাল ইবৈ লৈজদবা মীওইসু
চৈবাক ফংবা যাওদবা নত্তে।
নাপলসিদা নংলমদ্রবদি ঐ
হিংবা ঙম্লমখিগদবা ঐ !
মী ওইনা মীওইলকসিদা ঐ
পান্দম অমগা লোযননা ঐ।
যাযতোং খমদোংবা মপূ মনাই
পূম্নমকসু নাপলসিদা হিংলিবা ঙাক্তনি,
নাপলসিদি থাদোকপা ঙমদে ঐ,
মবমদি মসিদা হিংজবনি ঐ।

যাইফ পাউজেল

ওইহল্লশি ঈং তপ্লবা মালেম

নঙগী ইমাসু ঐগী ইমা
ঐগী ইমাসু নঙগী ইমা
নঙগা ঐগা কবি থোক্রে ?
ইবান্নী য়েংথিনফম থোকপবা ?
নঙগী খুৎলাযনা নোংমৈ,
ঐগী খুৎলাযনা খোর্জে,
নঙগী থম্মোযদা য়েংথবা,
ঐগী থম্মোযদা নুংশিবা।
ইমাগী ইকাযখুম্নবা তেমশিংনখিবসু,
ইতু ইচাগী ইকাযখুম্নবা মাঙহনখিবসু,
ইচল ইচেগী খুদাং পার্যখিবসু,
খাঙজে কাযববা থম্মোয পুবদুনা।
পুযা মৈ থাখিবগী মৈচাকসু,
জুকো ভেল্লি পীথোকখিবগীসু,
মীহাৎনবা আইন থম্বগীসু,
খাঙজে খুৎ শা প্রোক প্রোক থেক্লদুনা।
ইমুং অমদা ইমুং কযা থোক্লক্রে,
লৈকায অমদা লৈকায কযা শেন্লক্রে,
মী অমগা মী অমগা যানবক্তবে,
ঐনা চুমই মানা লাল্লি তৌনবক্রে।
নঙ ঐ নুংশিনা হিংমিন্নশি,
নঙ ঐ নুংঙাইনা পাম্মিন্নশি,
মবাল লৈতবা মী হাৎনগুমশি,
ওইহল্লশি ঈং তপ্লবা মালেম অমা।

যাইফ পাউজেল

থবায়গী শাদোংদি হকচাংনি

থবাযনা হকচাংদা তোংলগা চৎলিবনি,
হকচাংদি চৎথোক চৎশিন যাবা লাইশঙনি,
লেঙথোক লেঙশিন যাবা লাইশঙসিদা
থবাযনা লাই ওইনা ঙান্দুনা লৈবিবনি।
থবাযনা হবাউ তযাম্বা পুন্নমক
হকচাং ফবগী মখা পোল্লি,
হকচাং ফৎত্রবদি পুক্রীং চঙবা ঙমদে,
পুক্রীং চঙদ্রবদি অনাবা পোক্লকই।
চিঙ্গাক হাযবসি হকচাংগী হিদাক্কি,
নাদ যেক্তনবা মক্তওইবা পোৎচঙনি,
হূ ওইবা চিঙ্গাক চাবনা হকচাং ফৎহন্দে,
ফত্তবা ৱাখলগী হৌবকফম ওইহল্লি।
মীদুগী হকচাংনবু মনুংঙাইত্রবদা
পোত্থাবা হাযবদু কদাযদা লৈবগে ?
লাইশঙসিনবু শেংলবদা লাইসু হবাউনা লৈ,
হকচাং ফত্তবদা নুংঙাইবা লৈববোই।
নুমীৎকী মঙালনা অমম্বা তাম্লোকই,
থবায পাম্বা পোৎ কযা কযা হিংহল্লি,
মালেম অসে মীওইবনা লৈগদবা ফম্বাক্কি,
ফম্বাক্সি মোৎলবদি ঐখোয কবি ওইগনি ?
থবাযদি শিবা হাযবা লৈতে
অনৌবা হকচাং অমদা চঙবতনি,
অনৌবা মপোক অমদা ওনবতনি,
থবাযগী শাদোংদি হকচাংনি।

যাইফ পাউজেল

ইরোল ইয়েক কনসি

মৈতৈ নখোযগী নমালোল লৈজববা ?
মৈতৈ নখোযগী মযেক লৈজববা?
পাউখুম পীনবা হোৎনবদা ব্রাহ্নংশিংসিগী
থম্মোয কাযখিবনি মীতৈ ফুরূপ।
খাঙখিবনি মীত্তা পি শীন্নদুনা,
বেঙ্গলীশিংনা তখত্তুনা হংলকপদা,
খুম্ননবা হোৎনখিবনি মতমদুদা
ইবোল ইযেক লৈজবকই ঐখোযগী।
ঐখোযগীনি হাযবদা অমত্তা ব্রাত্তে,
মীবোলনা লাইবোলনি খল্লম্বা
অপোকপী ইমাবু মীবাযকববা নচাশিং
ঙসিদি খোম্লেন মীকপ থোবক্লে।
ইমাগী খোঙ্গুল লীক্লম থিবক্লে,
পঙথকববা মীৎ খংশিং শিংলক্লে,
নীংথম উল্লেন নংলুববা ইমাগীদমক
ঐখোয লৈবী চোংথোবক্লে।
খুন্নাই অমগী লোল হাযবসিদি
খুন্নাই অদুবু ফাজিন্নবা থৌবীনি,
নুংশিজববা ইবোলসি কম্বা ঙমদ্রবদি
খুন্নাইসে নোংমদি মাঙখিবা শোযদবনি ।
অচঙবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙম্নবা
ইবোলবু নৌনা লৈখোঙ শোন্নসি,
ইযেকপু নৌনা যোকখৎলসি,
ঐখোযগী ইবোল ইযেক কনসি।

ঈরোলনা ইমানি ঈয়েক্না ইপানি

ঐখোযনা হেক মীওইনা পোকপদগী
ইমাগী মতম্পাক্তগী হৌনা লোল্লক্লবা
ইমা হাযবদগী হৌনা তল্লক্লবা
ইবোল অসিবু মীবাযফম থোক্তে।
মীবোলবু খঙজিনবদি ফৈ,
ইবোল ইযেকপু মীবাযবদি ফত্তে,
মীগী মবোল মযেক অদুনা
ইবোলনি খন্না শীজিন্নবদি ফত্তে।
ইবৈ খৎপা ঙমদুনা ঙাঙবা হৈজবিবা
ইমানা তম্বীবা ইবোলগী মপান্ননি,
ইহৈ ইশিং তমদুনা ইবা হৈজবিবা
ইপানা তম্বীবা ইযেক্কী মপান্ননি ।
মীযাম মবক্তা তিঞ্জবা ঙমজবিবা
লাইবিক ইদুনা লৌশিং পৈশিঞ্জবিবা
অফ ফত্ত ফোঙদোকপা ঙমজবিবা
ইবোল ইযেক অসিগী মপান্ননি।
ইমা ঈপাদগী ফংজবম্না পূন্নমক
ইবোল ইযেক্না লোইনা তৌবীববে,
অদুনা ইবোলসে ঐগীদি ইমানি,
ঈযেক অসিনা ঐগীদি ইপানি ।

যাইফ পাউজেল

অনৌবা চহী হৌরে

লমতা থা লোইবে,
অবিবা চহী খল্লে,
শজিবু থাগী নোংমা পাল্লে,
অনৌবা চহী হৌবে।
থম্মা খেঞ্জোং থিনগৎলক্লে,
মাধবী লৈবাং লৈশাৎ তম্লক্লে,
উবিবৈনা লৈবাং লৈনম যেল্লক্লে,
কুশুমলৈ লৈবাং লৈকা ফল্লক্লে ।
চুম্মাংলৈ মোমোন নোক্লক্লে,
চীংথ্রাউ লৈকা ফন্না শাৎলক্লে,
অঙাঙবা কুবাউ মপাল শাৎলক্লে,
হৈখা মপান্না পুমঙৌ ঙৌবক্লে।
চুম্ব্রে মপান্না চবোং যাল্লক্লে,
হৈনৌ মপান্না মহৈ ওল্লক্লে,
কুমগী লেনগা শীংনবক্লে,
পুক্রীং অসে নৌহৌনবক্লে ।
মপুং ফাবক্লবী থাজনা
ঈঙনা চীক্লা ঙাম্দুনা লৈবি,
উন চেনবা নুংশিৎনা শিৎপদা
থাজ মাসু ঈঙলমাল্লে।
পাববা লৈচিলগী ঙৌকনবা
ইন্নফি অমা ইন্দুনা লৈবল্লে,
ইন্নফিদগী থক্তোক্লকপা মঙালদুনা
থাজগী ফজবা অমুক্লা হেনগৎহল্লে ।

কায়নদবা য়াদবা পুন্সি খোঙচৎসিদা

মালেমসিদা লাকখিবনি ঐ ব্রাখল চাউনা
কবিসু অমত্তা তৌবা নংহৌদ্রে,
মতমদি যৌশিল্লক্কে হন্ননবা,
কবি পুদুনা হনগদৌবি ?
ঙাইবি ঐনা পুন্সি লম্বীসিদা
লাকপবা হায়না তোংননবা গাবী
পান্দম কয়া থন্নদুনা পুন্সি খোঙচৎকী
খঙহৌদে তাশিল্লক্কে নুমিৎ পুন্সিগী।
ঐবু শাখিনা ঈবাক্ক হনখিবা
নঙনা লৈখিদবগী তাবিখসি
থা অসিগী মনুংদা যাওবমদ্রবা
ঐনা কয়াদা নুংঙাইজবমগবা ।
হৌখ্রবা পুন্সিবু নীংশিংদুনা
খাঙঙমদ্রবা মৈচাকসি খাঙদুনা
থাংলি খোঙথাং থাংদবা যাদবগী
পোকপা শিবা হৌনবীনি খন্দুনা।
পুন্সি খোঙচৎকী লোইবমদাইসিদা
কবিনো পাইবিবসে থম্মোয অতিযাদা
কবিনো ঙংলিবসে পৃক্রীংগী লৈকোন্দা
তাউবিবসে মশেন মবাং ব্রাখলগী ঈপাক্তা।
নুমিৎসিনা লাকপসিদা কাউবা ঙমদে
মিকুপ অমত্তং মীৎকী পিগা লোযননা
অবোইবা খুৎ হাইজবি কাযনবগী,
কাযনদবা যাদবা পুন্সি খোঙচৎসিদা।

যাইফ পাউজেল

খোল্লাং লমন শিংবা শকচগে

শকচনীংইদা ইমা নঙ্গী মীংখৈবোল
খঙজনীংইদা ইমা নঙ্গী যাকাযবোল
তাজনীংইদা ইমা নঙ্গী যাইফখোল
নচা ওইবা তোল্লবা ঐহাক্না ।
নপাবী নমোম ঐখোয় ইশুংলাং
পাযমা নুংখন্নবিবী পিবুক নুংজেংনবিবী
মৈশা মৈরাযনববী ইমা নঙগী লমনসে
শিংলন্নগে নচাগী মীৎকী পিশিতনা ।
খোল্লাং ঈথক তবং হৌ
থাখুম ফিজেৎ পূমচোৎ চোৎ
পাবী মোমু খোল্লাংলিঙৈ থাশেৎনবন্নগা
চবা থীবা কোযনা চৎখিবী ইমা ।
পেনা লূবেলনা ওযগী থাদা থোং
পেনা লূতোম্দা খুৎ ওযনা পায
পেনা চৈজিং খুৎ যেৎনা চিং
শকচনিংই ইমা নঙগী নতিক নযায ।
মীৎকী পিনা নখোঙ শেংজদুনা
নঙগী ৱাখলদা লূপচগে থম্মোয,
ফূদোকচবা ঙমদ্রবা নুংশি ঈফুৎসে
শিংজবা শক্লগে পিসিনা খোল্লাং লমন ।
মীৎকী পিসিনা লৈবাং শক, কৎচগে,
থম্মোয শেংনা পবেং লেং, হুকচগে,
লৌবীযু কৎচবি ইমা নচাগী পিবাংসে,
খোল্লাং লমন শিংবা শকচগে।

অওনবা হায়বসিমক পুন্সিনি

ওইখোক্তবা হাযবসে অতনবশিংগী ৱাহৈনি,
ওইখোক্তবা হাযবদি হোৎনদবা হাযবনি,
ওইখোক্তবা অমা শীংনদুনা হেক ওইখোকহল্লবা
গিন্নিস বুক ওফ ৱার্লদ বেকোর্দতা মীং যাওবে ।
মসিগী শীংনবা অসে অথোইবা ওজানি,
পুন্সি হাযবসে শীংনবা মখল অমনি,
শীংনবা যাওদনা মীথোই মীহেন্বা ঙমদে,
শীংনৌ থবক্তা ' ঙমগে তাল্লু মায পাক্কনি ।
কনাগুম্বনা অফবা মীংচৎপু থনম্বা ঙল্লবা
মহাক্কী যেক্লবা পূম্নমক লোইনা মাঙখ্রগনি,
অফবা পূম্নমক মমৈদা মাগী ওইবনি,
অফবা মীংচৎকী উবোং খিল্লন্নবনি ।
চাদ্রগা পুক্তা চাকপা নেশানা চাক্লি, ৱাৎহনগনু,
থক্লগা ৱাখলবু যুহম্বা নেশানা যুনি, থক্লনু,
হোৎনদ্রগা তাবকপা ফলনা লাযববনি, হোৎনৌ,
ওইখোক্তবা হাযবদি হোৎনদবা হাযবনি ।
কবিগীনো ফত্তবা থবক তৌগদৌবিবা,
কবিগীনো ইশাগী হকাযখুম্নবা মাঙহনগদৌবিবা,
কবিগীনো অনীবক শিবা পামগদৌবিবা,
কবিগীনো মীগী যৌজাল পান্নুগদৌবিবা ?
হিংবা হাযবসি লৈত্রবা কৈদগী শিগনি ?
হিংবা হাযবসিসু শিবা হাযবসিসু লৈত্রবা
পুন্সি হাযবা অমমুক লৈববোই,
পুন্সি হাযবসি অওনবনি, অওনবা হাযবসিমক পুন্সিনি ।

যাইফ পাউজেল

মীশীং হেনগৎত্রগবু য়াগদ্রা

মীওইবা যুম পান্দবা লুহোংদবা যাদে,
নত্রবদি কবয়া মীশিং হেনগৎকনি,
কবয়া মীবোল মখা শমথহৌগনি,
অঙাং পোকপা তুংগী চাব শেম্বনি।
মীশিং হেনগৎত্রবদি লাযেংশঙ কৈদৌননি,
ফার্মাসি তৌবগী কান্নখিগদ্রা,
কবয়া থোবক্কনি অমোৎপা খুঙ্গং,
কবয়া ওইবক্কনি নমথীবা সহব ?
মীশীংনা ঈচাওগুম তেনগৎলমদ্রবদবু
স্কুল কলেজ লিংখৎলুবগী কান্নবমগদ্রা,
কোর্ট জর্জ উকিল হিংবা ঙন্নমগদ্রা,
কমান্দো আর্মি পুলিস মথৌ লৈবমখিগদ্রা ?
মতমসিগী নেশা চাবা নহাবোল লৈবমদ্রবদি
ড্রগ যু গঞ্জা কানি কনাদা যোল্লুগনি,
নেশা লল্লোনবা কবম চত্থবমগনি,
কনাদা হূবান পোৎযোন তৌকুগনি ?
ঐচ আই ভি এইদস নাবমদ্রগবু
কদাযদগী পৈশা থাদবক্কমগনি,
কদাযদগী ময়ুম মখোল শাবা ঙন্নমগনি,
লোক্তাক লৈবমদ্রগবু এল ডি এ লৈবমগদ্রা ?
লোক্তাক লৈবম্বগী শেল হৈথবকপনি,
স্পীদ ব্রেকব থমদুনা গাবী থুদেক্রুবদি,
কদাইদগী গাবীগী পার্ত যোম্বা শিংকনি,
মৈ লাক্লগবু মোমবর্তি যোম্বা শিংখিগদ্রা ?

যাইফ পাউজেল

তোখাই তানহন্বী হাত্তোক্লহন্বী উপাই

খাইদোক শুপ্লাই দিভাইদ এন্দ কল,
ফত্ত লৈঙাক লৌশিং তোখাই তানহঞ্জবী,
অকনবা মশেল লাযনা হাত্তোক্লহন্বী উপাই,
বৃটিশনা পাযবন্বা তমথিবা লীচৎকী খুৎলাযনি।
মীওইবনা মীওইববু লাযনা নমথনবা,
তেনকাপ হিকাপ যাইকাপ তৌনবমই,
ঈ মশেলগী মবক্তা শীংচেপ থাজিন্দুনা
খাইবুং তানহল্লগা মপাঙ্গল শোন্থহল্লি।
ঈ মশেল যেংথীনহল্লগা হাত্তোক্লহল্লমই,
পোকমীন্নবা মচিল মনাও নুংশিনহন্দে,
অপুন্বগী মপাঙ্গলদু হু কামশিন্দুনা শেত্তোক্লহল্লি,
যেক্লববু লাযনা লোইশিন্বা ঙম্নবা উপাইনি।
কাঙলুপ কাঙলুপ খাযদোক্লহন্দুনা
ঈ মবীগী মচিল মনাও খৎন চৈনহল্লি,
শম্বল কবক কবক খাজিন্দুনা চঙনহন্দে,
পাঙ্গল তিংদনা মখোয মশেন হাৎনহল্লি।
খাইদোক শুপ্লাই হাত্তোক্লহন্বী উপাইদি
পূর্নশিন্বা অমদি থেংনবা হাযবসিনতা ঙম্বনি,
অঙম্বশিংগী খুৎলায অসিগী লম্বাদি
অশিংবা লৌশিং লৈবা হাযবসিতনা ঙম্বনি।
নীংতম লালহৌ হাযবসিগী হৌবকফমদি
লম্নৌ লৈঙাক মপুগী লাম্মীগা
মীখা পোল্লবা লমদুগী ওৎপীববা মীযামগা
অনীগী মবক্তা মুক্লবা অদুনি।

যাইফ পাউজেল

নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক

পূম্নমক্সে নঙগী ঙাক্তনিকো হে নীংতম্বা '
মবৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা
মবৈবাক নীংবা অথৌবা মচা কযানা
নোক্লা নোক্লা মীহাৎ সগাই কাখিবা।
নীংতম লালহৌদি লোইবা থম্বা নাইদে,
মবৈবাক নুংশিবগী পনখে লোম্বা ঙমদে,
নীংতম্বা অমদি মবৈবাক নীংবা
থিংবা যাদবা মীওইবগী মচৎনি।
মীওইবা ওইনা পোক্লগা তাইবঙপান্দা
কনা লৈবগে মবৈবাক নুংশিদবা
পূম্নমক্লা মবৈবাক নুংশিবা ঙাক্তনি
ঙম্নমক্লা মবৈবাক নীংবা ঙাক্তনি ।
অলেকজেন্দাব পুকগী ৱাবীদগী হৌবগা
গান্ধী, সুভাস, ফগৎসিং, ক্ষুদিবাম
থাঙ্গাল, টিকেন্দ্র, পাওনা, চীংলেন
নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা মপুন্সি কথোকখি ।
মবৈবাক নুংশিবগী লোইনাইদ্রবা ঈচেল
ঙসিসু চেল্লি মীওইবগী শিংলীদা,
নুংশিবা মবৈবাক্কী নীংতম্নবা হোৎনবদি
মীওইবগী পোকপদগী লোযনবক্লবা হক্লি ।

খুঙ্গং

মালংনা লিবি শিৎপনি,
ফৌনানা ঈশং শংবনি,
হৈপাল লৈপালনা লৈতেংবনি,
অচম্বা থম্মোয ফংবনি।
উচেক ৱাযাগী খোঞ্জেল তাবনি,
খোইনীংনা নুংশিনা শৈশকপনি,
কাক্লা লানবাউ চেনবনি,
উথুম্মা তুম তুম খোংবনি।
লৈচীল মপৈ মপৈনা
লোইজিং লোযা পক্লা পাইবনি,
লমখুনুনা কুহু কুহু খোংবনি,
থেম্বীনা খোংবা তাবনি।
যেম্বানা নোংঙান মপাও তম্বনি,
হৈ বা মবাঙ কাযবনি,
লৈ শুনা থন্না শাৎপনি,
চবোইনা তেতু খোংবনি।
হৈনৌ মপাল শাৎপনি,
কোকিলনা কুহু কুহু শৈশকপনি,
লবুক লমহাং লান্না
চোংঙা তেনৱা পাইবনি।
শংলেন হানৌ ঈপোমদা
খংগোন খোঙকাপ ৱাযবনি,
চীংগী ঈশিংচাইবীনা চেম্ববগী
ঈবাওখোন তাবা ফংবনি।

ইরৈবাক লৈবগী ঐখোয়সু লৈবনি

ইবৈবাক্তা কৌবি ইবৈবাক্কীদমক
ঈগী ঈচেল চেল্লিবা অথৌবশিং,
মীকপ খোক্লো তূমদুনা লৈবগনু,
থৌনা ফববা ইবৈবাক মচাশা হাযনা।
অব্রা অনা মযামসে কোক্লবা ইবৈবাক্কী,
তেংথা নাওই মযামসে কোক্লবা ইবৈবাক্কী,
হাংন শুনবা মযামসে কোক্লবা ইবৈবাক্কী,
বন্দ ব্লোকেদ মযামসে কোক্লবা ইবৈবাক্কী।
হোৎনবসি অচুম্বা পুবক্লবা ইবৈবাক্কী,
হোৎনবসি নুংশিনবা পুবক্লবা ইবৈবাক্কী,
হোৎনবসি তঙদু লৈতাবা পুবক্লবা ইবৈবাক্কী,
হোৎনবসি ঈঙ তপ্পা পুবক্লবা ইবৈবাক্কী।
লীপুন অমগী লীচিংদা অমত্তা ওইবগী
থেংনবসি ইবৈবাক্কীদমক্তা অপূনবগী পাঙ্গলনা,
ইবৈবাক্কী থৌদাংদা থৌগায পাঙদ্রবা মী
অবেম্বানি হিংলুবগী ইবৈবাকচা ওইনা।
ইবৈবাক লৈবগী ঐখোযসু লৈর্বনি,
ঐখোয লৈবগী ইবৈবাক্সু লৈর্বনি,
ইবৈবাক লৈত্রবদি ঐখোযনা কদাযদা ?
ইবৈবাক্তা পাল্লি ইবৈবাক্কীদমক ঐখোয।
পাঙ্গল লৌশিং থৌনা পুথোক্তুনা
তুংগী যাইফনবা থৌবাং তৌবশি,
থৌনা লৈনা হৌগৎলক্লিবা ইবৈচাশিংদা
তাহল্লোইশি মম্মি মাযখোঙদা মাযথীবগী।

সাদু চিরু ঈশিং চাইবী শেমগৎশি

দর্জিলিংগী গঙ্গা মায়া ঈশিংচাইবী কবিসু নত্তে,
শিলোংগী বিদন জলপ্রপাত যাম্না ফজখিবা নত্তে.
সদু চিক ঈশিংচাইবীনা মখোযদগী তাবা নত্তে,
শেমগৎপীবা শাগৎপীবা ৱাংপগী বার্তানি।
ঐখোযগী ইবমদমসিবু থন্নীবা ৱাংপগী ৱাতানি,
ইশাগী ইবন মশক খঙদবগী ৱার্তানি,
মতৌশা লাইবেম্বাগী ফজবনা পিক থম্বা লমদম্নি,
মালেমদা লাইবৈবাক্ক শোর্ন্নাববা লমদমম্নি।
লাইবেম্বাগী শম্লাংগুম চাইথবি ঈশানা
মংদা ঐ পুমশুম শুমহৎখি.
অৱাংবদগী শাংনা চাইথবকপা ঈশিং ঈবাউখোন্না
খোম্বাং থৈনা ঈশৈ শকখি তাম্বা নাইনা
অঙকপনি মহৈশাগা খোযথুম্নবা ঈশৈ।
ঈবাউখোন্না নুংশি কনাবু কৌবগুম তাবি,
তামহৌবনী কনাবু তাম্না কৌবগুম তাবি,
মতৌশাগী অঙকপা কুম্মৈদুদা ঙাওজে,
অমুক্তসু উজদ্রবা শক্তমদুদা থম্মোয লপচৈ।
ইবৈচাশংনা যাউফবদা ইবৈবাক্কী যাইফবা,
ইবৈবাক্না যাইফবদা ইবৈচাগী যাইফবা,
মাখা পোনবগা নীংতম্বগা মুক্কবা কোক্তুনা
নীংতম্বা মালেমদা নীংতম্না হিংনেনবা।
মণিপুবসু লমকোযবগা মফম ওইহনশি,
মহৌশা লাইবেম্বাগী ফজবা যেংশম্মশি,
মালেমদা মামং চৎপা মফম ওইহনশি,
সাদু চিক ঈশিংচাইবী শেমগৎশি।

যাইফ পাউজেল

তপ্না তপ্না হৌদোক্কুনা য়াকায়হল্লশি

খণ্ডজকদ্রে ঐ মতমদুদা
কবিগী লৈবাংনা লৈশাৎ তল্লক্লিবা,
কৈদগী হুল্লক্লিবনো নুংশি লৈনম,
কবিগী পুবক্লিবনো খোযবাংবা লৈনমদুনা।
লৈবম্লেদনা লৈবাংদি থম্মোয লকানুংদা
হা হা লাউনা মবাং কাযনা,
যেন্নীংথা লাক্লগা ঈবাংসু পোক্লক্লে
সিদনিসু খণ্ডদে শোমদনিসু হাযদে।
অঙাওবা ঈথক্কা তুংথ মাংথ পবেং লেং
থেংলবি ঈথক্লা নমথেঙ নমথেঙ থম্মোযদা,
তাবগুম তৌবে অবাপ্পদা ঈশৈগী শুব
ইবাং ঈথক ইহুন খোঙদাবক্লে থম্মোযদা।
ইবাঙ পক্লবা ঈচেলনা
পুন্সি তোবর্বান লৈবাযদা
শাফু কল্লা থেংলবি
হঞ্জিন হঞ্জিন যৈববি।
উদ্রিঙৈ খল্লম্মী উজববদি অমুক্তং
শেংলববা মিৎমক্লা উর্বিসিবু অমুক্তং
অসিগীবা শদৌথোং হোৎনবিববু অমুক্তং
কোকচগনি ইপাপ কৎচববদি অমুক্তং।
লৈবাং শাত্তবা শাৎলক্লে,
হৈবাঙ মুন্দবা মুল্লক্লে,
তুমিন্না তুমদুনা লৈজবম্না থম্মোয
তপ্না তপ্না হৌদোক্কুনা যাকাযহল্লশি।

যাইফ পাউজেল

মঙাল লাকপা ঙাইরশি

যেংবদা মকম কাববা ষন লাবগুম
মপাঙ্গল কনগদবা মানবা মীহুৎশিং
থাগৎখি প্রজা মীযামগী মীহুৎ ওইনা,
লৈঙাকশঙগী থোঙ্গাল ফাওবা থিনজিন্বীকই।
মহৌশাগুম তুমিন লৈখি মবোল থোক্তনা,
কবিসু অহোংবা পুবক্তে হান্নগী হান্নদুনি,
লাযববা প্রজা অবেং অবেং পুখবি,
মীচম প্রজা তনীক তনীক হিংলি।
মথোঙ মবম খঙদবা মীওৎ মীনৈ
তৌশিন্নবা ঙাইহাক্কী তাত্তা থাজকবা
থামন্না অহিং অমদা লেল্লি মীচম কযা
মীকপ মীবাওখোলতনা পৃমনীল নীল্লি।
অৱাবা অহিংগী অমম্বা কোক্তুনা
কৈদৌঙে লাক্কনি নুংঙাইবগী মঙাল
ঙাইবদা অসুক্কী মতিক ৱাবেদকো,
অদুবু নোংদি সুকঙান ঙান্দবে।
অদু ওইববসু ৱাখল অদুদি থাদোক্ত্রি,
অৱাবগী পনখৈ লান্দুনা লাকখিগনি
নোংমদি শোযদনা নুংঙাইবকখিগনি,
মঙাল ফৃদোংলকখিগনি তশেং তশেংনা।
হৌজিক্তি তৃম্বদগী মিকপ থোক্লশি,
উইশিল্লিবা মিৎ পাঙলশি,
পঙশিল্লুববা নাকোঙসি শিংলশি,
মঙাল লাকপা ঙাইবশি।

যাইফ পাউজেল

অনৌবা চহীনা লাকপদা

অবিবা চহী লোইখবে,
অনৌবা চহী লাক্লে,
হেন্না চহী যামখৎলক্লে,
হেন্না অহল ওইশিল্লক্লে।
মীৎ উবগী চাং হন্থবক্লে,
না তাবগী চাং ৱাৎশিল্লক্লে,
হৌবিবা যা তেকশিল্লক্লে,
অমুবা শম ভৌশিল্লক্লে।
নোং অমুক ঙান নুমিৎ অমুক তা,
নোংমগী খবা চাশিন অমুক খাইদোক,
মল্লবা ফমুংদা অমুক তুম অমুক হৌগৎ,
অসুম্না অসুম নোংমা নোংমা হৌখি।
মীওইবনা মতম খবা হিংলম্লিবা
হে অশিবা নঙগীদমক্তবা ?
নুমিৎনা কোক্তোন লোম্লক্লে,
নুংশাগী মৈশানা কোকথক্তা হৈথবক্লে।
চৎপদি লেপ্তে পুন্সি খোঙচৎ,
চৎনা চৎনা নুমিদাংৱাই ওইশিল্লক্লে,
ও হৌজিক্তি চৎপদা মঙম শান্দবে,
শাথিনা চোকথবে ইশাসি পদ্রাক তাবে।
নীংশিংবা ৱাৎলক্লে পেং চোইশিল্লক্লে,
তপ্না তপ্না মীৎসে উইশিনবা হৌবক্লে,
তপ্না তপ্না শিননবা তুমথবা হৌবক্লে,
অনৌবা চহীনা লাকপদা।

***কেশো সিংহ ইরেংবগী শৈবেংগী লাইবিক "চেম্বরকপা শৈবেংগী ঈচেল" গী* মবমদা মীওই কযানা পীবীবকখিবা ব্রাবোল খবা মখাদা পীজবি।**

মণিপুরগী লৈহাওদগী ওবিজিনেলিতি অমগা লোযননা শাগৎচবিবা কবিগী পোৎথোক ঙাক্তনি। ঙবাং ঙসিগী মণিপুরগী পুন্সিদা শকক যাবিবা অইবনি। মদুনা মাগী খুৎইগী ব্রাখল্লোন্দা মতম মতমগী ওইবা সমাজিক দর্শনগী মমি তাবি।

ঐখোযগী পম্বুং, জুলাই, ২০০৩

তৃগাযনা শাৎলবা নুংশিবা লৈনম চেল্লবা লৈবাংশিং অদো হাপ্লবে মৈতৈ সাহিত্যগী যেন্দাযদা। যেংবদা পৃক্লীং হূববা লৈনমদি চেন্দবা গল্লাগী লৈবাংগুম্বা নত্তে। শাববা মরুভুমিদা হৌবী মীওইবগা শীংনবী মহুব্রা লৈবাংগুম্বসু নত্তে। পাক্লবা লমহাংদা হাইনা হুম্না মকে শেমদুনা শাৎলিবী মীওইববুদি পুম্না যোৎশীনগে খল্লিবী পোপী গুম্বা লৈবাংসু নত্তে। লৈনম্না লৈকায পল্লানগদবা অদুগুম্বা লৈকোনগী লৈবাং ঙাক্তনি। ঙসিগী সমাজ অসিদা মহৌশাগী ফজত্রবা নীতি-নীযম, থকশি-খাশি কয মন্দ ফংনা মাঙত্রবদা শোকচীল্লক্লিবা ইবমদম অসিবু ঐখোয অমত্তা ওইনা কলহৌশি হাযদুনা পাউজেঙ্গবি।

সোংথাম ওঙবী সুবদনি দেবী

পৃক্লীংদা ফাওবকপা তোঙান তোঙানবা ইমোসনশিংবু অতেম্বা ছন্দ নাইবা, অমেংবা বাহে রা তানা অপাবশিংগী থম্মোযবু হুমদুনা পুবা ঙম্বা আসনি। অতোপ্পা মওংগী শৈবেংশিংদগী খেন্নবিবসি সবজেক্তিবিটি, ইন্দিভিজুযেলিটি অমসুং পার্সনেল ইমোসনশিংগী তোঙানবা মশকশিং শৈথাবকপদনি। হিবম অসোমদা যেংলুববদি কেশো সিংহ ইবেংবা মায পাক্লবা কবি অমনি হাযবা যাবে।

ওইনাম আনন্দ

অইবা অমনা পীনিংলিবা পাউজেল খুদিংমক্তি ফজনা পাবা ঙম্লে হাযবসিনি। শৈবেং খুদিংমক পাবদা অঙম্বা চীংদোলদগী, লোকচপ্তগী তম্পাক যৌনা ওবো ওবো চেম্ববদুমক হেক ওই। ওজা কেশো কবি হাযবা মীংথোল অদুদে কবম্না নাম্থোক্লুনা চৎপা ঙমগনি।

ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম

যাওবিবা শৈবেংশিং অসি মপূম ওইনা যেংলবদি ওজাসি ঈশ্বরগী অচানবা মনাইনি হাযনা ফাওবা মীংথোল পীজনীংই। মতমগী মমলবু নৃম্না লৌনববনা ওজাগী শৈবেংনা হাযনীংবদুতং পাওদমলম্বা, ব্রাকোই শুবমদবা যাম্নমক লাইবক ফববনি । ঈশৈ শৈবেংগী মশক ওইবা তোপ-তোপ্পা অনৌবা মচল অমনি । ওজাগী থম্মোযদগী চেম্ববকপা অশেংবা শৈবেংগী ঈচেলনি ।

মোহমদ ইসলাউদ্দিন শৈখ

মহাক্কী শৈবেংশিংদা গীতাঞ্জলিগী প্রভাব যাম্না নিংথীনা তাবি । তশেংনা হায়ববদা কবি ইবেংবা মনিপুরী সাহিত্যদা ২১ শুবা চহীচাগী অনীশুবা ববীন্দ্রনাথনি হায়না শক্তাকপা ফাওবা যাবক্লবনি । মীংচৎনা অদোম্বু ঙাইদুনা লৈবি হায়বসি মতম পূম্নমক্তা নীংশিংবিয়ু ।

ইচেম্মা, মার্চ ২০০৪

লৈচনশিং অদুদি লৈঙাক্লোযশিংবু কবেম্নবা, মীখা পোনবা লোইলম পামজদবা, যৌনাফবা ফবীশিংবু নীংশিংবা, মবৈবাক্কীদমক থরাযনা পোম্বা ওইখিবশিং, পুরাবীগী কংলৈবাক, নাৎকী ওইবা চৎনবী, তোখাই তানিংদবগী পূন্না অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্নবা হিংমিন্নবগী ৱা, পূম্নমক শুনা লৈ পবেংগী নাচোমগী লৈচন ওইনা যাওবি । লৈচনশিং অসিনা হেন্না মপূং ফাবা লৈ পবেং, লৈ নাচোম পলেম কংলৈ পোকপী ইমাগী শেমজবা ঙম্বনি । শম্মা হাযববদা, কবি ইবেংবনা লাইবিক্কী শক্তমদা অনৌবা মওংগী অনৌবা শক্লোন অমা পুথোবক্লুনা ফোঙদোকপিবকপা অসি নুংঙাইজে অমদি থোইদোক্লা পেঞ্জে ।

থাইদেম প্রমোদিনি খাঙানবা

কেশো সিংহ ইবেংবা, কবি অমা ওইবগী প্রতিভা চপ চানা লৈববা মীশক অমনি। প্রেম ভক্তি অনীগী লীচিং ৱাংনা লৈবা কবিনি। ভক্তি লৈতবা মীশক্লা শৈবেং ইবা যাদে। মীওইববু, থরাযশিংবু অমদি প্রকৃতিবু নুংশিজবা কবিনি। শৈবেংনা থরাযনি পুন্সি খল্লিবা কেশো অৱাংবা থাক্কী কবিনি।

ডাঃ এম প্রিযোব্রতা

ওজা কেশো ইবেংবগুম্না অচুম্বা পামজবা থম্মোয শেংবা মীশক চাম্ম চাম্মা কাচিন কোযাদা লোত্তুনা লৈবি। পুন্সিবু শীংনদুনা লাকখি। মাগী নুংগী কল্লবা ৱাখল লীচিংনা মাবু ঙসিদি মায পাক্লবা মীশক ওইনা পুদুনা লাক্লে।

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

মহাক্কী ৱাখল, থম্মোয, পূক্লীং অমদি আশা পূম্নমক্লা মাগী শৈবেং শাগৎলি। মাগী শৈবেংনা মাগী পুন্সি শেম্লি। কবি কেশো মবৈবাকপু নুংশিবা হাযবসি মাগী শৈবেং মতেক "ঐ হিংলম্মী খঙনবা, কবিনো খবদি তৌবল্লগে, লৈবাক্কী খুনাইগী যাইফনবগীদমক, মসিনা অবোইবা ওইবগে।" অসিনা খঙহল্লি।

কোংখাম বাথো

তশেংনমকসু অইবা কেশোগী শৈবেংশিং পাকবা খুদিংমক্কী থম্মোযদা ৱাখল কযা খলহন্নবতা নত্তনা মহাক্কী শৈবেংশিংদা তোপ তোম্পা মহাউ অমদি অদুম্মক যাওবি।

কোকিল, হুইযেন লানপাও (মৈতৈ মযেক)

শৈবেংশিং অসিদা নহানমখৈ খেংনবকপা ৱাহৈশিংগা মান্নদবা যাম্না চম্বা ৱাহৈনা, যাম্না লুবা ৱাহছোক অমা মনুংদা পুদুনা চৎলি। শৈবেং পাবদা ঈশৈ তাবগী নুংঙাইবসু ফাওহল্লি। যাম্না মপাঙ্গল লৈ।

ওক্রেম বসন্ত মৈতৈ

কবিগুম্বা মতাংদা থুক লাউবা পোকই। যাম্না নিংথিজনা পুন্সিবু শৈথাবা চাংদম্নবা কয়া পাকবদা মশক্লাইবা অমা ওইবক্কনি হায়না থম্মোযদা চেংনা থাজবা লৈজে।

শ্রীঅরিবম আইশো শর্ম্মা

মখল মথেল বস শুনা যাওববা শৈবেং লাইবিক্সি মণিপুরগী অখন্নবা সাহিত্যগী মচাক্সি।

হৈস্নাম রঘুমণি সিংহ

মগুণ লৈবা, অর্থ চেনবা, মহাও যাওববা অচম্বা ৱাহৈনা লৈচল ওইবগা পবেং লেংই, ছন্দ কাযহন্দে, ঈশৈগী শুব অমসু ইবোইনৈ। ৱাকৎ মতাং চায। নিজবদসু থম্মোয যাওই। তেংথাবদসু হেক্তা কপই। ৱাখল্লোন মযার্মসিবু মওঙ তানা শৈবেং ওইনা পুথোকপা ঙম্লিবা কবি ইবেংববু থাগৎতবা ঙমদে।

জাতিশ্বর সৌরাম

ইবৈবাক ইবমদম অসিগী অৱাংথংবা মাযকৈদা সাহিত্যগী লমদা মাঙজিন থাবিবা কবি কেশো সিংহ ইবেংবগী 'চেস্থবকপা শৈবেংগী ঈচেল'বু পাজকবদা কাউঙমদ্রবা শক্তম কযানা মীৎম'ঙদা শং শঙনা চোংথোবকপগুম উহনখি। কবিগী মফমদগী ঙক্লবা ঙমখৈ লৈত্রবা চেস্থবকপা শৈবেংগী ঈচেলবু ৱাংনা লৌজদুনা লাইবিকসিগী ৱাখল্লোনবু ইকায খম্নবা উৎচবি।

শগোলশেম বিলাশিনি

শৈবেংগী লাইবিক্সিদা যাওবিবা মচাকশিংদি মমল যাম্না যাম্বা মযেক ঙাক্তনি হাযবদা হাযমম্বা থোক্লবোই। ইতোপ তোপ্লা মওঙ অমদা পুথোকপা খুৎপুথোক্কী লাইবিক্সি হাযনীংই।

লৈশাংথেম ইবেযাইমা

Kesho Singh Irengba

Date of Birth	6th October, 1951
Father's Name	Late I. Ningthemton
Mother's Name	Late I. Ketuki Devi
Qualifications	B. A. with Various Trainings

Published Books

1. Chenthatakpa Sheirengi Lehel 2002 (Poetry)
2. Paokhong Singju Mathel Ama 2009 (Literary Riddles)
3. Bangladesh Khongchat 2013 (Travelogue)

Ex-Editors of

1. Ex-Editor of Imagi Khonjel 2004 (Anthology of 99 Po[illegible]
2. Ex-Editor of Ngaklou 2011 to 2013 (PAWF [illegible])
3. Editorial Board Member of Leraokhol (IMAKHOL's [illegible])
4. Editorial Board Member of Ngaklou (PAWF Journal)
5. Ex-Editorial Board Member of Short Story Society India

Awards received

1. 2nd Prize of the College Level Essay Competition 1971
2. Dr B R Ambedkar National Fellowship Award 2005 Delhi
3. Mahatma Jyotiba Phule Fellowship Award 2006 Delhi
4. Bharat Jyoti Fellowship Award 2007, Mumbai
5. Chandrashakhi L Chumthang Lit Award 2008 (Poetry)
6. Rastriya Akatmata Fellowship Award, 2010 Mumbai
7. Sahitya Ratna 2010, Nasik Maharastra
8. Chandrashakhi L Chumthang Lit Award 2011 (Prose)

Life Members of Literary Organisations

(1) Founder Gen Secretary IMAKHOL Awang Potsangbam
(2) Cultural Forum Rupmahal Tank Imphal
(3) Manipuri Sahitya Parisad Imphal
(4) Naharol Sahitya Premee Samiti, Imphal
(5) Patriotic Writers Forum (PAWF) Imphal Manipur
(6) Ex-V P of All Manipur Columnist Union Manipur Imphal
(7) Ex-V P Short Story Society India, H Q Lakshipur, Assam

IMAKHOL

কেশো সিংহ ইরেংবগী শৈরেংগী লাইরিক "চেষ্টরকপা শৈরেংগী ঈচেল" গী মরমদা মী ওই কয়ানা ইবিরকখিবা অমদি পীবীরকখিবা ৱারোল খরা মখাদা পীজরি।

"শৈরেংবগী থস্মোয়দদি ফজবগী ফজবা ৱাক্তনি । মাগী মীয়েংদা অচুম্বা, মাগী ৱাখলদা কান্নবা, সত্যম শিবম সুন্দরমগী শক্তোন্নি । মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা, মনাৎ-মরোলবু কন্নিংবা সদভাবনাগী ৱাখল চেনবা, অনেম-অৱাংগী পন থায়দবা, মপূবু কাউদবা, অপূনবগী শক্তমবু ৱাকচনীংবা, মহৌশা লাইরেম্বীবু নীংজবা অসিগুম্বা অশৈবা অসিগী থস্মোয়দগী চেষ্টরকপা শৈরেংগী ঈচেলবু করিগী লূদনি ?"

শ্রীঅরিবম কুমার শর্ম্মা

"মপূংদা ঈচেল অহুম্নি, শেংলবা ত্রিবেনীগী ঈচেলগুম পোক্রফম লমদম্বু নুংশিজবগী, তাইবংপুন্সিগী ৱাহম্লোক থিবগী অদুগা তাইবংশেম্না মাগী মফমদা চণ্ডজবগী। পুন্সি হায়বসি করিনো ? কবিসু থিরি পুন্সি খোঙচৎকী তাংকক কয়াদা। লম্মুক্রবা কণ্ডাওনরবা তাইবংমীওইবগী পূক্রিংগী শান্তি কংনবগীদমক। কবিসু চণ্ডজৈথৌজালহৈবা মাগী মফমদা। ঈশ্বর ভক্তিগী ৱাংলবা দর্শন্নি।"

নোংথোম্বম কৃষ্ণমোহন সিংহ

"অয়াম্বনা কন্না হোৎনরবা মতুংদা ঊনরিবদি অনীগুবা মীৎয়েংফাওবদনি। অনীগুবা মীৎয়েংঅসিদনি অয়াম্বা সাহিত্যলা লোৎসিনবা। অয়াম্বা কবিনা কুমথরিবদি তাংকত্তি ফাওবদনি। মসিদগী হেন্না চঙশিনীংঙাই ওইরিবদি অহুমগুবা মীৎয়েংনি। অসিগুম্বা অহুমগুবা মীৎয়েংঅসিবু ঈথৌলাংবা পোকতবা অমদি অনীগুবা তাংকত্তা খোঙলেপ্লদুনা তাইবঙ মালঙপান্সিগী অচং চৎত পুম্নমকপু নুংশিন্না য়েংজরিবা অহেনি।"

ডাঃ [illegible]

"অইবসি করিগুম্বা মতমদসু মুংশিনবা ঙাওরকই। মুংশিনবা মাগী থস্মোয়দবু [illegible] ফাজিন্দুনা থন্নকই। অইবসিনা কনাগী থস্মোয়দবু ৱাংবা পায়রগে। [illegible] [illegible] অকবা অয়াকপা খোন শীজিন্নগে। খোংনা খোংনা [illegible] [illegible] থস্মোয়দবু চাংয়েংজৌই।"

ও সি [illegible]

"মসিদি অইবগী মেজিক রিএলিস্তিগী মফক অমনি। [illegible] শঙ্গীল্লবা [illegible] ইন্দ্রি লীংলবা তাইবংপান অমবু শাগৎপনি। মশাহৌংগী অদুকনী শাহোংলগা নুংগী [illegible] অচুম্ববু খিবগী লোইনাইদ্রবা খোঙচৎনি। কনানাগী সংসারবু মপাল নাইবা হৌনরবা ? মসিগী পনখেবু লোইনাইবা লৈবরা ? অদুগা মহৌশা মুংশেমগী কজবলা ঙাওহৌহৈদবা কনা কনা লৈবগে ? ঈ মশেলবু অমসা ওইনা একটাগী থৌগীনা (নীপুম্না) পুকিন্দুনা শান্তি লৈনা পূম্না হিংমিন্নবদু শাম্বনি। 'শান্তিগী হৌরকফমদি নুংশিনবনি' হায়বসিনা শান্তিগী ঈথৌলাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা শান্তিগী হৌরকফম খিরি।"

ডাঃ শরতচন্দ্র লোংজোম্বা

ISBN 978-81-926804-5-3
9 788192 680453

ইমাখোল পব্লিকেসন্স, মণিপুর